বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড

অইবা
ইজম গুণ

Vir Tikendrajit Road (Revised & Enlarged) :— *A Novel in Manipuri written by* Shri H. Guno Singh *and Published by* Kumari [illegible]ijam Sh[illegible] Devi, [illegible]eisampat Tho[illegible]chom Leikai, Imphal—[illegible]

Price Rs. 45.00

ফোঙবী :

কুমারী হিজম শ্রীমতী দেবী

কৈশামপাৎ, থোকচোম লৈকাই,

ইম্ফাল—৭৯৫০০১

অহানবা ফোঙবা : এপ্রীল, ১৯৮৩ ইং ।

অনীশুবা ফোঙবা : জুন, ১৯৯০ ইং ।

অহুমশুবা ফোঙবা : জুন, ১৯৯৫ ইং ।

মখুম :

শ্রীথোইদিংজম তোম্বী,

খাগেমপল্লী ।

ফংকম :

ফোঙজবীগী ময়ুম

অমসুং লাইরিকী দুকানশিং ।

মমল : লুপা ৪৫/-

সম্ব পুন্নমক অইবগীনি ।

লাইরিক নম্বা :

সর্ব্বশ্রী

পি, এস, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরী

ইম্ফাল ।

পুজা তৌজরিবা নুংশিজরবা ইপুং
মহাকবি হিজম ৺অঙাংহলগী
মখোঙ থম্বালদা ।!

অনীশুবা ফোঙবদা নীংশিংজবা।

খৃষ্টকুম ১৯৮৩ গী এপ্রিল থাদা অহানবা ওইনা ফোঙদোকচবা উপন্যাস অসিদা ভারতকী সাহিত্য একাডেমিনা খৃষ্টকুম ১৯৮৫ গী ওইনা একাডেমি এৱার্ড পীরে হায়না লাউথোকপীরগা, তাং ১।২।৮৬ ইংদা এৱার্ড অসি পীবীখি। মসিগীদমক সাহিত্য একাডেমিদা থৌবীমল খঙবা উচ্চরি।

উপন্যাস অসিগী অনীশুবা সংস্করণ পুথোক্নে খন্না খন্না ঙমদকুনা অস্তুম লৈরম্বদগী শ্রীগোবিন্দগী কৃপাদগী মরুপ-মপাং খ্বায়না মতেং পাঙবীদুনা হন্দক পুথোকচরে। য়াম্না মুংঙাইজবদি লাইরিকসি নমলিঙৈ মনুংদা মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়গী এম: এ: গী থাক্তা মণিপুরী বিভাগকী তম্নবা লাইরিক ওইনা মসিবু খঙংপীরে হায়না ছাত্রশিংনা লাইরিকসিবু থীবীরকই। পাংথবা ঐবু অস্তুম্না ইরৈবাকী ইজাতিগী অমসুং ইশাগী লোল অমসুং সাহিত্যগী সেবা ফংহনবী। মসিগীদমক বিশ্ববিদ্যালয় অসিগী কর্তৃপক্ষগী মফমদা পুন্সি চুপ্পা লমন তৌনশিঞ্জরে।

অনীশুবা পুথোকপসিদা অশোই অঙাম থরদি শেমদোকচরেদি ছায়বৰু চিথনাম্ব খরা য়াওরমখিনি। মসিগীদমক ঙাকপীনবা নীংশিংজরি।

ছাত্রশিংগী য়েংথুনা উপন্যাস অসিগী মরমদা শ্রীরা: কু: ঝলজিৎ সিংহনা ইবা রিভিয়ু অমা সাহিত্য একাডেমিগী পত্রিকা Indian Literature গী ১১৫ শুবা মশীং (সেপ-ওক্তো—১৯৮৬ ইং) দা ফোঙদোকখিবন্থু একাডেমি অমসুং অইবা অনীনা য়াবীবদগী লাইরিক অসিদা হাপচিন্দুনা ফোঙদোকচরি। য়াবীরকপা অসিগীদমক একাডেমি অমসুং রিভিয়ু তৌবীবা লেথকপু হন্না হন্না থাগচরি।

লাইরিক অসি ভাগ্যবতী কর্য্যালয়গী শ্রীফুরাইলাৎপম বাসুদেব শর্মাগী মুংশিবীবা মতেং নতনদি মতম চানা অসুম্মা পুথোকপা ওমলমলোই। ঐজ্ঞানা অমসুং কার্য্যালয় অসিগী থবক পুবীবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা রাবীখিবা অসিগীদমক তৌবীমল খঙবা উচ্ছরি।

ইম্ফাল

তাং ১১। ৬। ১৯৯০ ইং — লাইরিক লেংবা।

অহুমলকঙবা পুথোকচবদা

ইরৈবাকচাশিংগী থোজান্দগী উপন্যাস অসি তমুক হন্না পুথোকপা ওমহনবীরে। মসিগীদমক পুন্নমক্কী মফমদা তৌবীমল খঙবা উচ্ছরি। লাইরিকসিগী মতাং থরদং হাপতোক হাপচিন তৌদুনা শেমদোকচরে অশোয় অঙাম থরদি য়াওরমখিবা য়াই। মতুংগীদমক ঙাকপীনবা নীংশিংজরি।

সর্ব্বশ্রী পি, এস, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরীনা থৱায় য়াওনা হোৎনবীবগীদমক শীংবা ওমলরোইদোবা লমন তোনশীজরে।

ইম্ফাল — অইবা

তাং১৬। ৫। ৯৫ ইং

A Review of 'VIR TIKENDRAJIT ROAD'

— *by Shri R. K. Jhalajit Singh*

(Extract from Indian Literature 115th Issue Sept.-Oct. 1986)

An Experiment In Manipuri Novel

'VIR TIKENDRAJIT ROAD' by H. Guno Singh is a new chapter in the evolution of the Manipuri novel. Guno Singh is a well-known figure in contemporary Manipuri literature. He writes both novels and short stories. He has so far produced five novels and three books of short stories. He got the State Kala Akademi Award in 1983 for his short stories. Nevertheless, his main contribution to Manipuri literature is in the field of the novel.

Guno Singh made his debut as a novelist with the publication of his *Laman* (Debt) in 1958, It is a historical novel set in the Manipur of early 19th century.

This was followed by *Khudol* (Present, 1964) which was adjudged best in creative writing in Manipuri in 1964 and also won for him the prestigious Jaminisundar Guha Gold Medal of the Manipuri Sahitya Parishad. His next novel was *Aroiba Paodam* (The Last Delivery of Messages) published in 1965. This, too, is a historical novel set against the background of Manipur devastated in the Second World War and deals with the sacrifice of a small band of freedom-fighters who chose the path of Netaji Subhas Chandra Bose. It is a good novel although it did not win him any award.

The next work, *Aikhoigi Tada* (My Elder Brother, 1966), is the story of two boys belonging to the scheduled caste. They are sons of a beautiful scheduled caste woman by a high caste Hindu, who forsook

them unwillingly. After their mother's death, life for them was a path of thorns. But ultimately they triumph.

The latest novel, *Vir Tikendrajit Road* (1983), is his best work till date. This book should be viewed in the background of the author's total contribution. A writer's contribution to a genre does not depend merely on his quantitative output but also on the quality of his works.

H. Guno Singh makes constant experiments in technique in novel writing. In his first work, *Laman*, he has attempted to narrate the story without employing any Sanskrit wodr The result is not encouraging and *Laman* remains the poorest of all his novels. In *Khudol*, the attempt is given up and, as a result, he has been able to convey his ideas clearly. In all his subsequent works, he has not hesitated to use Sanskrit words.

His spirit of experimentation is seen again in *Aikhoigi Tada*. Is it a long short story ? Or a short novel ? The line of demarcation is thin and hazy. The book is written in the style of short stories without being divided into chapters. Still, it leans more on the side of the novel. This, too, is a good novel upholding high ideals which are, unfortunately, at a discount at present.

Viewed against this background of the author's love for constant experimentation, *Vir Tikendrajit Road* does not come as a surprise. This novel differs from all other Manipuri novels written so far. It is a new type of novel and, in that respect, a new contribution to Manipuri literature. Who is the hero of the novel, and who the heroine ? What is the story line from beginning to end ? One finds here a bundle of

stories most of which are apparently unconnected. The book, however, is not a collection of short stories, for, a subtle link binds them all. What is more important, they are made up of the observations on man by the writer.

As for the title of the book, *Vir Tikendrajit Road* is a main thoroughfare in the heart of Imphal, the capital city of Manipur. Busy and crowded, there is heavy vehicular traffic there and one can inhale any amount of petrol and diesel fumes and, in addition, hear the shrill sound of horns. Situated near the Assembly, it is a place for processions and demonstrations. If one wants to fast unto death for any cause, one can come to the park on this road. On the adjacent playground, people meet and discuss everything on earth from India's foreign policy to the private life of female singers. The nearby bazar is the hub of trade and commerce in the State. The author observes the life and behaviour of diverse people of different languages, cultures and religions living in this nerve centre or flocking to it. It is a part of the eternal study of man and the writer narrates his findings in the form of stories. Hence the title.

The author covers a wide canvas. The communal frenzy in the Punjab at the time of the partition, the exodus of refugees from Burma during the Second World War, the business of film magnates in Calcutta, the life of fish-vendors in the main bazar of Manipur —all these and much more find place in its wide canvas which is crowded, but not dense.

The author drives home one point. In this confused modern society what is commonly accepted as a real is sometimes very different from the real and

what is real is seldom apparent on the face. Thus, in reality, the well-known J.M. Chatterjee, popularly Chatterjee Sahib, was Mr. Das of Calcutta. Captain Bannerjee was a Harijan. Dr. Mema, the devout Hindu lady, was a Muslim girl brought up as a Hindu. Krishnadas Babaji, a Vaishnava monk, was fond of gambling and went to movies at night donning a different dress. Miss Fatima was the same woman, Pritam, married earlier to Jasbir. Khan Sahib was a Bangladeshi national (or a Pakistani ?) running a prosperous hotel in Imphal. Above all, Jagjit was not Jasbir's brother but a cousin of German descent.

The society depicted in *Vir Tikendrajit Road* is one of falling values. Take, for instance, the happenings in the joint family of Jasbir or the two suburban women stranded in Imphal on the night of the curfew. But there is still a silver lining. People still offer hospitality to fellow-men in distress, adopt infants left behind by parents in the World War II and bring up one's relatives orphaned in the communal riots of 1947. This noble aspect in human nature is in keeping with H. Guno Singh's earlier novels.

Forty years of meaningful exercise in weaving stories and narrating them in print has enabled the author to invent credible stories and relate them engrossingly. *Vir Tikendrajit Road* is a product of this exercise. It is a distinct improvement over his earlier works. One only wishes the account of Pritam's ençounter with Jagjit in the strong room of the latter were a little less lurid.

By courtesy of the Sahitya Akademi and the author of the article Shri R.K. Jhalajit Singh.

অমা

নোংমা পোইহুগী মুমিদাংৱাই। মফম, মৈতৈ বংলা তম্বা বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড, সিনেমা হোল মনাক্কী হোটেল। মায়োক্লবদা বার টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক অমসুং মতুদা য়ুংলিবা মমিং থোন্দ্রিবা, ৱাগী শগাইনা তুখিনি মতাগুম কোইশিন্দুনা থম্লিবা ৱাংলবা য়ুম্বীরেন।

ঙরাংতু ফংই টেলিগ্রাম অমখক মপান্দা লাইরিক তমখিবা ইচা অমদগী, "Wire 300 immediately"। তলব ফংলক্তবা থা অনী ফারক্লে, মাদি খঙবপোৎ নত্তে। ঙরাং হুমিদাংৱাই য়ুমদা হল্লকপদা থেঙনবনি। খংশাও শাওনীংলম্মী, পৈশা পৈশা, ঙাইহাক লৈরগা পৈশা, পৈশাসিবু উদা-ৱাদা পানবতুমঙাই! এন্সাংনা য়েন্দেম থোংবা, খুৎসুনা শরেং ঙারেনগী, চানা পিৎ পাৎ। চাপী থারগা চৎপা মীদোনা পুং ৫ তাবা ঙাইবদা পুন্সি হৌখিবা পাম্মুহৌদবা। য়ুমদা হল্লকপদনা য়ুম্বানবগী হৌন লোনচৎ, ইচা-ইশুগী অৱাৎ-অপা, য়ুমগী মুপীনা ঙা-নাসুবী শাতুনা লৈরম্বা!

নোংমাইজিংনি পোত্থারুনি হায়বা শারদনা থোক্লকপনি য়ুমদগী। বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোডকী মীৎ কুপ্পা য়াত্রবা, মী, রিক্সো, ওটো রিক্সো, কার, স্কুটর, পেসেঞ্জর বস গাড়ী, পুন্নমক শীংথোক্লক্কুমা উচিন-নাচিন য়োৱে ঐগী লমথুংফম হোটেল। খর হন্দোকচরে, তাইবংপান ঙাইহাক কাওথোক্তুনা ফমথৈ হোটেলগী অহাংবা ফান্দা, বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ককী য়ুম্বী উবা ফম্ফনদা, অতুগা হায়রুই, হোটেলগী মীদা, "ইনাওশা, চা

অমত্তং পীয়ু!" শেল তিংদনা পাবা য়াবা খবর অহুম মরি, হুয়িং ওমজুনা তারিবজু লৌখৎলগা পাবা হৌগৎলি, পাবা য়াদ্রবা ময়েকশিং শেম শাজুনা পাশিল্লি, ইরম্বা বানান লাল্লবসু চুমশিন্দুনা পাবা তাই, ভারত সংবিধানগী নিপানশুবা সিত্যুলদা য়াওহন্দবা য়াদ্রবা ইমারোন্নি, লানবা চুম্বা থিফদে। মৈতৈরোনগী খবর কুইনা হিংসন্নু, খবর পাবগী নামৎ মাঙদসনু!

রাজনীতিরালাশিংগী চোংথোক চোংশিনগী পাউ পাবজু মনুংঙাই, পুক্লিং লৌশীং ওই, কনানা খঙবা 'লাইরা মপান থাবরা, ইনাকখুনবা মউ লীংবরা', ঐসু নোংমা লেপ্পবা য়াই মীরেপ ওইনা, "All is fair in love and War"; রাজনীতিসু লানফমনি।

চা লানশিল্লকই; কপ্ত পংচাউ চাউদে, মমলগা মচানৈ। হোটেল-সিগী য়াম্না ফজবা, মীনা তানবা ফংলরোইদোবা অমদি, করিগুম্বা অচোই-অরং য়াওদ্রবসু নোংমা পীবীয়ু হায়জুনা পৈশা পীরমদ্রবসু য়াবা, অসিনি। ঐনা নোকই পুক্লিংদা, অপংবা মহাজন তাঙ্গা ফংলিদ্রৈদো হৌগেদি হায়দ্রজুনা! চিনদি থোক্কে, ঐঙোন্দা ওইজৈ খঙই। অতোপ্পা অমনা মীচমগী হোটেল্লি, স্পেসিয়েল চা য়াওদে, ইকাইনীংঙাই লৈতে। খবর পানা পানা চাজু থকই। মতম শাংনা পানীংঙাই পাউ য়াওদে; মখোয়সু হিংদবা য়াদবনিনা "একোগাড়ী তাহোরে, খুনবীরবদি খঙহনবীয়ু", হায়-বগুম্বগী এডভরটাইজঙাক্তা ওইনা ফোঙই। চা থক্লা থক্লা য়েংথোকলুই বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোডলোমদা। হেক মায়োক্লবা, বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ককী চঙফম মনাক, য়োৎকী কোম্থোক শম্বল পরীংদা, অঙাংবা ফিশাং, ফিশাংজুগী মথক্তা অঙৌবা চেনা য়াজুনা ময়েক লানা থেৎলিবা "Hunger strike unto Death", উরকই। শিগনি হায়বা অসিবু মুংঙাইবা থৌদোক্লা! অনাবা খুৎ-থারে মুমিৎ তয়ে তাবদা কপ্পে লাউনৈ, চহী চাম্ম সুরদোবা মী ওইরবসু। শিবা কিদবা য়াওদে, অজুবু হৌজিক্তি শিরগদৌবনি, শিরগনি, হান্না লাউথোক্লরে অজুগা মজুদসু থোইনা থক্কৎলুদ্রে, চৎনরকপা হায়বসি লুপ্রে। থেৎলিবজুগী রাংমা, পার্ক-কী

লম্পাক মনুং, মিংনাইদবা য়ুম্বীগীনা মমাং, ঈশিং চাউবা চেল্লকপগী য়ুমথু ফম মানবা, তম্বুরনা কুপ্পা শঙ, শঙগী মনুং অমসুং মপান্দা মী অমা অনী তিল্লিবা, মতুগী মনাক খরা চথোক্লগনা, সিফাইশিংগী বেণ্ড পার্টি মাল্লি, খাকী শেৎপা বেণ্ড পার্টিনা বাঝাই খোংবা তমলিবতু উই। মতুগী রাংমদা শান্ন-খোৎনবদা থরায় য়াওজরবা মৈতৈ মচাশিংগী শান্নবুং, শান্নবতু য়েংনবা ভাবুকশিংগী ফমফম উগী শগাই, শগাইতুগী মনাক্তা ভোলী-বোল শান্নরিবা, লাপ্পা উবা ফংই।

পৈশাসু তিংদে, টিকেটকী ঈন্নবসু যাওক্লদে, ব্লেক-মার্কেট্টা টীকেট লৌবগী খোইদৌ শাওগৎপসু যাওদে, নুংঙাইরবা কুম্মৈসি য়েংবদা, লৈবাকমচা তাববা হোটেলসিদা ফম্লগা। চিঙৈ তারকই নাম কীর্তন অমগী শৈশক, "হরে কৃষ্ণ, হরে কৃষ্ণ, কৃষ্ণ কৃষ্ণ, হরে হরে; হরে রাম, হরে রাম, রাম রাম, হরে হরে।" মী য়াম্বগী খোঞ্জেল ওইনা তাখি অতুবু য়েংথোকখিবদদি মখোয় মঙাদগী হেল্লমদে, নাম শোল্লম্বা পার্টিতু। পুং যৈবা অমা, কোর্তান পায়বা অমা, ঈশৈ হনবা ওঝা অতুগা ওঝ তুগী মায মপাদা লাউদ স্পিকরগী স্পিকর পাযবা চেলা অমা, ফিরাল পাযবী নুপী অমা, মীবৈবাক্তগী থাজিল্লকপা কাংবুনি হায়। নহা মচাশিং ঙাক্তনি, মক শিৎ শিৎ নান্না কোক্লে, য়াইংং শংবা ফিনা যিজোন্নৈ, নুপীমচাতুনা শেৎলি অঙৌবা শাডী। লম্বীগী নাকয়েক্তা লেপ্পুনা যেংনৈ, য়েংলগা নোক্লে, কনানা মপি তৈথোক্লবসু য়াওই। মখোয়তু উরগা ঐগী মরুপ নহা ওইনা লম্বোইখিবা, কৃষ্ণদাস বাবাজী নীংশিংলকই। মহাক্না হায়খি নোংমা নোক্লুনা, "খিত্তমঙাইরে লম্বোই-বগা লম্বোইবীগা লুহোংলগদৌবা!"

মরকসিদা তারকই য়াংনা থোরকপা মোটোর সাইকলগী মখোল কৈথেল্লোমদগী, পাইতুনা থোরকপা জাৎনি, মী অনী তোঙ্গদৌবদা অতুম তোংই, কোক্তা লুহুপ, মায়দা অপাকপা আনোক্তা কোন্নবা কোকথোন, মী পুন্নমক ব্রা ব্রা চাইথোক্লে। থৌখিবশিং নোক নোক্লুনা থৌখি। মখোয়না থৌখিবদা শোক্কনি থৈদোকচরকপা, একাগাড়ী অঙাংবী তোংবী

মুপীমচা অমগী একাগাড়ীছুনা হমুবী অমা থেঙজিল্লি, চৎলম্বশিংনা য়োমশিনখি। লাউনৈ, চৈনৈ, মানা চুমই, মানা লাল্লি। পাখং মচা মশমশাংবা অমনা একাগাড়ীছু ইরেন ইম্হোকপীরগা থিন্দোকপীখি মুপীমচাছু।

ঐসু কাংজৈবুংদগী সভা মচা মচাশিং ফল্লিবা অ'দামদা চঙসিরা খন্দুনা চাগী পৈশা পীথোক্লমগে ফুরিৎখাউ হুমজিল্লি, শিকি অমতং য়াওখিবনি। শিকি নৎলমদ্রে পৈশা মঙাচৎপী ওইরম'ল। শ্বাই লাওই, মপুমসু য়াওদে। হৌগৎলম্বদগী খংফম ফমথৈ; মুতিগীদি মপুম থাদরগা ওইজবা তানবসু য়াওখি· ঙসিদি কমদৌবা! মীনা য়াম্না ফল্লিবা! পাছুনা লোইশ্নবা খবরশিং অমুক খোমজিল্লে। কমদৌনি পীদবদি য়ারোই। খবরদা য়াওবসু নত্তবা, ইবসু নত্তবা, থৌদোক অমা পাবদৌনা উরকই, অছুঙৈ হৌজিক্কীনা মণিপুর ষ্টেট রোড ট্রান্সপোর্ট কোরপোরেসনসিগী মনাক্কী হো:টেল অমদা থোবখিবা রাথোক, হোটেল মপু ঐজ্ঞামচানা শীংঙাইবাক অমা চিঙ, হোটেলতুদা চাক চাবা মুপা অমদা তৌখিবা কুশ্মৈছু! মানা হায়খি —

"অয়ুক্কী খুলামখাম মতমসিদা ইয়াদা চাগদৌবা ঙা-ফাউ হাপ্তনা নথিবোং পিক থল্লা চাথোক্লগা পৈশা য়াওজদ্রে হায়বা! নথম্বায়ছু হেক লৌরগা লোইরে!"

ঐজ্ঞাছুগী মাঙ্ম থোকই হায়, অহল অমনা খামখি, "হাই হাই চাউবা, ঙাইখো ঙাইখো নংগী শীংঙাইবাক্কুনা থারবদি শিনিহাই! চাক চাকলুক অমগী মী হাৎলে হায়নি। ইকুইম্মাক ভৌঙম্বা তানি, বামোন মীহাৎপা হায়নি। নংসু নতু থিবা খঙলোই!"

মুপাছুদা ওনশিল্লগা হায়খি ঐজ্ঞানা, "হাই মুপা, খুদৈ পীগে নফি হোংউ। ঙসিদি নং নথিবোং লাউবগী নফি মুনবা তারে।"

দণ্ডবৎ শাংনা তাখি মুপাছু, "ননাই ঐ ফি মুনবা করিসু হায়জদে। ফৈজোম অসিসু শেগায়বনি, ফুরিৎসু য়াওজদে।" হায়রম্লগা মানা ইল্লিবা ঙবোং শেগায়বা খরেক থাংবছু নীংথিনা লৌথোক্লগা, ঐজ্ঞানা

পীবা খুদৈহু, তপ্পা, মোং হাদনা হোংদোকই। চাবখুমগী ঐজ্ঞা মচাহু শীংঙাইবাক্তু থম্লগা ইশি শিনা নোকখি। অমরে মদনা ঐজ্ঞা অহন্দু শাওরমদবদগী শাওরকখি,

"নংগী ভবোং, ফৈজোম 'সিদগীদি ঐগী খুদৈসিনা হেন্না মমল য়াগই। 'সিনা দক্ষিণা ওইগে সিনিনে। হাই চাউবা, নুপাসি চিংশিল্লু, ঐ শী জং লোকুগে যুমদগী!"

মহু হেক তাবদা নুপাহু ও-থোংনা কপ ঐজ্ঞাদা খুকমখি,

"ননাই ঐ লুখ্রাবী মচানি, যুম পাঞ্জদ্রি কুপা তৌবীযু; ইমাগী সেবাতদি ফংহনবীযু।"

ঐজ্ঞামচানা চিংশিনখি নুপাহু হোটেল মনুংদা। কুম্মৈ য়েংবা মী মশীং খংহেন হেঙ্গৎখি। কুইদে এজ্ঞা অহন শাংজং পায়তুনা লাকলে, মযাম মমাংদা পোপ থাদরগা য়েনখাদগী শীংঙাইবাক হোন্দোকলুরে। মায়ামহু শ্বর হন্দোবনৈ।

"চাউবা! নুপাহু থাদোববউ।"

শীং খায়হৌই নুপাহু মপুক ইকং কংনা। —ঐ হায়ফেৎ জ্ঞান মাংই নীংশিংলুবদা।

"কবিনো পাবারিবহুরু, কবি অকবা য়াওরবগে মীনা কৌবকা তাদ্রবসিবু?"

হায়রগা, ঐগী মাংদগী থবহু পায়বকপদা খংপ্রেক খংনা য়েংখৎনুই। ঐগী মকপ, মকম হায়ফেৎ চাউনা নাইজরিবা অমা নোপলমলে। ফম্লহদগী ঐ হৌগৎলে, "কবিহ থোইদোকপা য়াওদে, অহুম য়েংজরম্বনি।" "শাইহাক ফমবিস", হায়রগা চওলক্লুনা ফমই ঐগী নাক্তা অহুগা তনকৌ কৌই চা অনী।

"ঐদি হৌজিক্তা থকচবম্লি।"

"ঐদি মরিরক শুগ দারিবনি। মতমসি চা থকমিন্নদ্রবদি নুংশিনবা মান্দে।"

—নোকমিন্নৈ। অমুক্তহু থক্লে চা। লৌইরবপদা লুগা মনা চংপী

অমা থাদরকলে।

"চা অহুমগী ককচৌ হায়ব্রা?" হংলকই মেনেজরনা।

"এঃ অমদি ঐগীনি।" ইকাইখাংদগী হায়রুই, পীগ্রনি খঙনা খঙনা।

"য়ারে অতুম ককপীরো! অতুগা ক্বা জর্দ্দা এক-শ-বিশ অনীদংগা তঙাং থারগা!"

শীং খায়গদ্রা কিরম্বনি ঐহাক তত্তুবু সঙ্গ ফবদগী হকচাং মাংবগীদি খংদ্রে, চা তনীরক থক্লে, ক্বা মতপ অমসু চারে, লাইবক্কী ব্বানি। ভোলীবোল ঙাইহাক য়েংঙসি চংমিল্লরক্লে ঐখোয় অনী। য়োংকী কোম্পোং লানশিল্লকপদা ঘট চেফু লাত্তুনা ধুপ থাউমৈ থাত্তুনা, তম্বুর মথাদা উপ্রাক্লা হিপ মখোয়গী দাবা ওকশিল্লিবশিং উরকই; খরা চঙশিল্লগা অতোপ্পা কাংবু অমগীসু ট্রাইক তৌরম্মী; অতুগীসু তম্বুরগী শঙ লৈরম্মী। নোক খেত্তুনা চৎপদা য়েংলকই ঐখোয়দা শাওরংননা, মায়োক্নবা কিত্তুনা ঐনা য়েংখৎলুই মিং থোনঙমদ্রবা য়ুম্বীদা, নাক্লা য়ুংলিবা। খল্লি, লাইরিক লাইসু অসুপ য়াম্লা হৈরবা মায়চৌশিং, তৌবা ঙম্বা মচিন তোংবা, ফয়াই ফানাইবনা লৈরিক লৈরাক থল্লবা, হৈর-তৈরবা নহারোল, মচিন মৈহৌরবশিং লৈনা লৈনা, পৈশা অসুপ চঙনা, মতম অসুপ মাঙনা, য়ুংখৎলবা য়ুম্বীরেন অসিবু মমিং থোনবা ঙমদ্রবকো! যুগ অসি অমদি তৌরমাল্লদা! চাউনা শাংনা হৌরবা য়ুম্বীগী মওং মতৌদু উরগা অসিমসু খল্লকই, য়ুম্বীসিগীনি কাংথোকখিবা পৈশাশিংতুবু লোইনমক শিজিন্নরমগদ্রা য়ুম্বীসিদা, অহৌবশিংগী নীংশিংনফম য়ুম্বীনি হাযবসিদা!

বাঝাই তম্মগা সিফাইশিং তম্বা লোইখ্রে। মনাক্লা থারম্বা গাড়ী অমদা কাখৎনখ্রে। ঐখোয়সু শমজিন্দুনা ভোলীবোলগী শান্নবুং য়োরে। মীনা চোম্না য়েংলমই শান্নবত্তু শগাইশিংভুদা। শান্নরিবা টীম অনীগী মীচং ওইরমাল্লে চংখিবগা খুনরকই খুবাক মাংকৈ অমদা, কাংবু অমনা নীংদোন পেম্বত্তু উই। কুইদে অতোপ্পত্তুনা অমক লাউ-খোংত্তুনা খুনরকপা খুবাক, অরাই অথুম্নি লোইররেহৌদোবা।

গুরে মফমতুদা লৈরম্বা মীগী জাত রাজনীতিবালা, ভোটকীদমক শান্নবা পাম্বা, শান্নবগীদমক শান্নবা, কুম্মৈগীদমক কুম্মৈ থিরকপা, গোলেরীদা ফম্নগা হাকাম লাউনা চন্দুনা মতম লেনবা কাংবু। ঙাইহাক্তুদা থেঙনৈ, ঐগী মরুপকা মাগী মরুপ অমগা; হংনৈ মখোয় অনী,

"অদোমগী টীম য়াওরিব্রা অসিবো ?"

"য়াওরি হোই, অতুগী লাকচরিবনি। কুমসিদি ঐনা তৌরুবা থবকসি চরক চহিং ইনাই নাই। ফনা কনবা টীমনি, হাকুম ত্রোক্কি ফংখিবনি অতুবু কূমসিদি পোগদৌরিমাল্লে।"

"ভোটকীরা তৌবীরিবসিবু, টিকেটপু ফংবীরব্রা ?"

টিকেটতি শেংতুনা লোগদৌরিবনি, পীদব-কা য়াপোৎ নত্তে। ইলেকসন কমিতিগী মেম্বর মরী মঙা ঐগীনি। মখোয়গী মশা মশাগীন্ত নত্তে, কনাগী মরীমতাগী ফাওবা য়াওলা চেনবদা মতম্না মাঙলিবা, শেন্না তিংলিবা ইকু হুরবনি ঐহাক, পৈশানকা হঞ্জিনবা য়াবপোৎ নত্রে।"

"হোইনে পৈশারোমদা ভেলুয়েসন তৌবা য়াদবা হায়বমা লৈরি।" ঐগী মরুপ্না হায়।

"মতুমক্কি বাবু। —টিকেটকা পীত্রবা মখোয় লোইরে!"

"অতুবুনে তৌদবা য়াদবা তঙাইফদবা হায়বসি থবক খুদিংমক লৈবনিকো বাবু! হায়নবদ্দাইনে লৈতবা অরাইবনি তঙাইফদবনা মরূনি। তঙাইফদবা অমগা কোক থেঙনরুরবদি বাবুগীতু অরাইবা ওইহৌনিকো। চেকশিনবীয় মতমসি ফত্রবনি।"

"অচুম্বনি বাবু চেকশিনদবদি ইয়া ময়াত্রবনিঃ চিন্না অমা খুৎনা অমা, যুগ অসিগী চৎনবীনি। খঙদে ঐগীসিবু হেকমক শোয়রবদি লুখ্রে তৌদৌসি।"

"টিকেট ফংত্রবদি লেপ্পবা তাইদনা ফন্নমক লেপনীংলবসু।"

"এঃ কৈদগী বাবু, লেপ্পবা সুপয়া য়াদবনি। হৌজিক মরক নব্বাগী রাজনীতি তৌবা য়ুম্ফম বন্ধান চৎনবনি। হায়নত্রনে 'হুহুনা

হুৰবদি লৈমা হু।' ভোট্রা কারকপা হায়বসি লৈমা হুবনিনে বাবু, মহুৎ মাঙত্রবা।"

হুইসেন শাংনা খোংলকই রেফ্রীনা। কনানো অমনা লাউরকই, "করিনোনে শ্যাম বাবু অপাংশিংগী অফ-ফত্ত য়েংবীগনি লাক্লগা!"

"কৈদৌরবগে বাবু?"

"রেফ্রীনা তৌনিংবতা পংতৌ তৌবসিবু উবীদ্রবরা?" মখোয়-রোমগীনা ফাওলীংস্থ খোংদে। মখোয়গীনা হেক য়াবা, ঐখোয়গীনা খোঙ খিত্তং হেঙ্গিনবগীস্থ মখোংবা! শ্যামবাবু য়াওরি হায়তুনা লাক্লগা করিনো রারী শুবা লাকপীরিব্রা?"

ঐদি রারী তাবনি অতুমকপু এস্থ ইকাই, ঐগী মরুপ্তুদি শোয়দনমক ইকাইভম থোকই। শ্যামবাবু করিমত্তা হায়রমদনা ইফিং ফিংনা চঙশিনখি শান্নবুং অদোমদা, মমৈ মকোক অমত্তা খদেনা রেফ্রীদা ওনশিন্দুনা হায়রকই,

"করিনো বাবু মীচঙ পংচঙ চংবীগনুদা!" মাগী রা থওইনা তাঁদে। শান্নরিবা অতুদা মুন্না য়েংতুনা অতুম মরৈ রেফ্রী সাহেব। বোলতু ফুরকপদা হেন্দোকখিতুনা ভাবুকশিংগী মকোক লান্দুনা পাই-থোকখি; লাইনমেনশিং চেন্নৈ বোলতু লৌরুগদবগী। মতমতু মুনিৎ তাশিল্লক্রে; অতোপ্পা বোল অমা লানশিল্লকই লাইনমেন অমনা, শান্নরোই অমনা ভাপ ওক্লগা বোলতু মেৎলি অতুগা লাক্লনা লংথোক-লকই। অমনা ওকই মপান্দগী "করি তৌরবগে", লাউনরকই।

"অসিগুম্বা নুংশিৎ হামচৎনবা বোন্না ভোলী শান্নবা হৌন্দে।"

গোলরীদগী অমনা লাউরকই,

"মহৈদি হৈজত্রগা বোলদা তাইনরে, বোলদা তাইনরে।"

মাযোক্লনা ফমলিবা ভাবুকশিং অদোমদগী অমুক ওক্লকই,

"বোল অকাম্বীনা শান্নো হাই নখোয়দি!"

হায়রগা থুবাক প্রোক প্রোক খুজিল্লকই। লাউনরিংৈ হুজিল্লকই দ্রোপ ফুবদা পাইথোকখিবা বোল। শান্নরোই অমনা তাপ ওক্লগা

মেত্তুনা য়েংই। অতুমত্তু মুংশিৎ তারয়ে। শান্নবা য়ানিগা-য়ারোইগা ঙাংনরিঙৈদা নুমিৎ লৈথরবলে; রেফ্রীনা হুইসেন শাংনা খোংই অতুগা লাউথোকই, "হুয়েং মুংখিল অমুক মথা শান্নগনি, টিমশিং টিম অনি।" ময়াম পুম্নমক তুমিন-তুমিন লৈনৈ, অতুবু শান্নরোইশিংদি পেন্নদবগুম তৌই। শান্নরোই অমদি মখোংদা তোংবা খোংউপতু লৌথোক্লগা য়াম্না শাওনা লৈপাক্তা ফুজিল্লি, "অসিগুম্বা খুৎশান্ন, অসিগুম্বা রেফ্রী, অসিগুম্বা গ্রাউণ্ড! ভোলী বোলবু লন্মাংদা, ঐনা য়াওজরোই হায়বতুনি!"

মাগী মীচং টিম ওইরমাল্লে শ্যামবাবুনা খামই, "চুম্মিনে ইনাওনা হায়বা, অসি য়ৌনা চাউখৎনরবা মতম অসিদা লন্মাংদা শান্নরি তেনিকোট, তেনিস, ভোলী বোল, বাসকেট বোল। অসাইনা চথবা য়ারবনি ষ্টেডিয়মদা ওইরবদি! মণিপুরগী নহারোল শান্নরোইশিং, মতীক চারবা ঙাক্তনি, নেসনেল লেবেলদা পুথোকপদা য়ারবনি, অতুবু করম্বা সরকারনো ষ্টেডিয়ম অমত্তবু ফজনা শাবীদ্রি! শাওনু ইবুংঙো, ইয়াম্বনা লাইবক ফত্তুনা কারবদিনে—"

"উম, কারবদিনে কৌবতদি কৌবীয়ু উন্নরগা ঐখোয়বু" অমনা তাপ ওকলকই।

ঝা লাউনা নোকই ময়ামত্তু। শ্যামবাবু ঐখোয়গী মাংদা ইকাইরপ তৌনা উই; ঐখোয়গুম্বা ওইরবদি মহাক ফনা য়াম্না হনখিবা য়ারম্মী অতুবু মহাক অতুগুম্বা মীতা নৎলমদ্রে। ওনশিন্দুনা খুমই, "ইনাওশা, মী খুদিংমক মীমান্নদে। উ খুদিংমক শীং ওইনদে। ঐদি হৌদোং লম্বোইবমকসু নত্তে। নখোয়না হেন্না খঙলিবতুনি, ওঝা শ্যামদি নহারোলগী য়াইফবদা লুপচবা, নহারোলগীনিদবু হায়রবদি চরা হেনবগী ঝাবা খঙদ্রবা, নখোয়না চারে চারবা, নখোয়না থকলে থক্লবা, শ্যামদি মরন্নাই থিবা হৈজদ্রবা, লৈজবা পুথোক্তুনা নখোয়গীদমক ঝাজরক্লবা মীশক অমনি।"
ষ্ট্রিট কোরণরগী মিটিং অমদা ঙাংবঁদৌনা ওঝা শ্যাম মরীক চুন্না ঙাংহৌই অতুবু মাগী মীচংনি হায়বা টিমগী মেম্বরশিং ফাওবা মথং মথং চৎনখি। থরায় য়াওনা তাহৌরিবা হায়ববু ঐগা ঐগী মরুপকা ঐখোয় অনিদা

ডাইহৌরে।

ওঝা শ্যান্না রা ংংবা লোইরকপগা মুমিৎ তাখিবগা চপ চান্নরে। ওঝাগা য়ান্না নক্কবা ওইরমাল্লে মখোয় অমা-অনীদং নত্তনা কনা খোই-দোকপা লৈরমদ্রে।

ঐঙী মরুপকা ঐহাক্কা ঐখোয় অনীদা ওনশিন্দুনা, "নমস্তে! হন্দকী ভোট অসিদা অমুক্তং কাজরক্কে, মরুপ মপাং খ্বায়গী সেবা তৌবা ওমজগে", হায়রম্‌গা চৎখি; ঐখোয়সু লমজাউরোমদা খোক্লক্লে। অসুম লাকপদা অসাই হঙ্গর ষ্ট্রাইক তৌহৌবা কাংবু অদোমদা অসুম য়েংথোক্লবদা ষ্ট্রাইকরশিংনা চক্ক রাইক্ক খরা খরা চাইথোক্লগা কম্বল অমমম ইল্লহুনা উপ্রাক্লা হিপ অরাবা খাংনা লৈরহু উই।

মীতনা ক্রক্ ক্রক্ ইন্নথবা, নোংপোক-নোংচুপ প্যাংনা চৎলিবা লমজাউ, রিক্সো, একাগাড়ী, জিপ, কার, স্কুটর, লুনা মালগাড়ী, ত্রক্ মরক অসিদা ককচীং-শুগ্র গাড়ী থাভমদগী তাহৈদনা য়াক্কবা হোর্ন মখোনগা লোয়ননা য়ুমজাউ য়ুমজাউমুক চাউরবা বস গাড়ীনা মিক্রুপ নাহুম খংদনা থৌদোক্লক্লিবা, অঙকপা মখলগী কুম্মৈ অমনি, চাউখৎলক্লিবা সহরগী অকিবা ফংলবা চাউখৎ শক্তমনি। মাংদা লৈরিবা সিনেমা হোলদা লাউ খোংনা শবলি নোংচুপলোমগী জাজগী অঙকপা ফংলবা তানচপকী ইশৈ। অরাক্নদা য়োগদৌবা মীয়াই চল্লবী মুপী অনীখক্লা চেনখৎথবা বসগাড়ীগী মতুংদা, 'হো অমুক্তা য়াওখিগে অমুক্তা খাম্বীখো", হায়না লাউরহুনা তান্নরক্লি। মখোয় অনীসু লম-জাউ সড়ক্কু লাম্হোকদৌবগী গাড়ী, মী, রিক্সো, লৎপা ডাইহুনা লেপ্পি। মীৎ খজিত্তং লনবদা খুদোংথীবা থোকপা য়াবা চাউখৎ লম্বীগী চিদাই-দনি লেপ্লিবহু।

উর্চিন-নাচিন্না লাম্হোক্লক্লে লম্বীগী বাংমা। মমাং থানা চখৎলে, মুংশিং-মুংশা অশেংবা ফংগত্রা হায়বা শায়হুনা। মরিশুবা অসাম রাইফল্‌স, মৈত্রবাকী মুৎলরোইদৌবা কংলা, মাং ওইনৈ, মতুংগী মমাংদা খা-কাং চৎলিবা লম্বীগী মনীং পাংবদা, অমীরক্কা দলাল ওইখিবা, হৌজিক

ফাওবদসু মিংকোক নিংকোক তুজুং মাঙ্গুংনরিবা, মহাত্মা গান্ধী মেমো-রিয়েল হোল ওই-ওইননা থনম্নগা অৱাং পাংনা, বিধান সভাগী লাকওম ফাংমদনা চাউরবা মগুণবু পিকতক চেংতক শক্তমনবা, শওফম তম্না লম্বীবোমদা চংথংলকই। মীনা চিংনা চাইনবা য়ারমদে। বস গাড়ী, মিনি বসনা খুরক হাংদনা থারমলি, তোংগদবা মীনা ককচেং খোয়া ইনবদৌগুম ইম্নরমলি। চংলি ঐখোয় অনীসু গাড়ী ভাইনরম্নিবা মীয়ামতুগী মরক থায় থারক্তুনা, লাইরেন মথেক শানা। য়েংখিবদা মুপাদগী মুপীনা, মুপী মরক্তসু লৈশাবী মচাশিংনা ফনেক খোইদোম শেং, হকচাং নপ্পা ফুরিং-ফিরোলতনা ফিজেৎনরিবীশিংনা হেন্না য়াম্না উই। পুল্লপ পুল্লপ লেপ ল্লারী শুনবসু বয়ানি, খুঙ্গং খুনয়াগী নুপীমচাশিং ওম্না থোক্লরবগুম উরি।

বিধান সভাগী হাইজিনকম লমজং য়োরমদাই অতুবাইদা মিলিটরী ত্রক গাড়ী অমা লম্বীদগী ফৈনা থৌদোকখিবগুম তৌখি; পোক লাউবা মখোল অমা তাই; য়েংথোকখিবদা শন লাবা অচৌবা অমা লমজাউদা ফৈনা তাবা উই, গাড়ীনা ইম্ফাল সহর ফজহল্লি হায়না থাজনরিবা কংলা পার্ক-কী মী চগুদনবা থারিবা য়োংকী শম্বল ময়াদা।

মী পুন্নমক চপ চপ লেপ্লে, ঐখোয়সু লেপ্লি। করিনো হায়না লাউনৈ।

ঐনা খুমই, "একসিডেন্ট, শন অমা তক্লে। মিলিটরীগী গাড়ী মাল্লি।"

অহল নহা থাক্তনা ফুজিন্নৈ, একসিডেট থোকলিবা অদোমদা। ছংনা শাবা মীদোনা লেপহৌই ঐখোয় অনী। ইনক-নকপদগী লাউরকই, "ড্রাইভর হাংলু, গাড়ী মৈ থাউ!" হাংলু তুম্ন মক্তা মগাই লাউন-রিবছু। তান চান্নরুতুনা সহরগী ভাক-শেন্নবগী কোয়না চংপা পুলিস পেট্রোলিং পার্টিগী গাড়ী অমা থৌজিল্লকই, খরা লাপ্তক থারগা হুইসেন খোংলতুনা চেনশিল্লি, খৎন-চৈনবা খোকহন্দনবা লাকশিনগে হায়বগুম। পুলিসকী মীওইশিংনা চেনশিনখিবগা শন তকলম্বা গাড়ীনা মমায় অরাং ওম্না থৌদোক্তুনা চেনখিবগা তান চানৈ। শাওনরবা মীয়ামতুনা করিসু

নত্তবদা পুলিসশিংদা চৈ থাংলকই। মিকুপ খরগী মনুংদা মথোং মরম খঙনদনা লাউনবগা চৈনবগা হুইসেনগী মখোলগনা চরাংনৈ। কনামত্তা গাড়ীনা শোকলবা শন অতুগী করিস্তু তৌনরমদে। ঐখোয় অনীস্তু মায় ওন্দুনা হল্লকই।

সিনেমা হোলদা খোং-লাউদুনা শবলমবা ইশৈ চেপ্লমলে, থাউমৈ মল্লয়ে, হোল মমাংগী দোকানশিং থোঙ লোন্নরমলে। সি, আর, পিগী গাড়ীনা তক্লুনা মী মরী মঙা শিংহৌরে রা লাউনরমই, মী চেন্নরমই। ঐখোয়না শন শোকপনি মী নত্তে ফনা খামজে, অঙাওবা তাই। অদুবু কৈথেল ময়াই য়ৌরবপা অদুবাইদদি থা থংবা দোকান মমাং পরেংদা মনা মশীং য়োল্লিবীশিং য়াম্না পুক্লিং লৈতানা ফম্নরমলি।

মফমসিদা ঐগী মরুপকা ঐগা কায়নৈ য়ুমদা হল্লরসি হায়নদুনা। থোং নম্বোনবী হাইগৎলক্লুনা রাহেংবম লৈকাই গাড়ী থাভম য়ৌরকপদা মিনি বস গাড়ীশিংদা শুম্নমলিবা মীয়াম, গাড়ীনা অরাং পাংনা থোংগৎলে মীস্তু অরাং পাংনা চেনখৎপা, খা পাংনা থৌথরে মীস্তু খা পাংনা চেম্বা, মীনা মপোৎ, ফারবা ফম্ফম লেপফম লৈত্রবা গাড়ীদা 'ঐস্তু ঐস্তু' তাম্নরম্বা থেঙনৈ। কর্ফ্যু, ডিষ্ট্রিক্ট এরিয়াগী অথনবা, ভাবশীবা রারবা আইনগী, কর্ফ্যুগী পুংফম তাশিল্লকপননি।

অনী

কর্ফ্যু !

অকক্লবা পুংফম হেন্দোকখ্রে। ঐগাক খোঙকাপ লাউনা থাংহনা চখৎলি ! তাঞ্জাসিমক্তদা তুংদগী কনা কনানো তানখৎলকই খ্বর যুইনা। যেংথোকখিবদা কোক্তা কোকথোং পুবী অমগা পুদবী অমগা অনী চেন-খৎলকপত্থু উই। কোকথোং পুবীহনা হংলকই,

"তাদা, পুংসিবু কয়াম তাগ্রবগে ?"

"ইবেম্মা, পুংদি ওল্লি অত্থবু মতমদি হেল্লে, চখোক চৎশিন য়াররোই।"

"গাড়ীসু তোংবা ফংহৌদ্রে ; কমদৌনিসিদি !"

"কদাই য়োগদৌবা ?"

"মৈত্রম !"

"অত্থদি করম চৎকনি ?"

হায়নরিউঁমক্তদা অরাপ্পদগী হুরাগাড়ীগী মৈঙান উরকই।

"লাকয়েহাই ইবেম্মহোই !"

ঐনা মাং থাহনা মাংদা উরিবা লৈরক্ক অদোমদা চেনশিল্লি, কোম্থোং অমদা লৈশিনম্নিল্লে। হায়গুম্মহনা থোগৎলকপা গাড়ীত্থু লৈরক মচিন্দুদা খামলে ; গাড়ীদগী চোংথরগা লাউনবত্থু তাই। লৈরক মক্থুং অদোমদা থাউমৈ কাপশিল্লকই, ঐখোয়বু থিরকপদৌনা। কোকথোং পুদবী হুপীহনা অপুবীহুদা, অত্থগা মখোয় অনীমক্তা ঐঙোন্দা নপশিল্লকই ; মখোয়দা হুল্লিবা মিহুন্দু ইশাদা হুনবদৌনা ফাঙরকই।

"কমনো তাদা ?"

"রা ভাংগনু, য়েংখিসি ! য়াদ য়াদ্রগা য়ুমসিদা চঙবা হায়বদু মঙাইরে। ঐগী মরুপ তামগীনি।"

হায়নরিঙৈ চঙশিল্লকই সিফাইশিং লমজঙ অদোমদা। পনবা য়াদ্রদুনা ঐখোয় অহুম্মক কোম্থোং মনাক্কী য়ুম অদোমদা চংশিনামম্নরে, য়ুমগী দারী কাখৎলে। দারী কাখৎপদা কোকথোং পুদবীদু দারীদা তুশিল্লি। ইমুংদগী হংলকই, "কনানো ?"

হংলল্লিবদু কনাসু নত্তে সুকুমারনি, ঐগা লাইরিক তম্মিন্নখিবা। কায়নখিবদি কুইখ্রে, থবক শিনফম তিন্নখিদবদগী, অদুবু মতম অমদা য়াম্না চান্ন-চিন্ননা তিন্নখিবা, হৌজিকসু থৌদোক-থাথোক্লা অহুম্মক তাক্লরিবা মরুপ্নি। অদুগী মথক্তা চিরবা মতমসিদদি মাগী মতেং লৌদবসু য়াদ্রবনি। অদুনা চঙশিল্লি য়ুমসিদা মখা অমুক তারুদনা। য়ুমগী থোঙজাউদু ইল্লুবদা মথন্তা হাংদোবরেকই। হেক হাংদোক্লকপগা সুপী অনীমক ইমুংদুদা চেনশিনখ্রে। কোকথোং পুবী সুপীদুনা মাগী পোৎয়োমদু লময়াইদা পোপ থাদে অদুগা তৌভম খংদনা লেপ্পি। সুকুমার ইঙক ৬ক্লা য়েংই অদুগা সুপীদুদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "হৈমা ইতৈমা ! ইতৈমা লৈয়োন নত্রা়ন ?" সুপীদুনা মথোং মরম খঙদনা লেপ্লম্বদগী হায়ফেৎ লুরুক্লগা থুমই, "মানি, ইতৈমনি।"

"কদাই চৎলুবা ?"

"লম্লোনবনি হায়দুনা হোৎনরি ইতৈমা ; কৈথেল্দগীনি।"

লৈরক্কা হেক্তা তাইননা লৈবা য়ুমনি ; লৈরক্তা সিফাইশিংনা গপ গপ চৎপদু ইমুংদা চঙলকপদৌনা তাই। ঐনা রা মখা তানদনবা ইঙ্গিত তৌই। তুমিন লৈনৈ ; মখোয়সু তারমগনি লৈরক্তা চৎলিবদু। খরা লাপথোকএবদা সুকুমারনা ঐঙোন্দা ওনশিল্লকই,

"কদোমদগীনো ভৌরকলিবসিবো ?"

"ঐসু বাজারদগীনি। কর্ফ্যু মতম হেন্দোকখিদুনা চেল্লকপদগী থেঙনরবনি। —ইবেম্মা নমা নচারা ?"

নুপীদু লকক তৌই, "ইনাওনি তাদা, য়ুমদা নুপামচা ঙাক্তা ঙাইবদুদা মতোমদা হুন্দোবপীরম্মগনি হায়দুনা পুজরকপনি। ঐগীসু ইতেং পাংহনগে হায়দুনা।"

সুকুমারগা থেংনবদগী নুপীদু তুফক তৃফাই ইচন চন্না উই। নহা ওইরিবী নুপীমচাদুনা হায়রকই, "মীনা অসাই দোকান্দা লৈখ্রে। হাযবদু নহাক্না হেক য়াদে।" অমদুনা লাউহৎলি, "হাই মসিমা, মফম মরাংদি খঙদনা!"

"কদাইদনোনে ইবেম্মা?" ঐনা হংই নহাদুদা।

"কদাইগীনোদা তাদা, অঙাংনিনা পংহায় হায়রিবা জাৎনি। মীনা ফাগী তৌদুনা হায়বদুদা মহাক্না ওইদা ওইরবোই নীংদুনা হায়রিবা জাৎনি। পোৎ-চৈ থমদোক-যমজিন তৌবা দোকানগী মপুদুনা ফাগী তৌদুনা হায়জবনি। লৈবা য়াবপোৎ নত্তেদো, অদুপ মুন্না খঙনবসু নত্তে। ঐখোযবু চৎপা সুপয়ামক য়াররোইদ্রা?"

"য়াররোই ইবেম্মা, ওন্থোক্না কনগ্রবা হুক্কুমনি। হৌজিক্কী গাড়ীদো উহৌরেদনা, অদুনি।"

"অদুদি কমদৌনি, য়ুমদসু চেং-চাক অমত্তা থনমদে। অঙাং অনীদুনা করম তৌরমগবা!"

নুপীদু ফমথে লময়াই অদুদা, নুপীমচা নহাদুনা য়াম্না মখোইদো শাওগৎনা লেপই। ঐনা হংই,

"নপা লৈহৌব্রনে ইবেম্মা?"

পাক খুম্নক্তে। সুকুমারনা মরক থওনা হায়রকই,

"ঙসিগীদি অদুম হোৎনরমগনিদা ইতৈমা, লৈকাই পাল্লিববু। চৎপদু য়ারগদি ঐখোয়নসু থিনবা য়াই। চৎপা য়াদবগী ৱানি। নোংমৈ পায়বা সিকাইনা উখোং খুদিং নায়েদুনা লৈরম্মদৌনি। ফাগে মনীং, পুনগে মথা, নোংমৈনা কাপ্পা য়াবগী হুক্কুমনিদনা, নুপীমচা অনগা য়াওশিল্লে, চৎপদা য়াম্না খুদোং থীনাংঙাইনি। ৱারবসু ৱানা খাঙবা হায়বদুনি।"

মখোয় অনীমক তৌভম খঙদনা লেপই। নুপীমচা হায়রিবদু

ঝাহেনি, মুপীমচা অপিশক নত্তে। অনীত্থগী মরক্তা মানা খরা নৌরি হায়বগী ঝানি। ঙনা উবদা খরা নৌবী মুপীত্থ মমায় মাযতা চুম্মি, রাশি লৈ, তিংদা য়াংদা, শাওং শাদা, মশাদা অমত্তা ঝাত্তে, য়ুমবাল্লবী মুপীগী মতম ফনা ইনখৎলকপমক নত্রবস্ত চহী মতাং নৌনা উরি। ইমুং অসিদনা অহল ওইরবী সুকুমারবু পোকপী ইমাগা, পাখংমক নত্রবগু য়ুম্বাল্লিবা সুকুমারগা মমা মচাতা মবৈ, মরেং মমান্নবী অমত্তসু লৈতে। মহে মহে অসুন্না চঙকনরিঙৈ সুকুমারহোইগী ইমানা ঐখোয়না ঙাংনবত্থ তাবদৌনা চাকশঙদগী হংলকই, "কনা কনানোনে ইচাশা, ঙাংনরিবত্থবু ?"

পাউখুম পীদ্রিঙৈ ইমা চঙলক্রে। ঐবু হেক উবদা ইঙক ঙক্লা হংলকই, "হৈমা ইবুংঙো, লাকথোক্তনা লাকইদা ইচাদে, কমদৌনা চঙৌরি ?"

মমায় মমিৎ ইখুম খুমজিন্দুনা লেপ্লিবী মুপীমচাত্থগা, মুপী মচেমত্থগা উরকপদা ঙকচাননা য়েংই,

"কনা কনাগো অঙাংশিং অসিনা ?"

"কৈথেল কুম্লকপদা থেঙদোকখিত্থনা চৎপা য়াদ্রত্থদা চঙলকপনিদা।" সুকুমারনা খুমই।

ঝাহংনা থল্লবা মিৎয়েং অমগা লোয়ননা ঐঙোন্দা য়েংলকই ইমানা, অত্থগা হায়রকই,

"অত্থদি কমদৌনি ? করি লম য়োগদৌবা ?"

"মৈত্রমদনি ইমা", খুমই মুপী অহন খরা ওইবীত্থনা।

"এঃ য়াম্না শাংইনা। হৌজিক্তি কদাইদগী চৎপা য়ারদগে ; ইমাগীসিদা লৈবা তারেদনা, হঙ্গোইরুমু ইচাসিদি। নগুং নমান্নবীদি লৈতে। ইচা নিংঙোল অমত্তং লৈজরম্বনি ইমাগীসু, অত্থবু ইগু মুপা অমত্তং থনম্নগা লাইনা লৌশিনবীগ্রে, মানা হনগদ্রা নহাক্না হনগদ্রা। করিসু হঙ্গোইরুমু ইমাগী ফম্মুংসিদা মুংঙাইনা পোখাসু ঙাই। হৈমা, ফিন্দাকা অমত্তা থাবীদ্রবরনে নখোয়বু, সে সে সিদা ফম্মু।"

ফক অমা চিংথোকপীরকই ইমানা।

"ইবুংঙো নংস্থ চৎপ্রন। ইমানা নংগা উন্নগে খল্লকপা কুইরবনি। সুকুমারগা অত্থম তুম্মো। নংনা নোংমতা ফাও লাক্তবা অত্থদা লাইনা রারকইবনি। ইমা নখোয়গী চাক থোংলুখিগে। ইবেম্মা নখোয়গী ফিরোল লৌথোকপীরুগে ইমা।"

"য়ানি ইমা, অস্থম শেংলবস্থ য়াই। অত্থগা চাক্তস্থ ঐগীদি হাপ্পীদ্রবস্থ য়ারে, চাক্কা করিমত্তা চানীংদ্রে। নংগীমচা অসিগী খিত্তং হাপ্পীযু, চেংস্থ য়াওজরি।"

মাগী কোকথোং পোত্তং থোক্কে লাবনৈ। ইমানা ইশি শিনা নোল্লতুনা হায়, "ঐগীদা লাক্লগবু চেং হাপকদৌরিবা। থমজিনজো, হুয়েংনে নয়ুমদা নমা নচা নহোয় চাজরু।"

ইমাদি থৌ-রা শাদনা চাকশঙলোমদা অত্থম চঙথ্রে। ঐখোয়দা থাইহৌরবদা নংগী খরা অহন ওইবীত্থ কাওরুবদৌনা মকোক মরু খুমজিনগদৌবগী লাকনৈ। ঐহাক মথোন্দা পুকনিং করিস্থ চঙলমদবনি; মাগী থৌদৌ মতাতুনা করিগীনো হায়বমা খন্দবা ংমলক্তে। তাল্লক অসিদা মাগী পোৎয়োমত্থ থোক্কে হোৎনৈ। পোৎয়োমত্থ হেক থোকলুবদা ক্যদামদগীনো খংহৌদে, খ্বায়গী মথক্তুদা লৈরম্রবা করিনো, খুম্নিং বাংবী থোংউপ অঙাংবা অনীখক পোপ তারকই লৈমায়থক্তুদা। মখোয় অনীনা খুনজিনগে লাক্লবদা থক্তোক্লক্তুনা নাম্মদি ঐগী থোঙ মনাক্তা ওনশিল্লকই। খংবোই করিবোই ঐনা তাপ পায়খত্তনা লানশিল্লি মখোয়দা। খোংউপ্তং য়োম্লবা হোৎনবদা অথুপ্পা থাংলৈনবা ফি অমস্থ পোৎয়োমদগী লীৎ-থোরকই। নহা ওইবীতুনা হায়রকই, "চেংদি বোড়া খাউ মচাত্থদা য়াওখিবনি।"

সুকুমারনা হায়, "ইতৈমা থেংত্থ থিরুরনং, অত্থম তৌরবদি ইমানা শাওরক্কনি!" তাঞ্জাসিমক্তদা ইমানা চাকশঙদগী কৌরকই সুপীশিংত্থবু। মখোয় অনী চাকশঙলোমদা চঙথ্রে, পোৎয়োমত্থ পায়দুনা; ঐগা সুকুমারগনা মাগী কারোমদা।

কাগী মম্লুং য়োরবদা সুকুমারনা হংলকই, "নংগা খঙনব্রা সুপীসিবো?"

"কদাইদগী খঙনগদগে নংগত্থুম ৱৌনবদাইনে। ইমাস্থু ঐবু চিংনবদৌনা তৌই, ওস্নোকপা থৌদৌ হায়বত্থুনি! নংদি খঙবা নত্রনে হুপী অসি?"

"খঙনৈ। ঐদি নংবু য়াম্না হঙ্গোইনা তৌবত্থুদা হান্না খঙনবোই নীংঙ্ৱনি। মাগী ৱাথোক অমা লৈখি। ঐদি মানা অস্থুম্না কৈথেলদা পোৎ-চৈকা য়োল্লমগনি হায়বসি থাজদবনি।"

"করি ৱাথোক্লো মত্থুম তাসি!"

"হেরা ফজবা নত্তেদো।"

"মত্থুনা হেন্না তানীংহল্লে।"

"তাদা মধু. ঐখোয়না নৱপী মাল্লি হায়নবত্থু খঙইদনা?"

"খঙই।"

"মানা অহানবা লৌরম্বী নৱপীত্থুনিনে অসে।"

"ঐদি অত্থুপ মুন্না খঙদে, হৌজিক্তি খায়নরব্রা?"

"উম খায়নরে।"

"কমদৌনা খায়নখ্রিবা, মানা য়ান্না পান্না লৌখিবনি হায়বদাইনে?"

"পাম্বা হায়ববু তাদা মধুনা চেল্লকপা মতমদা কয়ানো শাংনখিবা। মমা হনৱবীত্থুনা মরোল অমা, মচেম হল্লক্লুনা লৈবী অত্থুনা মরোল অমা, ৱারু নৱংজু থোক্লগবনি। বামোন অমদা চেল্লুই হায়, চেন্দে হায়, মখোয়গী শঙ্গৈ ঙাই অমত্তা চঙবীদত্থুনা লুহোংবদৱ কুম্মৈ অমা ওইগ্রবনি। সুপ্পগী ঐগা, বিশম্ভরগা, কোকঙাংগা ঐখোয় অত্থুম মরিদং য়াওরগা অদৱম হোংগ্রবনি। লুহোংগ্রবা মতুংদা অমুকস্থু বামোন অদৱ লাকই, লুমলমই কয়া অমস্থু থোক্লখ্রে। চেল্লৱবী নৱপী লুহোংবা করিস্থু কায়দে, নৱপা নৱপী য়ুম্বান্নবা লুহোংদ্রবস্থু পাম্নৈ, অদৱনা লুহোংবদৱ ফাওবদি ঐস্থু য়াওরমই; অদৱবু মতুং ৱাথোক অদৱদদি মুংঙাইতবমা ফাওই, মদৱস্থু উরুবা নত্তে, অদৱনা অদৱম মহিম্নৈ।"

"নংদি ৱারী ৱাথোঙ য়াম্না খঙলমল্লিনা!"

"মতুংদা মচান্নুপা অমা পোক্লে, খ্বায়না ঙাংনৈ মবুক্তা য়াওরকপনি।

কনাসু চওবীদ্রে ঐখোয়দি অদুম মচৎলি, থা শুদনা অঙাং উম্নবা কোকথোং অমনি। মুপাদনা য়ারি, মচানি হায়দনা। মতুং অমুক পোকপদদদি ঙাংনরন্বা পুম্নমক্ত তোক্লখ্রে, ষষ্ঠী পুজা চাউনা শোল্লে।"

"মীগী চিন্থোক হায়বদদা তারেদনা।"

"ঐখোয়সু অদুম খল্লমই। মীগী মীয়ানি হায়দনা থওইরমদে। ময়ুমদা তা-মধু কয়া লৈতে, চীং-মান্দা ঠিকানি হাযত্তুনা কোইচৎ মচৎলি। অঙাং অনীদ চাউরক্লদনা মহে মশীং তম্বা হৌরে। ঐঙোন্দা শিল্লৈ, প্রাইভেট ট্যুসন তৌবীয়ু হায়। ঐ মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎকদৌরি হায়দনা য়ারমদে। ঐনা পুশিন্দুনা বিশম্ভরবু ট্যুসন তৌহল্লি। বিশম্ভরনা ঐঙোন্দা মরক মরক্তা মহাক অঙাং লাইরিক তম্বীবসি তোক্লগে হায়। করিগনো হংবদা মুপামচা পাখং, মশক খংদবা অমা, য়াম্না তোইনা তোইনা লাকই; মীনসু পংঙাং ঙাংনৈ তমই। অদুদগী হেদোক্তুনা তা-মধুগী মমেদনসু অপাম্নবা থরসু হায়রবামাল্লে। নোংমা ঐখোয় অনী চৎলুবদা ইচেদনা মমিত্তা মপি হেক তাবমখৈ তমখি,

—"ইবুংঙো ঐখোয়গী নপাসে নপা নত্রে, নপীসিনবু হায়রবদি লোইরে। ঐখোয় য়ুমসি মৰুম্বীগী ঙাইনফম ওইরে। ইকাই হঙ্গোইদনা হায়রত্তুনা ইমা ইচা ঐখোয় লৈনা লৈনা ইমুংসিদা মী থম্লে। ঙসি থা মথায় অমরোমসি নত্তিগী ওইনা মুপা অমা নমিদাং অথেংবদা হেক হেক লাকই। উশিৎমন্ত্রে হায়দুনা ইমাগা ঐগনা নহান্দু থোঙ থিন্দুনা কৌথোকপদা অংাং লাইরিক তম্বীবা ওঝানি হায়রে। ঐখোয় খঙই অচুম্বত্তু, ইবুংঙোহোইবু নমিদাং অথেঙবদা লাকপ্রনে?"

"ঐখোয় অনীমক শ্বাই লাওরন্মী। বিশম্ভরত্তু শাওবনা মৈ হৌরম্মী। মহাক অঙাং লাইরিক তম্বীবত্তু ভোকলগে কম্না হায়রে অত্তুবু ইচেত্তুনা তামধু লাকপা ফাওবদদি তোকপীথিন খামলে, মানা তোকপ্রবদি ইমুংত্তু পুম্নাং মাঙবা তারে হায়রম্মী। চুমসু চুমই হায়রিবত্তু, মচেমত্তুনা ইনশিন্দুনা তৌবনি হায়গদৌরি। অত্তুগী মথক্তা তিম্নবনিনা তাদা মধুগী মায়সু য়েংদবা য়াদে হায়নরত্তুনা অত্তুম তম্বীরে! অত্তুগদি

নোংমা নীনি লৈরগা বিশম্ভরনা চৎখিবদা মুপা অমা অঙাংশিংডু লাইরিক তম্বীডুনা লৈরমলে, অদুগা নুপীসিনা তা-মধুনা থারকপা ওঝানি হায়ডুনা মাগী তলবসু পীখোরক্লে হায়রে।

"রা মখা অমুক তাম্নীংঙাই লৈত্রডুনা তোক্লে অঙাং লাইরিক তম্বীবডু, তা-মধু লাক্লগা করি হায়বগে ঙাইরসি হায়নরে। মতুং ফনা কুইরবা ফাওবা তা-মধুনা রা অমত্তো হায়রদে হায়না বিশম্ভরনা তমই। ঐখোয় অনীমক ইকাইরমই। নোংমদি তা-মধু লম্বীদা লাকপা উবদা রাডু হঙ্গে হায়ডুনা ঐহাক শেম-শারমই অডুবু করিগ'নো থংদে মহাক্লা ঐবু উরগা মমায় লৈথোক্লুনা চৎখি। ঐসু নুংঙাইত নুংঙাইতনা অডুম লৈহৌরে। করিগুম্বা তাঙ্গা চাবদা অমুক্তং শেংদোক্লগে খন্দুনা তাঙ্গাডু ঙাইরম্মী।

"পংকুই কুইদনা নোংমা ন্‌মিদাং অমা তা-মধ্‌গী মচেমগা মুপা অমগা বিশম্ভরগা লোয়ননা ঐখোয়গীদা লাকই। বিশম্ভরনা তমই, তামধ্‌গী ইতৈমদো থিবা খঙদ্রে হায়ডুনা ইচেহোয়না ঐখোয়দা হংলৈ; নঙোন্দা অমুক হংলুসি লাক্লিবনি।

"ইচেনা হায়, ইবুংঙো রারোগনু, হুই ঙাওরবদি হুইবু থিরকপা তাবনিনা, ইচেমহোই চেনবা য়াদ্রে। য়াম্না ইকাইনা লাবচরিধনি। মুপীডু মফম খঙদনা মাঙখ্রে। মপামদা হংলুরে তথি তথি হায়রক্লে। করিগুম্বা মাগী অনৌবা ওঝাডু মশক মশা খংব্রা হংজনীংডুনা তৌবনি। ইপবাত্র লৈরবদি মাগী শক্লি, পোকমিন্নরুরবনিনা হন্দোকপা য়াত্রডুনা লাক্লিবনি! মচাশিংনা মরোন অমা কপলিবা ওন্থোকপা থৌদৌনি!"

"ঐনা খুমথি, 'করিনো ইচে, মাগী ওঝাডুদি তা-মধ্‌না থারকপনি হায়বদাইনে। ঐখোয় য়াম্না ইকাইরিবনি যৌদৌসি। তা-মধ্‌ মশাদা হংবীয়ু। ঐখোয়দি কুইরেনা তোকপা, ঐখোয়বু য়ুমডুদা উঞ্চবরা হনদক মরকসিদা। অডুগুম্বা নাতৈ চাদবডু তৌবীয়ু। ইমাহোয় তারবদি য়াম্না শাওরক্লনি।"

ঐনা হংই, "অডুদি অডুম ফংনখিদ্রবরা?"

"মীবু হেক মাঙবা য়াত্রনে ?"

"অঙাংশিংত্থু তম্মীবা অনৌবা ওঝাগীদা লৈরমলে হায়নৈ।"

"বিষ্ণু বিষ্ণু! অত্থুম হিংনা চেল্লবা ?"

"উম, অত্থুম চেনমিন্নরবা জাতনি। মুমিৎ কয়ানি থিনরবা তুংদা মুপীত্থনা মাগী মরী মতা থোকপা অমগীদা চত্তবা য়াদবগী চৎলগা মাবু খুঙ্গোইনবীরে, অমুক হুজিল্লকপা হঙ্গোইরে হায়না পাউথোংলগা মাগী ওঝাত্থগা অত্থুম পান্নত্থনা লৈরবা ওইরমাল্লে। নোংমা তা-মধুনা বিশন্তরগীদা লাক্লগা শেংদোক্লে ; ঐবু ওম্থোক্লা ইকাইখ্রে হায়না হায়রমই ভয়ে। হৌজিক তা-মধু অতোপ্পা মুপী অমা লৌত্থনা লৈখ্রে। ঙসি নংনা পুরকপা অসিদা, মাগা উন্নবিবা অসিনা থৌদোক্তুগী মতুং অহানবনি।"

মাগী বারীত্থু লোইরকপদা ঐনা হায়, "অসাইগী খোংউপ খুন্নীং রাংবী, ফনেক ময়েক নাইবী অত্থুবু অনৌবা লৈরকপা ওইরিগদ্রা ?"

সুকুমারস্থু খংনীং নীংশিংলকপদৌনা হায়, "উম অসাইগীদো! হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে হায়বদা মকোক পায় হায়বত্থমকনি। কৈদৌবগী থোকলুরিবা পোৎয়োমনো খঙদে। অত্থগদি খোংউপ্পু লৌশিন্নবা লাক্লবদা উকাবী অহিংবা ফাবগা চপ মান্নখ্রে। হোয় থরায় হিংনবা হায়বত্থনি কনানা খঙনি!"

"মাবু হৌজিক মাগী ওঝা অনৌবত্থগা পান্নরিব্রা ?"

"কনানা খঙগনি। অত্থুংৈ থেঙনখিবা রারীবু হায়বনি, মাবু ঐনা শেন্নরুবস্থু নত্তনা।"

তাঞ্জাত্থদা ইমানা চাক চাররো কৌরকলক্ষ্মী। সুকুমারনা মাগী কাদা চারসি মহাক লৌরুগে হায়ত্থনা চৎখ্রে। ইথন্দা ঙাইহৌরবদা পুক্রিংদা সুকুমারনা লীখিবা রারীত্থু হন্না চেল্লকপগুম তৌরকই। থল্লি ঐনা, খুঙ্গংগী লাইর-চুদৎনবী, কনা লৈজদ্রবী মচিন মনাও, মুংশিৎ মায়রম থোকপদা তেরা মফোনগুম লাংদোন অমদগী লাংদোন অমদা পাইরিবী, চাদবনা য়াং পল্লবী, মবুক মবুক থম্নবা, হকচাং কুপ্পবা ফি ফংনবা,

পাইরিবীরা মখোয়সিবো, নত্রগা মশা মশাদা চুথ্রবা ওক্ত লীচত্রা হৈনথ্রবা জাতলা !

চাক্তাং ফিদাংবনা হায়নীংঙোই লৈরক্ত্রবা, মুপানা মুপীবু ইকাই খুম্নবগী চাং অসুপ য়াম্না হুম্বরক্লবা, অশোনবগী অৱাৎ-অপাগী, খুদোংচাবা অকনবশিংনা লৌনরকলবা যুগ, হিংলগা লোইরে খন্নরক্লবা মতম, ঐহাক ভাব তাবা ঙম্লক্তে। মখোয়গী মুংগু-মুংশিরমই তুক্ক তুকৎচরমই, ইশাবুমু হুঙ্গোইজরমই। ঐ ইশাসু সমাজ অসিগী মীশক অমনি হায়দবা য়ারোই। কয়াদা লুথ্রবা !

সুকুমারনা চাক থাংলক্লুনা ঐখোয় অনী চাক চাম্নিরে ৱা মখা অমুক পুথোক্লরুদ্রে ।

অষ্টম

ঐগা সুকুমারগা চুরুট অমমম মেখতুনা চাকচা তোকপগী পোম্বা-ম্রিঙৈ ইমানা ইফিং ফিংনা হায়রে,

“ইবুংঙো নংগী মমাংলোম্নগী মাশ্না কনানো অমনা কোন তৌরকই হায়তুনা কৌরকইনে নংবো !”

সুকুমার তফিং তফিং চৎখি ।

লময়াইদা চাইরিবা লুখাক্লু উরগা ইমানা চঙশিন্দুনা লোইশিনগ-দৌবগী হোৎনৈ। ঐহাক থঙনীং নীংশিংলকই, অসিগুম্বা য়েংহৈদবা থৌদৌ অসিগীদমক ঐনা সুকুমারদা কয়ারক হায়থ্রবনি। মহু তকশিম্নবগী তাঙ্গা অমা লাইনা তম্নরবানি খল্লমী ।

ইমাদা ঐনা হায়, "মাবু শেংহল্লু করিগী ইমানা লুখাক শেংগ-দৌরিবনো, ইমাগী সেবা তৌনবা ময়ুম পাল্লু হায়বদি য়াদ্রগা ?" ইমানা নোক্লুনা খুমই,

"হা ইবুংঙো মাগী অনীংবমা লৈরি হায়নে ! মানা ঐবু মোইথেম তৌরি। ঐনা খিৎং হেক ঙাংলুবদা মানা চাক থোংগনি, এঙ্গাং শেমগনি, লুখাক শেংগনি, বোন ফেংগনি, ঐগী খোঙ হামগনি। ইমাদো তৌভম খঙদ্রবনি ! নংগী নমংদা লুখাক শেংই হায়দুনা ঐঙোন্দা হৌজিক শাওরদৌনি। ইমাদিনে বা-রবনি, মতোমদনিদো ইমাগী হায়ববু। নংস্থনে চিনথ্রমাল্লে, খক লাকখিদ্রে।"

"রারৌবীমু ইমা ঐসে মী ওইদ্রবনি। অয়ুক্কী অমুক মুমিদাংগী অমুক হুক্লবা হোৎনবদা কনাগী মবপ মপাং, ইমা ইচা, ঙম্না কাওথ্রবনি। মাগী ঐনা খঙবমা লৈ। ঐ রা অমা হায়জগে, ইমাননে শাওদুনা মুমিৎ মরিনি মঙানিদং চরা হেনবা ঙম্মবা শোয়রোই মা নম্পী থিগনি।"

"অওইব্রনে নংনা হায়রিবসিবো ? মঙানিদা নক্তেনহাই অঙাওবা চহী অমা হেন্দোক্কেনে ইমা !"

"এঃ শোয়দ্রে অদুদি, মাননে ইমাবু নীংবসে হায়নীংঙাই লৈতবনি।"

"তৌবগীদি ঐখোয়নস্থু লানথ্রবরা খঙদে। নংগী খুরাইবুংঙোনা ইচা মতোমতনি শোয়বা য়াবপোৎ নত্তে হায়দুনা মাগা চাক চারুক অমত্তদা চামিন্নবা মরুপ অদুগা কদাইদগীনো অঙাংপিশক ওইরিঙৈদগী মচানুপী অদু ইমৌ ওইনি হায়দুনা কোক য়ানথোক্লে। অঙাংশিং শক খঙনহল্লিবনি হায়দুনা পিশক পিক্লিঙৈদগী তিন্নতোৎনহল্লে। ফাগি ফাগি-দগী মখোয় অনীস্থু নকশিন্নরে। মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎপা হাক্তক্তা মুপীমচাদুগী মপানা মাস্থ শেল থুম পাংগনি হায়দুনা পোইলা তারিখ ভাইঙমদনা থাগদবা পৈশা থিল্লকই। য়ুমদা লৈরমদে হায়বা মঙাই ইচাদা ইচা, ইমৌদা ইমৌদোগুম খল্লে ঐখোয়নস্থু। ওস্তোকপা হায়বদুনি মীওই পোক্কী পুন্সিদা অসিমা মওইরে লেপ্পা ঙমদে। খঙদ্রে হাক্তক অসিদগীরা

মানা ময়ুম পাল্লু হায়বা য়াখিদ্রিবসি!"

সুকুমার লাকপা তাবদা ইমা মখা শমথরকখিদে। মহাক কা মনুং য়ৌশিল্লক্লে। ঐখোয়না চাক চাখিবগী ইচাই চাইন লৈংেবত্থু ফজনা শেংজিল্লবা উবদা ইমাদা ওনশিন্দুনা হায়রকই,

"ইমাবু ঐনা লুখাক শেংবীয়ু হায়ব্রা ?"

"ইচাই চাইবসি মুংঙাইব্রা নংবো, কোল-লীকসি লোইশিনদ্রবদি কমদৌনি ?"

—মানা শাওগৎলকপত্ত উবদা ইমা মখা তারমদনা অত্থুম থোকখ্রে।

ইমানা খাংতপ্তা থনম্বা মাগী ৱারীত্থু ঐহাক ওন্থোক্লা খঙনীংলকই, অত্থুবু হংবা ঙমদ্রে। ঐনা অমরোমদা পুথোক্লুনা হংই,

"কনাগী ফোন-নো ?"

"ঐখোয়গী ওঝা অমগীনি !"

"ইমাদো শোয়দনা ৱারৌরমলনি। নহাক্লা নংগী নথৌদি তৌদ্রগা ইমাদা শাওরিত্থুবু করিগীনো ?"

"ইমানা অম্থুম্না তৌবসি ঐহাক মুংঙাইতে, ঐস্থু খঙই, —অত্থুবু"

"হায়য়ুনে তাসি মরমত্থু। ঐখোয় অনী পাঠশালাদা তম্মিন্নরিঙৈ-দগী তিন্নরকপদি, কলেজ য়ৌরকপদা নহাক্লা মপান্দা। ঐখোয়না চৎপা ঙমদবনিনা ইম্ফালদা তমহৌই। নখোয়না ক্লাস অমা ওইখ্রে মতমত্থুদগী, ঐখোয়না থায়নগী মরুপনি হায়ত্থুনা অত্থুপ খৌখাক নাইদবা মঙাইরে।"

মহাকনা ঐবু য়েংলগা নোকই। অত্থুগা হায়,

"ঐহাক অসি ক্লাস অমা ওইথ্রবকো! ফনা মুংঙাই নংগী ৱাসি। পুন্সিদা থৌদোক ৱাথোক কয়া থেংনৈ, হায়দোকপদা মুংঙাইতবা, ইকাইবা, অকিবা কয়ামস্থু লৈ, তান চানিরুদবদগী থবক মফম, প্রোফেসন তিন্নদবদগী হৌদোকনদবস্থু কয়া অমা লৈ। পুম্নমক অসে ঐগী লাইবক-ননি। তাখেন্দনা নহাক হৌজিক্তা ঐনা লীখিবা ৱারীত্থু! অত্থুনি ঐনা তৌরুবা ঐগা মরী লৈনরুবা থবকসিমক্তবু ৱারমচৎ পরেংথাং

ঙাক্তা! মপোক্কী ওইরমান্নে।"

"হোইদা ওইসন্নু লান্দ্রগা লোইবে; খওখি্রবন্নি। ঐনা থরায় শোক্না মুংাইতবদি নহাক্না অশোনবী ইমাগা নহাক্কা অনীখক্তা মগাইরবা অসিদা নয়ুম পান্দনা ইমাবু ব্লাই শংহন্দ্রিবসিগী মরম অসিনি। ইমাদি লাইমক্কা ম ন্নববীনি। অসিংন্না ইমা ফংজবা নর'ইবক ফখ্রবনি। নংগী পুন্সিদা করম্না নীংবা কাযবা থেংনখ্রবা ঐহাক খংদ্রে। অদু ওইরবসু মচা অমা ওইনা পুন্সিগী থৌদাংদি পাংথোকফম থোকপনি।

"উম অচুম্বনি। অদুননি ঙসি ঐনা ইমাগী মনাং থুংহনবা ঙমদ্রিবসি!"

"মদুনি ঐনা খংনিংলিবসু!"

"তোল্লসি ব্না অসি, নোংমা ব্লারী শান্নসি। অরোই অথম নাইদ্রবা, পুন্সিনা লোংদ্রিংওবা থেংনগদৌবা থৌদাং ঙাক্সি পুন্নমক। হৃযেং যাহৌ থেঙবা য়াদে।"

"ঐগী ভুম্না মতম যান্না ব্লাংল্লি, মুমিদাং য়াম্না শাংলি। নহাক্কী য়াহৌ ংনগদবা অদুম ঙল্ল, ঐনা অদুম থেংহৌবা য়াই। নহাক্কী মুপা থৌদাং অদু করিনো, ঐবু অমুক্তা তাহল্ল; মদু তাদ্রিবমখৈ ঐহাক অমুক ভুমরোইদৌবনি।"

ঐনা হনবা লৈতনা তকশিল্লকপদা মাগী মায়থোং খঙহৌদনা ওনখিবগুম তৌরম্মী। মানা হায়,

"নহাক্না ময়াদ্রবনিনা অদু মঙাইরে, ঐহাক লীগে তারো! পুন্সিগী অংনবা মতাংদা ইমাগা বাবাগনা অতোপ্পা মীশক অমগী মম্মি ঐঙোন্দা তাহনখি। পিশক পিল্লিংৈদগী ঐখোয় অনী ত্রিম-তোংনদুনা শান্নমিন্নদুনা হৌরকই। কাংদোং ফানরক্লবা মতমদা ঐখোয় অনী অসুপকী মতিক নক্করমই। ঐখোয় অনীদা নক্তে, মাগী মমা মপাগা ইমাগা বাবাগসু নক্করমই। ঐখোয় অনীনা য়াম্না চান্ন চিন্ননা লোয়নবক্ত ঙরগা মখোয়নদুম হেন্না হরাওরমই। মতমদুদা মদুগী অর্থ ঐহাক খঙলমদ্রে। নোংমা বাবানা ঐনা লাইরিক তম্না চংলমদ্রাইদা ঐবু

মাগী মনাক্তা কৌশিল্লগা হায়, 'নুপামচা, সনাতোম্বীসে ঐগীদি ইচাগা চপ মান্নরবনি। নহাক্কা মহাক্কা নখোয় অনীমক ইপ'দদি ইচা ওাক্তনি। ইপানা অহল ওইররবা মতমদা ইচা শক্লা ঐগী সেবা তৌহনগে হায়ত্থনা পিশক পিল্লিদৈগী ঐখোয়গীদা লৈবদৌনা থম্মকপনিদা! নহাক্লা লংফৈদা নহৈ নশীং তত্না চৎলগনে কচোই কনাংকা তৌরবদি ইপাদি মাঙলে, মীগী মচা অসিমস্থ মাঙগদৌরিবনি। নংনা লাইরিক তম্বা হেক লোইবদা ইপানা মবু ঐগী ইমৌ ওইনা য়ুমসিদা পুক্কদৌরিবনি।'

"মতমহৃদা সনাতোম্বীস্থ কা অদোমদা হেক চঙলক্রমই, মঙোন্দস্থ বাবানা ঐগী মাদা রাইহৈত্থমক হায়রমই। নুমিত্থদা নহানমথৈ লোম্না থুপ্না নীংলম্বা অত্থু মঙফাওনবগুম তৌরমই। নুমিত্থদগী ৫৫না অনৌবা রাখল অমদা তাওবা হৌরমই। অত্থুবু কোইদবদি ওমখিদে। করি অমুক হায়নি, ঐনা লংফৈ চৎপা নুমিত্থদা মঙোন্দা ঐহাক চৎলুখিগে হায়বা ফাওবা ওম্নমদে, মঙাক্লস্থ হংবা ওম্নমদে। লংফৈদগী চিঠি ইবফাওবা ওমলমরে অত্থুবু মঙোন্দগীদি ঐহাক চিঠি তোয়না তোয়না ফংলমই। ঐহাক থবক খুদিং হৈনীংবা পোকমই, লাইরিক-লাইশু পানীংলমই। মহাক ঐগী ওইনা ঐগী নাক্তা লাক্কনি, বাবাগা ইমাগস্থ হরাওজগনি হায়বসিদা ঐগী নংঙাইনফম ওইরমই।

"অহানবা চহীদা ছুটি থোক্লকপদা মহাক য়াওনা ঐবু ওক্লমই, ঐস্থ মাগীদমক লোম্না, পোংচৈ, ফুরিৎ-ফি, খুজি-নাচি পুরকই। নুমিৎ তাবা ডাইংমঙনা মাগীদা চংলি, ইফোও ফোঙনা মাগা ঐগা ফম্মিন্নত্থনা রারী রাতাই শাবদা মখোয়গী মপা মমানা হেন্না হরাওজগদৌবত্থ তোক্তনা ঐগা মাগা তুমিন্না লোম্না মখোয়গী থোঙ্গানদা লেপমিন্নত্থনা রারী কয়া শান্নখি; মাগী নৌরিবী খুজেং পায়ত্থনা ঐনা লোম্না লৈরকপা খুজিত্থ শিজিনবী। মহাক্লা কয়াদা মথবায় তানা নোকচখিবা। মানা হংখি, ইমানা কদায়দগী খুজিনো হংলকলবদি কমদৌনি?' ঐনা হুংশাথীনা খুমখি, 'নরম্নাই লৈবনি হায়য়ু, ঐনা পুরকপনিকা হায়বা য়াদেকো।' ঐগা মাগা লৈনখিবা মরী নোংমা নোংমগী লোঙ্গা লোম্মপ্রবা হেল্লকলমই,

তাইবংপান বনামতবু খঙহন্নীংখিদে। অহুম্না হৌরকখিবা ঐখোয়গী পুন্সি খোঙচৎনি।"

মহাক বা ভাংবা থ্নেক্তবগুম মখোল ফাইরকই। ঐহাক করিমত্তা ছুংবা ঙমেলমদে; বা অদু উন্ রাইমুক চিকলমই।

মহাক্লা মখা তাথরকই, "হৌখিবা পুন্সিদো বল্লকই। অমকপা লৈতনা লোয়নরকপনি মা-ঐ; ভুংদা লাক্কদোবা মুংঙাইরবা ঐখোয় অনীগী পুন্সিবু তমদুনা চেম্ফমিন্নরকপনি। মতম পুন্নমক্তা মহাক হরাও তয়াম্না লৈবা উবমই। ঐনা এম, এ, তমলিঙৈ কালেন ছ্যুটি থোন্নকপদা মহাক মশা ঙমদে হায়দুনা লৈরমই; মহাক্কী মায়থোং ম:য়ং তানা উরমই। ইকাই ইকি থাদুনা মংম অয়াংদা মহাক্কী মনাক্তা ঐহাক লৈরমই। তেল্লবা কালেন ছ্যুটি অমুক্কা হন্না তেনশিল্লবোই নীংলমই। মাবু থাদোক্নুনা চৎপদা ঐনা চিংনবদু উরদুনা মহাক্লা মশা ফরকপা শ'দুনা ঐগী লাইরিক তম্বদু লোইশিন্নবা হন্না হন্না তকশিল্লমই। ঐহাক বাওড্রি, মহাক্লা হায়খিবদু, 'নহাক্লা ঐগী পুন্সিগী অরা-মুংঙাইগী হৌরকফন্নি। নহাক্কীদমক পুন্স শাংনা লৈবা ঙমজগে! ঐবু থাজো ঐগী থবায় হকচাং পুন্নমক কংগ্রবনি নচোন্দা।'

"কাউদ্রি ঐহাক, থাবল ফরবা অহি নি মদু। ইমা পাবুং তুমগ্রবা মতমদা ঐ মাগী মনাক তান্না চেংলমই। মহাকসু ঐ মাগীদা লাক্কনি হায়বা খঙবদোনা মাগী কাগী মিহুৎথোং হাংদোক্নুনা থাবলগী কুম্মৈদু য়েংলমই। মিহুৎথোং মপাদা লেপ্লগা লোল্লপা কৌরুবদা মহাক্লা মিহুৎথোং তম্না ঙেশিল্লরুগা ঐঙোন্দা মতম চাদনা চংখোকই হায়না চৈরল্লমই। ঐনা অঙাংদোনা মিহুৎকী য়োংচৈদু পায়রগা লু-লুকথনা মুংশুক মুংজাননা লেপ্লদু উরগা মাগী মথুৎ অনীনা ঐগী লাইবক্তা হিকথদুনা তারিবা শমছু খোমগৎলদুনা লোল্লপা হায়খি, 'ঐবু শাওরব্রা? ঐসুনে ঙসিদি নহাক লাক্কদ্রা খল্লমই। ঐসু নহাকপু উনীংলমই, উন্নরিবা অসিমক ঐখোয়গী লাইবক ফরবনি। হয়েং চৎপা শোয়দ্রেদনা?' 'উম হয়েংনি, নহাক্লা নশা ইঙম ঙমদবসিদা ওহ্নোক্লা মুংনাংই ঐ

খরা চোম্থত্থনা লৈখিসিরা খল্লি অত্থুগী লাকপনি।' 'করিনো হায়রিত্থুবো ঐহাক করিস্থ তৌদ্রেনা, কূইনা ঙম্মুদবগী খংহন হঙ্গৎপা য়াদবগী তৌবনি, হয়েংমুক থোক্লকপদদি ঐহাক পুমক ফরম্নগনি। চত্তবকা য়াদে, ঐহাক ইকাইজেকো! ঐস্থ পোত্থাক্লরগে, মতম থেঙলক্লে, ভুমনীংবনা মতাম তৌরে।' ঐবু নমত্থনা তাম্থোক্লক্লগা মিহুৎথোং থিংজিনখি।

ঐনা খরা চখোক্লক্লগা হম্না য়েংবদা মহাকনা অমুক হন্না মিহুৎথোং হাংলগা ঐ লৈরিব্রা য়েংহৌবত্থ ঐহাক উরমই।

''অত্থুবু ঐনা ফাইনেল এবজামিনেসন থারম্নগা য়ুমদা থোকলকপদদি মহাক্কী অবস্থা হায়নীংঙাই লৈতনা শোকচিল্লম্লে। বাবাস্থ মশা ঙমদত্থনা লৈরম্লে। মহাক মহৌশাদগী হাই ব্লড প্রেসরগী অনাবা লে। ঐনা থোক্লক্লবা মত্থংদা নোংমা ইমাগা ঐগা ঐখোয় অনীবু কৌশিল্লগা বাবানা হায়, 'চাউবী ঐগী ইরাইববসি ওস্থোকনা থীগ্রে হাই! ঐনা থবায় তাজবী মুপীমচা অসিমতং ঐগী ইমৌ ওইজগে নীংজবসি লাইনা তম্নম-ত্রব্রা খঙদ্রে, অসিনি হায়ভম খংদনা মহাক অনা লোয়রে। অত্থুমকপু ফরকখিনি মাদি নহানি। অত্থুবু ওসিদি মাগী মপানা রা অমা হায়রকই, ঐ ওস্থোকনা মুংঙাইখিদ্রে।' অসি হায়রগা বাবাগী মমিত্তগী মপি শিন্থরমই। ইমানা হায়, 'করি হায়রক্লিবনোনে মখোয়না?'

'ফত্তবা বাবুদি নত্তে, অঙাং অসিনা মতা অমা ওইনা মশা চোকথ-খিবসিদা তাদগী ইমৌ থিবদা শিংলগদ্রা হায়রকই।' ইমানা খুমখি, 'চুম্মিবনি হায়রিবহু।'

"বাবানা মুম্মিত্থদা ইমাদা ঙাংখিবা খোনত্থ ঐ অমুক্তা তাখিদ্রি —'করম্বা মুপীনো মসিবো ঐনতবু থরায় মতাক্করবদি মহাক্লা য়ানীং-ঙোইদৌবনি। অঙাং ওইরিঙেদগী ঐগা মাগা য়ানম্নে, মচা ইচা থাজনসি হান্নবা, অত্থুগা মানা হায়রিবত্থদি ঐবু জবান লেন্তবা নীংঙক মীংঙকপদা তৌবগী রা নত্রা? নহাকস্থ অঙাং অনীসি কায়নহল্লগে, নমৌ অমা থিরগে অসিনিনে?'

"ঐহাক ইকাইবোই ফরিবোই অত্থুম থোক্লক্লে। ঐস্থ পুক্লিংদা চৈনা

অমা ফাওরমই। নোংমা নীনিগী মন্নুংদা বাবাগী ব্লড প্রেসর চেক তৌবা ঙমখিদে; অসুম্না ইখঙ খঙহৌদনা বাবা লৈখিদে। ইমাগা বাবাগা মথা করি ওাংনখিবা ঐহাক খঙহৌদ্রে। বাবানসু ঐঙোন্দা করিমত্তা হায়রমদ্রে! ঐনা খঙবা হায়ববু থৌদোক অদুগী নোংঙানবদা মখোয়গী বাবা লাক্লুনা ইমাগা মখোয় অনী কুইনা য়ারী শান্নখি।

বাবা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী অনাবা লায়েংনবগী মণিপুরগী মপান্দা পুবা তারম্মী। ঐখোয়দা খঙহন্নকখিদে, অদুবু পাউ অদু ঐহাক তারম্মী। ঐহাক খুদক্তা মখোয়গীদা চৎলুই। বাবানা ঐবু উরগা নোং-খোংবঙুম কপল্লমই; ঐসু কপ্পমই, অনাবগা অমুক্তং উন্নগে হায়বদা অহানবদা মহাক ঐবু উন্নহন্নীংদবঙুম তৌরমই; মতমত্তুদা ঐনা শেংদোকল্লমই, 'বাবা ঐহাক করিমত্তা হায়জরোই; মহাকপু মপান্দা পুত্তুনা লায়েংগনি হায়বা ফাওবা তাকপীরক্তে হায়বা ঐহাক খঙজে অদুবু মাগা ঐগা অঙাং ওইরিঙৈদগী নখোয়না নক্কহনখিবনি। ঐবু য়াবিনীংদবা মরম কয়ামরম লৈরমগনি, শেংনা হেক্তা তাকপীয়ু। মঙোন্দা ঐহাক লাকই হায়বা খংহনবীদ্রবসু য়াই, ঐবু লোম্না ওইরবসু মাগী অবস্থা অমুক্তা উহনবীয়ু।'

"ঐগী বাত্ত তারগা মহাক কপলমই, ঐবু চেজেৎ কোনবীরম্মী, অদুগা হায়, 'ইপাদি লাইবক থাবা ওইরে; ঐনা নংবু অতোপ্পা অমনি খক খনখিদ্রি। ঐনা নংবু তাক্তবা ঐগী ইরান্নি, ঐবু শাওগনু। নখোয় অনীগী মর্রা ইপানা হেন্না খঙই; ঐনা শেংনি, ঐনা শিনবনি। মহাকপু মানা উরগা মাগী অনাবা হেক্তিনখিগদ্রা খল্লুরে; অদুগা মহাক্সু নংবু তাক্লগা নংগী অরাবদু মহাক্না উনাদে। ইপা লাল্লে, মহাক্না মাগা উন্নগে হায়বদা বনানো থিংগদৌবা?"

অসি হায়রগা মহাক্না ঐবু চিংদুনা মচানুপীগী নাক্তা পুশিল্লে। হৌজিক্তা কপ্পদা অহন্দুনা হরাও হরাওনা মচানুপীদা হায়, 'ইবেম্মা শোমদা ওস্থোক্লকউ ইবুংঙো লাকই।' ঐবু মানা নোংমতা মিং পন্দুনা কৌখিদ্রি।

"মখা ওন্দুনা হিপলম্বদগী মহাক্না অরাং ওল্লকই, মশা চোকথনা উরবসু মায়থোং মপুং ফারি। ঐবু উবদা মমিৎ অনীমক পিরোইনৈ, মোনখুম যিদক্তা মপি শিন্থে। ইকাই ইকি থাদোকুনা অহানবা ওইনা ঐনা মাগী যম্মুদা ফমথরগা মনাক্তা তারম্বা গমছা অমনা মপিচু তৈথোকলমই। তৈথোক তৈথোল্লগা হেন্না হেগ্না শিন্থরকই। ঐহাক খাঙবা ল্লারমই অতুমকপু ঐগী ইতৌচু উদনবা ঐহাক মুঙনা শাবদোনা। লৈরমই। ঐনা মাগী ওইথংবা মথৎবাক্তু খুং অনী চানা পায়রগা, অরাবা পুন্নমক থম্মোয়নুংদা লোৎ, তপনা হায়রমই, 'করিগীনো অঙুক কপচেৎকল্লিবা? ঐনা উবদি নহান্দগীদি ওসিনা থান্না ফনা উবে। কুইনা থম্মক্তবা হায়বসিদি হকচাং চোকথবা হৌনশানি। আদা চৎনা য়েংথোল্লরগা ইরাই লাইনা ফংদোবা অসিদা! পরীক্ষা হেক লোইবগা ঐ যুমদা থোরক্লিগৈদো নংগী মনাক্তা লাক্কনি। ইমাদি ঐনা তাহন্দ্রবনি; নংনা খঙইবত্তুনি মাদি য়াম্না কপকল্লি; হয়েং হল্লক্লগা উন্নরগা লোইরে।'

বাবাসু লেপ্পম্বদগী হন্দোকখ্রে; ঐহাক খাই মহাক ঐগী ইতৌ অতুদা থাৎবা ল্লারমগনি। অনৌবা থৌনা অমা হাপ্পগুম ভৌরা মরুগা মাগী কায়রবা থম্মোয়নুংগী অরাবত্তু লোংখিখ্রা, মহাক্না হান্নফেৎ নোক্লগা হায়, 'ফদি ফরক্কনিকো! ঐনা তাববু মপান্দদি অফ-অৎবা ডাক্তর য়াম্না লৈ হায়। ফরক্কনিকো! হোই কল্লিৎদনে উবা ফংদবত্তু লায়েংবা চৎপসিদা য়েংলক্পা হায়বত্তুনি। পরীক্ষা হেক লোইবগা তান চারবদি ঐগী নাক্তা লাকপীয়ু, ঐ ভাইরমগে, পুন্না নম য়েংমিন্নরবদি মুংলোইগনি।'

মাগী থম্মোয়নুংদা ওমত্তুনা চাকলিবা মৈচাক ঐডোন্দগী ফাওরমই। করিন্নুংগী হংদ্রবা! করি তৌদশানা মানা মথা তাথরকই।

"মাগী মপুক্লিংদা থাজবা পোকতনবা উম্মখিবত্ত ঐগী লাইবক ফবনি নীংখি। মহাক শোয়দনা ফরক্কনি হায়বসিনি ঐনা থাজখিবা, হায়নীংঙাই লৈতনা ময়েং তাথ্রবী মাগী মশা হাম্নংম ফরকখিনি অসিতনি। অদুবু থাজবনা অমা থোল্লবনা অমা, মাগী অনাবত্ত দিল্লীদা লায়েংলুই; ঐগী

পরীক্ষা মম্নুংদা মণিপুরদা মহাক হল্লক্রে হায়না পাউ থারকই ; ফরকপা নম্ভ্রগা ফংচিল্লক্তবগী মরোল অমত্তা ফংলমদে। ফরম্বা য়াই থাজরমই ; পরীক্ষা হেক লোইবগা য়ুমদা হল্লকই, ভাইঙমদনা ইমাদা পাউ হংই ; শেংনা খঙলমদে। ইমানা হান্না হান্নগীত্নমঙাই তমই।"

মহাক মখোন হায়ক্কেৎ ফাইরকই, মমায় লুকথখি, মাংদা থাল্লিবা টেবল লেম্প-তু মুন্না য়েং, মখোঙ্গেল নেমথন্নকই, মরাইবক্তা হুম্মাং, মরীক মরীক কারিবত্নু ইলং লংনা উই।

"মাগী মনাক্তা ঐহাক অত্নম চত্তনা মরৈ, কপ্তনা অত্নম মহল্লকই, বাবাস্নু ঐবু উরগা মমিত্তনা ময়েংই, ইমাবুদি ঐহাক উন্নরুদে, উন্ননাংখিদে মাগী মতৌ য়েংবা ঙমলমদে। উম, নোংমা নোংমগী শিথরক্লিবা থাজ-ঙম মাগী তনৌ ঙনৌরম্বী মায়থোং, অপানবী কুচু কুমেন, পুশুন্নবী হকচাং কায়াৎ ময়েং তারক্লে! বাকচাং থাগী লৈরাং, য়েন্নাং পাম্বা লাকপদা নৌনা য়েন্নাং হল্লকই, অত্নবু মাগীদি বাকচাং, লোইনাইদবা বাকচাং পাম্বা ওইত্নুনা অত্নম মরৈরম্লী। মহাক্কী লায়না করিনো হায়বা নহাক খঙলত্রা ?"

ঐঙোল্লোমদা য়েংলগা হংলকই।

"ঐদি কদাইদগী খঙগদগে ?"

"ব্লড কেনসর !"

"ব্লড কেনসর !"

"উম, ব্লড কেনসর !"

ছায়রম্লগা মহাক ইশি শিনা নোকলমই। অত্নগা মখা তাথখি,

"ঙমখৈ লৈতনা চাউখৎলে, থা, থবাম্মীচাক কোইবা ঙমলগনি ছায়না চাউথোকচরিবদাই ; বিজ্ঞান হৈরবা বিজ্ঞানীশিংনা। মগাগী মথাদগী মূন্দুনা পুখিগদৌবা অসিগুম্বা মহাকালগী মশক ওইরবা লায়না বিজ্ঞানীশিংনা থেঙনবা ঙমদ্রি, য়াগ্না বাংলি ! মী লীশিং লক্ষা তুন্না ছাৎপা, লৈবাক অমবু উফুল ওলহনবা ঙমগনি মখোয়গী মরৌশীংনা,' অত্নগা মীবু কনবা, লৈবাক অমবু শেমগৎপা শাগৎপা মখোয় থক ঙম-লোই, ঐগী সনাতোম্বীগুম্বী অমগী রাদি থম্নু থমখিসি।"

মরাইবক লুম্মাংনা লৈরীক্নরে, মমিৎ অনী কোরীওম ঙাং লুংশা ফুইরি মমায় লৈখা ওগ্নে, মনাক্তা লৈরম্বা মুকফুত্থু মখুৎ য়েৎনা কন্না পায়শিল্লি। ঐহাক রা অমত্তা য়াল্লুবা ঙমলমদে।

"চৎনীংদনা, থাঙমদনা, ঐবু চেজেৎ কোন্দুনা, ঐগী ইতম্বাক-মক্তদা নোংমা লুমিদাং অমা ঐবু হুন্দোকলম্নগা মহাক মথন্তা চৎখি। ঐনা শাগৎচবা পুম্বা মঙ ওইখি। মহাক কদাইদা লৈরমগনি, ঐহাক খঙদে। ঐনা করিগী হিংদুনা লৈহৌরিবা অদুসু ঐহাক খঙদে; লেংলি-পাল্লিবা তাইবংপান অইং-অশা কায়দনা চত্থরি। থাজবা অমত্তংদি লৈরি, মসিমতংগা লৈরমদ্রবদি ঐহাক হিংলিবসিগী অর্থ খংলমলোই।"

"করিনো নহাকনা থাজরিবদি?"

"ঐহাক মসি কনামত্তদা হায়দোক্লি, হায়দোক্নগদ্রা মসিমসু! উম হায়দোক্লগে, ঐসু হায়দোক্লীংলকপা কুইরবনি। মহাক্না শিগদৌবা লুমিৎ নীনিগী মমাংদা ঐঙোন্দা পাউ চেল্লকই! ঐনা চৎখিবদা মহাক মমায় মায়থোং তঙাং তঙাং, মশম মনা তনান্ তনান্ ঐবু ঙাইহুনা লৈরমই। মনাক্তা চঙলকউ হায়, মনাক্তা চংলম্মী মাগী ফম্মুংদা ফমল্লম্মী। মাগী কংলবা মখুৎ ঐগী তম্পাক্তা থাঙ্গৎলগা ঐবু শংত্রিক য়েংলগা মহাক্না হায়খি ঐঙোন্দা,

"ঙসি নোংমা নীনিসি ঐহাক খরা লুংঙাইবগম তৌই। ঐহাক ফরকখিনিকো?"

"ফরকখিনি, শোয়দনা ফরকখিনি!" ঐনা হায়রম্মী।

অদুবু তম্বা ঙমদে কল্লিবা মদসু ইরাই লাইনা শিদোকই; করিগম্বা ঐনা শিবা থোক্লবদি ঐবু চাইবীরমগদৌবনি। ইমাগী সেবা মতোম লোম্না তৌবীগদৌবনি। নশাগী য়ুমলেপ চার থম্মগদৌবনি। মপোক অসিদরা নত্রগা অতোপ্পা অমদরা ঐ নহাক্কী নাক্তা অমুক্তং বাইথুংজগে হায়বসি ঐগী লাইনীংনি।'

"ঐনা করি খুমখি—!"

'অদুবু অমুক নোহৌনা হায়খিগদ্রা নহাক ঐহাক তৎনা থানবা

লৈত্রবা লৈপ্ন্ল ওইদুনা হন্দক্তা নত্তে মপোক কয়ারক পোকমিন্নগনি। নহাক্না লাক্লীংবা মতমদা লাকউ, ঐ লেঙদনা লৈগনি।'

ওইহাক করিগুম্বা ৱারী লাইরিক অমা পাবদৌনা মাগী ৱারীদু তুমিন তারম্মী। মিৎনা সংেন্দা, পুক্নিংনা লাংম্বা যংদনা পাইরিবংম ভৌরম্মী। মহাক্না চিংনা রেক মথক্তা লৈরিবা ফোটো আলবুমদা থেৎলিবা ফেটো অমা ঐংোন্দা লানশিল্লবখি। ফোটোদু কনাগীনো হায়বা মহাক্না তাক্নবসু অদুম খঙলে। মংথান কারকপী, হেক য়েংবদা পুক্নিং শুদ্ধং-নীংলাই ওইবী, তাইবংপান অসিন্দা অমুক উররোইদৌবী, ঐগী মকপকী সুংশিজরবী সনাতোম্বীনি। চিনবান কংদুনা হেক বৌরক্কদৌগুম উরিবী ফোটোদু উকুরগা মিত্রগী পি শিক্লে। তাইবংপান অসি ওইরেকো!

মহাক্না তমখিবা পাখোংগুম্বা মাগী অরোইবা ৱাহৈশিংগী অর্থ, মদুগীদমক মানা করি তৌগে নংলিবা, করি ভৌরিবা, ঐহাক মথা তাথনা হংবা ওমেলমদে। করম্না হঙনি, অদুবু ইমানা হায়খিবা ৱাহৈ খরদু নীংশিংদবা ওমেলল্তে; মচাগীদমক মিকারবী, মাংগী লম্বী তেল্লক্রবী, ফনা হোৎনদুনসু মখোয়গী লমন তোন্দুনা অদুম্মক শিরগদৌবা, মচা ওইবা ঐখোয়না মখোয়বু খজিক্তং পেনহনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌ নত্ত্রব্রা। অদুবু মহু করম্না তাক্কনি মঙোন্দা! ইপুক মন্নুংদা অদুম ওমেদুনা থম্বদা মতাখি। মহাক্না হায়খি, "মতমসি য়াম্মনা থেঙলে, নহাক পোখারো।"

হায়বয়ুংগা মহাক মপান্দা থোক্চখিগে চৎখি। ফনা য়ান্না, থেঙলবা ফাওবা মহাক হুক্তিল্লকখিন্দ। কর্ফ্য মন্নুংনি শাংনা চৎলমগদৌবসু মান্দে। করিনো হায়দুনা ঐনা মপান খোবলুবদা মহাক মাঙ্গোনগী উখোকতেন্দা ঙাদুনা পানখৎলকপদা ঙাইরিবা থজনা তরং তরং থোক্লিবদু য়েংলিবংম ফমদুনা লৈরমলে। ঐহাক মবু ওৎপা পামদ্রদুনা তুমিন্না অদুম চংলকলে।

ফম্মুংদা হিপলবসু ফনা কুইনা ঐহাক তুম্বা য়ারমদে।

মহাক্না, সনাতোম্বীনা মংোন্দা হায়রম্মী তমখিবা, 'ঐনা শিংবা থোকলবদি ঐবু ঙাইবীরমগদৌবনি' হায়বদু খংনং নীংশিংলকই। অমুকসু নীংশিংখি, "ইমাগী সেবা মতোল লোমনা তৌবীগদৌবনি ... মপোক

অসিদরা নত্রগা অতোপ্পা অমদরা ঐ নহাক্কী নাক্তা অমুক্তং রাইথুংজগে হায়বসি ঐগী লাইনীংনি।'

—অয়োবী কলপনা! থাজগদ্রা অসিবু! লাইগী রারীশিংদা মপোক মপোক্তা পোকম্মিনবগী রা থেংনৈ। ঐনা মাবু য়ুম্নপান্নবা হায়গে খনখিবনি অদুবু রাকমদু কাওখি, হায়বদি লাইরবুনা। নীংশিংলবসু মদু হায়বা ঙমগনি নীংদে। কয়াদা ঙকথ্রবা!

মরি

তুমফম চাভম খঙদনা লেনখি নুমিদাং অতুমা ড্রামা য়েংবগুম থোকখি পুন্সি লীলা ফম্বাকথক্মিদা, অফবা অভিনেতা অভিনেত্রীশিংনা, মাগী মাগী শরুক্কি হায়না তমখিবা, শরুকশিংদু ফজনা শক্তম লাংখিবগুম। ঐনা থেঙনখিবা দুপী অনীতুনা করম্বা অভিনেত্রীশিংনো খঙবা ঙমদ্রিদৈ শেংনা হুংশিনরবা শাবী-শানৌ অনীগী থম্মোয় শোক্লবা মকায়না অমা অমুক থেঙনখি। ফোঙদোকপদা রারবা দুংশিবগী পাউজেন্না চেংনা লুনা পুন্দুনা তাইবংপানগী হুকথেঙনবা থেঙনহৌগদবা খৌদোকশিংগা করন্না মায়োক্ন-হৌগদগে তাক্লমদা, থম্মমত্রা খংদে ঐগী মরম্ন। অমগা অমগা কয়াদা লাংনা, কয়াদা খেন্নবা চংনরিবা!

অতুগা ঐগীমা কদোমদা, নোংংনিবা ঙাইংমদনা ইপুক থন্নবা কৌইনা চাক্তাবা! অচৌবা ফিংয়োনফম, জাগজিৎ বাবুগী দোকান্দা, বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোডকী। ফমা চাউনা ফমলিবা ফিগী দোকান্নি; ঐগীনা মহাজনগী পৈশা, অরাকপা, চংখিবা, চংথ্রগা লাক্কদোবা, ফংগ্রবা ফংংলিবা, ফংদোবা ভতুদগী চংযম থোকপা, চংখিগদোবা লম্বীশিং খিংনবা হোংনবদা মাগী মতেং পাংবা, ভারোনবা হিসাবনা! অফোঙবা

শা'বা, অফোংবতুনা লোৎপা, মখল মথেলগী হিসাব! অচৎ চত্তা হিসাবতা উৎ চাইশিন্দুনা মমিৎ শোইনাইহন্নবা হোৎনবা! মতুগী মমল থাগী শেন্থুং, মতা'জনগীনা খুরক্তগী নাম্বরকপা, ঐঙোন্দনা মহা অমৃত, পুন্সিবু হিংহন্‌না থমলিবা, ঐঙোন্দা তাংদুনা হিংলিবা মহুমদগী পাইথোকপা ঙংদ্রিবা উচেক মচা মচাশিংঙম লৈরিবা ঐগী ইচাশিং, ইচাশিংগী মমাবু হিংহল্লিবা!

মুমিক্লু খরা থেংখি দোকান য়োৎদা, জাগজিৎ বাবু নোবর বলদেব-সিংনা ঐনা হেক চঙখিবদা হায়, "বাবু মচানা ঙসিদি ওঝা একাউন্টেন্টবু ওন্থোকনা তোইনা হংলম্মী। হেক য়োরকপগা অমুক্তং মনুংলোমদা চঙ-বীরকউ হায়রমই।"

মসিগী অর্থ করিনো ঐ খংই। ঐগী ঘড়ী য়েংবদা পুংখায় অমা চপচানা থেংলে। সরকারগী নোকরী ওইরবদি কৈগু লৈতবনি, পুংখায় অমা থেংবা হায়বসিদি অচাবানি, মতম চানা কাবা ওফিসারশিংদু তঙ ওবনি, অতু নত্রগা হিংচাবনি হায়নৈ; মথোযগী অফবতু খক শক শোন্নবাদে, মখাগী মীবু নৈবা ওইনা চৎনৈ, চৎনবানি। মতম মতমগী হায়বতুনি। অতুম য়াবা তাবনি।

চঙশিল্লম্মী মনুংগী কাদা, ঐবু উবদা "গুড মোরনিং একাউন্টেন্ট বাবু" হায়না মহাজন্না হরাওনা ওবশীরমই ঐবু।

"গুড মোরনিং প্রোপ্রাইটর সা'হেব," ঐস্‌ সলাম তৌখি, মহাজনদা।

"বলকতাগী সপ্লায়ার অমনা ঐবু ঠগ তৌরে ওঝা। ঐগা হায়নবা হিসাব উৎপগী মহত্তা মথোয়না পাম্বা অচাবা হিসাবতা চালান কক্শিন্দুনা থারবলে; ঐ মুৎপা তারে। সিনি অমুক্তা য়েংবীয়ু।"

ঐনা নীংলম্বা অতুমক্তি নৎলমদ্রে।

হেক য়েংবদা ফল পোপ অতুম নতাই। ঐনা হায়, "বাবু কম্পানী. অসি অনৌবা ওইরিনি অতুননি; ঐথোয়গী এজেন্ট অমা লৈবতুদা পাউ অমত্তং থাথ্রগা অতুম চুমথোকচরক্কনি! ব্রেক্তগী হবাইট্টা ওন্থোকপগী

য়াদনি বাবুনা পাম্বীরিবসি।"

"ডেটিজ রাইট ওঝা, অদুনি, অদু নত্রবদি টেক্স ময়ামসি বদাইদগী কনবা ঙমগনি। মখোয়গীদমক মুংশং থুংবমখৈ, কোক লু তাংবমখৈ দোকান ফম্বা কনানা ঙমগনি? মসি তানবা মওংদু ওঝানা শেম্বীয়ু পাউ থাখিনবা; অদুগা ওঝা অতোপ্পা অমনা নহানগী লোটরীগী টিকেটতুগী ঝানি!"

"ও নহানগী জায়ান্ত রেফলদো!"

"হোইনে ওঝা, মদুগী শেনফম অদু একাউন্টতা হাপচিনবীরব্রা?"

"মদু ঐস্নু অমুক্তং হংজগে ঙাইরিবনি। ভাব তাফাত্তবা অমা লৈদ্রুনা অদুম থমজরি। রফ একাউন্টতু লোইজদ্রি।"

মাং তুং য়েংই ঐখোয় অনীদা লৈবা কা তুদা অদুগা লোল্লপা হায়,

"শাওনুকো ওঝা, নহাকসি ওস্তোক্সা পংথ্রে। নহাক মপোক অসিমগী ইনাক খুল্লরোই। পৈশা পায়বা হায়বসিনি মীওইবনা তান্নরিবা, পৈশা পায়রবদি তৌনাংবতা তৌবা য়াবনিনে ওঝা! অতৈ পুন্নমকসি অরাইবনি, পৈশা পায়নবা লৌশীং তাল্লুনে ওঝা! পৈশা পায়বা হায়বসি লুপা তরাতবু পায়রবস্থু মদু করমনা য়োক্কদগে হায়বদু খঙবা তাবনি।"

"হায়নৈ বাবু, হৈ হেকপা অরাইবনি, খুনবা হৈত্রবদি অরেম্বনি।"

"তো অদুনি ওঝা রেফলদা ফাওরকপা শেনফমদুগী হিসাব উৎপীয়ু আয়রোমদা।"

"মদুনি ঐনা ভাব তাদ্রিবা। লাক্ষ মঙা যংগদোবদা লাক্ষ মঙাগা লীশিং মঙা চৎখিবনি বাবু। মসিদা উৎবদবা হিসাব অসিবু?"

"ওঝাদি ওস্তোকনা পংথ্রে, ঐনা নহানস্থু হায়থ্রমাল্লে নাংই। লুপা লাক্ষ মঙাগা লীশিং মঙাগী শেনফম অসি ঐখোয়না পুখোকখিবা নত্তে হায়না খল্লগা শুগদোবা হিসাবনি।"

"মদু ঐ ঙমজরোই বাবু, পোকপদগী উদ্রিবা শেনফম অদুবু!"

"ঐ হায়গে ওঝা! জাত ধর্ম্ম তিন্নবা তিন্নদবা থিদনা, ইমা ইচা ওইনা, চহী শাংনা তিম্মরক্লবনি হায়বগী হায়গদৌরিবনি। মীঙোন্দকাদি

হায়দোরুবা য়াবা রা নত্তে। অদুবু ওঝাদি হিসাবসি খঙদবা য়াদে। ইচেম চম্বনি শেনফমসি ঐখোয়না ঐখোয়গী শেঙ্গাউদগী হুগদৌরিবনি।"

"কমদৌনা ?"

"ঐখোয়না পীফম থোকপমখৈ পীদতুনা লাক্লিবসি ঐখোয়না অসুম হুরান্‌না লাল্লবনি, মসি ময়েক্কীদি সরকারদা পীফম থোকপনি।"

"চুমই বাবু, অদুবু মীঙোন্দগী হুরুবমক্তি নত্তেনা, বাবুহোয়না হৈজ শিংজতুনা তানশিনজবনি।"

"হৈজ শিংজতুনা তানশিনবতুনি হুরানবা, অমাংবা শেল, হায়বতু ! মসি থিগৎপা য়াওরল্লবদি মীঙোন্দগী হুরাল্লুবগা চপ মান্নবা দণ্ডি ফংগদৌবনি। অতুনা অমাংবা পৈশাসি অশেংবা পৈশা ওন্থোক্লবা য়াদেনে ওঝা ! ঐখোয়না লোটরীগী টিকেটসি অফাওবা মী অমদগী লৈরুবনি। টিকেট অসিগী ফংফম থোকপা ঐখোয়না পীথোকখ্রবনি মুনাফাৎ য়াওনা, লীশিং মঙা হাপত্রবনি। অতুগা লোটরীদগী ফংলকপা অসিনা অশেংবা পৈশানিনা ঐখোয়না ফংলকপনি হায়না শেংনা উৎপা য়ারেদনা।"

"ভাব তাজরে বাবু। অতুন্না হেক তাকপীরবদি খঙগদৌবনি অসাইনা।"

জাগজিৎ বাবু নুংঙাইরুরবমাল্লে হরাওনা নোকলগা কোলিং বেলতু খিংলমই; চঙলকপা নোকরদা চা অশাবা অনী ফজনা শেম্নকউ হায়না তাকপী। মহাজন্না ঐঙোন্দা অমুক,

"ঙসিদি সিনেমাসু য়েংগদৌনি ওঝা, ইতৈমনে, অঙাংশিংনে, ওঝানে, ঐনে।"

"বড় বাবুদি ?"

"মাদি অহল ওইরে, কুম্মৈ ফিয়োং করিসু য়েংনীংদ্রে; ইতৈমদি নহানি, বুম্মৈ ফিয়োং য়াম্না পামই। ঐহাক ওন্থোক্লা রারবনি, ইতৈমা অহলতু শিরমদ্রবদি ফগদৌবনি। তাদদি য়াজদবনি, ঐখোয় ময়াম্না য়ুম্বাল মথোং চাররোই হায়বগী থিরুবনি। ওঝাগী হিসাবতু লোই-থোকপীরুরো অতৈ চে-চাং খরসু পীরক্কদৌবা লৈরি। হোরেল মতমতু

ওইরগা ঐ হায়জরক্কে।"

"সিনেমাগী ওইরব্রা? ঐদি য়াওজরোইদা বাবু!"

"ওঝা য়াওদবা হূপয়া য়াদবনি।"

রা ভাংনবা লোইরদুনা ঐহাক ঐগী কা রোমদা অতুম লাক্লমী ঙরাং নহান লোইশিন্দনা থম্লগা হিসাবকী ভৌচর ময়াম চনশিনবা হৌগৎলি, ইমানা পোকপদগী উদিবা শেলগী মশীং, তিনশিনবগা খায়দোকপগা। অদুমে তৌরিঙৈ চংলকই ফিরোনবদা য়াওবা মুপামচা, ঐখোয় শ্বায়না খাঁ সাহেব হায়না কৌনবা। কেক্রুমুক মুবা কুচু মতা অতুদা, কুরাও মপান মচুগা হিগোক কুপাল মচুগা অনীনা চাউনা চাউনা লাংবা ফুরিৎ লিৎ, লোয়াপ্না মচুগী মেরেরেমগী খোংগ্রাউ অরংবা অমা শেং, ময়া ইখি থিগৎনা নোক, ঐগী মাংদা লেপলে। মখুং নাম্বদনা চগী কপ। চাগী কপ্লু থম্লগা ঐথোন্দা সলাম তৌই। মাগী ফিভমদুদা ঐহাক হায়ফেৎ নোকলুই।

"এঃ খাঁ সাহেব, ফজৈ হাই নংগী ফিজোলসি। নংনা খজব্রা, মহাজন্না থোনবীব্রা ফনা পবচৈ।"

হন্থনা য়েংজে মাগী ফিজোন্দু, "ঐনা খঞ্জবনিদা, তুদা, বাবুনা হেক নোক্রবসিনা আল্লাহনা খংনি!"

"হাই নোক্লবা নত্তেনহাই অডাওবা পকচৈ হায়বনিনে! লৈশাবীশিংনবু করি হায়বগেনে?"

নোকই অমুকস্থু হিংগত্তুনা, "তুবো, পায়দুনা য়াম্না য়েংনৈ, পামমাল্লে।"

"তো অতুনিনে ইয়াম্বনা হায়রিসু।" মহ'ক লেপ্তুনা অতুম মরৈরবদা ঐনা হায়, "করিনোনে ইনাওনা লেপ্লবো, করি হায়নীংবা লৈ?"

কোইরু কোইরু য়েংলগা, "আল্লাইকসম বাবু, মীতকা হায়লাকপা য়াপোৎ নত্তে। ঙসিদি থবক লোইরকপদা ঐহাক ভাইরমগে, ভায়োনফম মচিন্দা।"

"করিনোনহাই, মসিনা হায়রিবসিবো ?"

"যাম্না লুখ্রবা ব্রানি !"

ব্রা মখা ত'বমদনা হুৎ লৈথোক্লনা থোকখি। তাদৌই ঐনা হিসাবকা পাক চাউরবা ঈশাকথক্তা, অমুক চুপ লুপ, অমুক যুং ফাওগৎ। হান্নগী থবক বাকা ফনা যাম্না লৌইশিন্নে। থবক্তা মতোইনা কল্লবদি মতম চৎখিবা খঙহৌদে। মহাজন চঙলক্লনা হুন্নে লৈতুম অমা অমুক্তা অনী ঙনা পানগদৌব, মাগী ওইহনা অনীনি; অমনা ঐনা থেঙনা লৌথববদি কোক হোত্নলা লৈবা যাদবনিনা হিসাব শুগনি, অতোপ্পা মনা মগী সিনেমাগী খোম্বু ওইনিন্নবা; অকোনবগী অসিদা মাগী করি বাক্নে ঐহাক খঙদে, অতবু কান্নবমদি শেংযদনা লৈতবা যাবোই। মাগী কান্নবা লৈতনা ঐগীদমক পৈশা তিংনা করিগী টিকেট লৈগনি ! মতুদা ঐগী অতুপ তোজনা লৌরমগদৌবা হাযববু চা কপ ফোং ফোং শাবা হামগা মিঠাই অমগা। হোই, ঐগুম্বা অমগাদি মতুং পংমাঙ মাঙবা নভেমা।

উ চন নাচিন যৌরক্কে লেপ্পখিবা পুংফম, কারগী হোর্ণ মখোল তাবে, অদুম তাবক্রবনিনা হোর্ণ মখোলতু ঐহাক খঙদে। জাগজিৎ বাবু, মাগী মুপী, মচা অনী, মাগী মুপীদগী হেন্না নৌরিবী মতৈমা, চাবোক্লিবী প্রোতম, মথং মথং গাড়ীদা কাখৎলে; জাগজিৎকা ঐগা ড্রাইভরগনা মমাংগী সিট্টা। মী চিল্লবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড-তা নোংপোক পাংনা লাকলগা কংলা পার্ক মনাক্কী রাজভবন তাবা লম্বী-রোমদা থোৗগৎলবলগা কোইনা লাক্লনা পাউনা বাজার তারগা উষা সিনেমা যৌরকই। মীনা অচৌবা ঈপাক অমতম পাথোক্লনা লৈরমই। হোলগী চঙফম মথক্তা চাউনা থেংলি, রোমিও জুলিয়েট অনীনা মায় ওনশিন্নতুনা যাম্না মুংশিনা মীৎ চানবগী অয়েকপা লাই। শ্বাই লাউই, ওন্থোকপা ফিল্ম অমা য়েংগদৌরি। গাড়ীদগী কুমথতুনা মী মরক খায়তুনা ব্রানা য়োরে হোল মন্নুং। থারিবা সিটকী নন্নুং ইথং থংবদা জাগজিৎকী মুপী, মথংদা মচা অনা, মথংদা মতৈমা, অতুগী মথংদা ঐহাক অতুদগী

জাগজিৎ, মহাজন মশানা শিন্দুনা ফমহল্লি। সিনেমা স্লাইদ উৎপা হৌরমলে! ফিলম মখা তারকপদা মী পুন্নমক ৱা ৱা লাউনৈ, রস খঙবা ভাবুকশিংনা য়াম্বমাল্লে। মরক মরক্তা জাগজিৎনা ঐগী মাংদা লুকথরক্লুনা মতৈমদা তাকই ফিলমগী ৱারী, মখুৎস্থ হেক হেক লাম-শিল্লকপগুম তৌই, ৱারী শাবদা। ঐহাক থোইনা পুক্নিং চঙনৃদে, মমৈদদি ঐহাক মখোয় অনীগী মরক্তা ফম্বদু মবানীনা হেক হেক লুকথ-নরকপদা অৱাবা অমা ওইরকই। অমরোমদনা মচা অনীদুনা মমাদা অমা অমুক হং, অমা অমুক হায়, পুমলাং লাংই। ৱারীগী মতাংনা হোইদুনা হেক হেক চৎলি ঐহাক, লাংলিবদু কাওথোক্লুনা। ঙাইহাক লৈরগা ইন্টরভেল ওইরকই, থাউমৈ ঙাম্থোক্লকই, জাগজিং তুমিন লেপ্লা ফমখি, প্রীতম মকোক চেজেৎ খুমজিনখি। অঙাং অনীদুনা মপাদা তোফি লৈয় অমুক হায়, বাদাম লৈয় অমুক ঙাং চৎশিল্লকই, মমানা লোল্লপা য়েংই প্রীতমদা অদুদগী ঐঙোন্দা, ঐগা মীৎ চান্নরুবদা নোবফেৎ তৌই, ঐহাক হঙ্গোইবমা ফাওই। অঙাং অনীদুনা মপাদা হংদুনা তোফি, বাদাম হুনা লৈংল্লবমক্তদা পেল্লক্ত্রবমাল্লে কাটজু বাদাম লৈবীয় হায়রকই, পৈশা অমফাও পায়দবা ঐঙোন্দা। শিবনা ফরবনি নুপী অঙাংগা লোয়নবগী চোপ্পা হায়বদু মতুরা থল্লি; থল্লিঙৈ মমানা চৈরকই অঙাং অনীদুবু। মাগী পর্শতগী লুপা মঙা চৎপী অমা লৌথো-ক্লগা ঐঙোন্দা লাল্লকই, ঐনা ৱাবদু মহাক উরবমাল্লে। অঙাংশিংদুনা পৈশাদু পাক লাক্লগা বাদাম য়োনবরোমদা কাটজু বাদাম পীয় হায়না হৌ হৌ চোংই। জাগজিৎ বাবুনা করি হায়রকপগে য়েংথোকলুবদা মহাক ফম্ফমদগী থোকখিরমলে। কাটজু বাদাম য়োনবদগী পেকেট অমমম লৌরগা অঙাংশিংদু তুমিন লৈখ্রে, হল্লকপা পৈশানা মমাদা, মমাগীনি হায়বা খঙই পিকখ্রবা অঙাংশিং অদু ফাওবা। থাউমৈ মমখ্রে, সিনেমা হৌরে। মমথখিবগা লোয়ননা জাগজিৎ চঙলক্লুনা ফমলরে; মতৈমদা লাল্লি চানবা পোৎ, ঐঙোন্দস্থ পী. মাগী নুপী অদুগা মচাশিংদস্থ। মথং মথং অমুকস্থ লালশিল্লি মতৈমাদা, অমম্বা অদুদা লৌশিল্লি অমতুমস্থ,

মখোয় অনী সিনেমা য়েংলিব্রা নত্রগা পোৎ লান্নরিব্রা, ব্বারী শান্নরিব্রা, ঈরাং তমদা তাওবগুম তৌই। খোইদৌ শাওগৎলি। সিনেমাগী ব্বারী মতাংনা রোমিও জুলিয়েট অনীগী লময়ৌনা ন্নুংশিনরকপগী ঈচেল, হিদেন অমদগী হিদেন অমা লান্না চেন্তরকলি, মখোয়গী ঈরাংদু নমহৎপা ঙমখি। নৌরিবী জুলিয়েটনা 'রোমিও' 'রোমিও' হায়না ন্নুংশিনা কৌবদা তথৈ অমা ত্রাবা ফংখিদে। মথং কায়নবমদাইগী মতাং নকশিল্লকই, কায়নরকই। মীৎলুদগী পিরাং শিন্তখি, পৃথ্বী ফাত্তবা কবি, নাট্যকারগী কলমদগী চেন্থখিবা ন্নুংশি নুংঙনগী থম্মোয় কায়রবা ব্বারী, অথৌবা পর্দাদা মিতম-লাংতুনা পুথোরকপদা অব্বা-নুংঙাইগী ঈহৌ অতুনা চেন্দনা পুরখি ঐবুসু।

মিত্তগী শিন্দখিবা পি থেথোক্কে হায়তুনা ফুরিৎখাওদগী রুমাল লৌথোবলুবদা ঐগী মাংমক্তদা জাগজিৎ তমসুং প্রীতম অনীনা মখুৎ অনা লেজেং পায়নতুনা লৈর ্ থোপনৈ। মীথোপ অমগী মতম্বাক্তা মখোয় অনীনা খুৎ-লান্নবা অরাইবা থৌদৌ নত্তে। লাকঙম ফাঙমদ্রবা ব্বাখলগীদে পুলিংগী, মমি তাবনি। চাবোক্তিবী প্রীতম মীয়াই হেক্তিল্লব্রবা যশবীরগী হুকচাং চাম্থয়নি, পাখং ফারবা মানুপা অনীগী মমা অতোনবী ওইনা চাউনা লুহোংতুনা লাবপনি। মসিদা জাগজিৎনা কমদৌনা? অতুগা যশবীরনা খল্লগনা কমদৌবা? ঐহাক উদগী তাবগুম পংশিল্লমী।

সিনেমা লোইরে, ভাবুক কৌগৎনরে ; ঐখোয়সু মরী মরী থে ক্লক্লে। অসুক কাংদা তোপখৎলগা তুবানগা পুন্না লৈবা মখোয়গী ময়ুম তন্না লাক্কে। ঐবু য়ুম হৌনবা খিচো হায় প্রীতম্না ড্রাইভরদা, অদুবু ঐনা য়াবমদে; মরমদি ঐহাক বৈথেন্দা চংখিগদৌবা লৈ। জাগজিৎ বাবুদা তমসুং ময়ামদা তাকলম্নগা বৈথেল তন্না লাকলে; অচা অথক মনা মশাং থরদং লৈগে নীংতুনা। খ্বাইরম্বন কৈথেল ময়াইগী ট্র্যাফিক পুলিসকী লেপফম য়ৌরমদাই অতুব্বাইদা তুংদগী কনানো অমনা 'একাউ-ণ্টেণ্ট বাবু' হায়তুনা কৌরকই, মরোল খোইরপ তৌনা। অতৈ কনা ওইরমদ্রে, দোকানগী নোকর, খাঁ সাহেব।

"অসাইদগী কৌবীবা তাবীদে, ঐনে বাবু!"

"হোইনহে খাঁ সাহেব, করিগীনো ঐবু তাম্নরকলিববু?"

"ইহে আল্লাই-কসম, কাওরেনে ঐনা অসাই হায়রবত্নু?"

"অসাইগী করিনো হায়য়ু, ঐ পোৎ নৌরুগদৌবনি!"

"পাইহাক্কং, মিনিট অনীদং লেপসি বাবু অসিদা।"

মী খরা হাংবা মফম অদোমদা থোকমিন্নরে,

"য় ন্না নুবা বানি, কসম। বানুনী অহন্না হায়বা রানি।"

—ঐহাক কোকচাউবী কাই!

"ইসি মুমিদাং পুং তরা তাবদা উন্নদবা য়াদে হায়, আল্লাই-কসম! নহাক্না চংশীরবদি ঐহাক 'বংশিশ' ফংগদৌরি।"

"করিনোনে অঙাওবা নংনা হায়রিসিবো?"

"হুম ঙাওবা নত্তে বাবু, অঙাওবদবু ৱাসি হায়গদ্রা? চত্তবকা য়াদে।"

খাম্বা নংহোদে, লুকথরক্লনা ঐগী খোঙ ভাগ পায়।

"হে খাঁ মচা, করিনোনংহাই অঙাওবদৌনা? মীগী মচা মবা লৈবী নুপী অতুনা মুমিদাং পুং তরাদা উন্নসি হায়তুনা পাউ চেল্লরুগা অঙাওবদৌনা ঐ হেক্তা চংকদ্রা?" চংলো হায়রু-চো ওম্মোই হায়তুনা; মী শিগদবা ৱাবু!"

"শিরোই বাবু, আল্লাই কসম ঐনা হায়বীরিবসিনি। পুং তরা তাবদা, মখোয়গী গেট্রা থাইরমগে।"

অমুবস্থ নোংবল্লনা খাঁ মচাতুনা খুরুমই ঐগোন্দা।

"এরে অশেংবা মরমত্নু হায়য়ু! মরম অত্নু শেংনা তাকলদি ঐহাক চংকে, হায়য়ু মরমত্নু!"

মখুৎ চিকই মুপামচাত্নু, অমুকস্থু মকোক খোংলি। মখুৎ অনী লোমতুনা মহাক্ন হায়,

"একাউন্টেন্ট বাবু, বাবুনীনা হায়বা অত্তুতনি ঐনা হায়বীরিবসিনি। মরম করিগীনো হায়বা করিমত্তা হায়দে ঐগোন্দা। ঐনা খঙবা হায়ববু অরুবা রা অমা তাম্নগদোবা মাল্লি।"

"অতুগী অমুক হুংথিল অশানবদা তাম্নবা যাদ্রে। নুমিদাং পুং তবাদা বনীগীনো? মসিগী অফ-ফগী নহাক অশাংনিনা খঙলমদবা য়াই, মী নিবা য়াবা তৌদৌনি। বাবুনীগী মরা বড়বাবু, মনাওনুপা জাগজিৎ, মচা পাখং অনী, মরক অসিদা কমদৌনা? ঐহাকস্থ মখোয়গী নোকরনি, নহাক্কুম্বনি।"

"মখোয় কনামনা নৌরোই হায়। বাবুনীগা ঐগতনি য়ুম শংহৌগদবা। একাউন্টেন্ট বাবু, ঐগোন্দা শিংরকপনি।"

বা মখা তারমদনা হন্দক্তি খাঁ সাহেব লম্বী মথক অতুদা শাংনা শাংডাং তাংনা অমুকস্থ খুকনই ঐগোন্দা।

কনিনো হায়রবা মা ঐসু খল্লকই। সিনেমা য়েংমিল্লগোদা থোকখিবা থৌদোকশিং নীংশিংদবা ওম্নক্তে, নীংশীংলগা অমুকস্থ হেন্না ওহবা ওমদে। শেল মখিক টানা পায়রবা ইমুং অমগী মৌ ওইতুনা লানবী, মশক মতৌ চঙখোল্লবী অমনা চরাম চদৎনরবা, মখোয়গী নোবরস্থ ওইরিবা, ঐগগা অমদা করিস্থ পুক্কিং চঙফম থোক্তে হায়বসি ঐহাক থাজে, অতুদি করিগী? মহাক্কী চিংননীংঙাই ওইবা শাজৎ অতু মামাং থোরক্কনবা নত্রগা জাগজিৎপু মাগী খুবাম মনুংদা চেৎনা থম্নবা! মখা করিনো ঐহাক লামন্দম খঙদে। ঐগোন্দা পুকনিং চংগদৌবা নৈত্রোদি উনবরবস্থ বাংদে, মখাক অমবোমদা ঐদি থিবোং থাক্লিবা ইমুংগী মৌনি। খাঁ সাহেব অসিস্থ অতুক হাকনা চিংননীংঙাই ওইবা অশাং নত্তে। অতুগী মথক্তা বংশিশ, খাঁ মচাতুনা অসাই পনখিবতু নীংশিংই। হে লাইরবা, ঐহাক হয়না খল্লুই।

বরী শাম্নরিউ পুং অা য়োশিনখ্রে। কৈথেল তাকলক্কদৌরে। ঐনা মুপামচাতুদা পোৎ-চৈ খরা নৈরগা য়ুম য়োরুখিগে হায়রমলগা পোৎ লক্তা চংলে। হোবে হোবে মনা মশীং খরা লাকপোই নৈবোই তৌরগা রিক্সো অমা ফাতুনা য়ুমদা চৎলে। দোকান অমুক য়োক্লগে তম্না অমুক কাখৎলক্লে।

দোকানগী মনাক য়োরগা ঐ লাপতক হন্দোক্লুনা নৈরে। মখোয়গী

কারদা জাগজিৎ, মাগী মুপী, ময়াম্বা, মচাশিং মথং মথং কাখৎনতুনা গাড়ী থোৌখিবা উই। মফম অতুবাইদা চা-তুনা লৈরম্বা খাঁ সাহেব ঐবু উরক্কপদা চেনশিনখ্রে দোকান্দা, ইকুই কুইদনা যশবীরগী মচা অনীসু স্কুটর অমদা চংখ্রে।

খাঁ সাহেব ঐগী নাক্তা অমুক লাকলে। অমম্বা মরক্কুদা ময়া মখোদা উবগুম তৌই, নোল্লতুনা ঐবু চঙলসি হোৌররতুনা ঐখোয় অনীমক চঙমিন্নরে। মথং মথং দোকানগী পোৎ চৈ পৈরিবা কা অতুদগী মহাজনগী কা, অতুদগী গুদাম ফাওতুনা মহাক্কী কাদা কাখৎলে, পিকতক তৌবা কা অমদা চঙশিল্লে। কা অতুদা চুম্নগী সোফা ভাক্তা থাই, ময়াইদা সেন্টর টেবল অমা। লেম্প সেদ পানবা থাউমৈ অমত্তং থাল্লি। ঐনা চঙতুনা হেক ফম্বগা খাঁ সাহেব মন্নুংগী কা অমদা চঙখ্রে। ঐহাক ইথন্না ভাইহৌরবদা থম্মোয়দা চোংলিবা মিন্তুনতু তাবগুম তৌরকই।

অঙানবা থাউমৈ অমা ফুং ভাম্মোল্লকই। প্রীতম চঙলক্কুনা মাযোক্কবা সোফা অমদা ফমলরু, ঐহাক হন্নম্বদগী হোৌগৎলি।

প্রীতমনা, "একাউটেন্ট বাবু অতুম ফম্বীয়ু। খর ওংলে র'রৌবীবা য়াদে।"

"তাকপীয়ু বাবুনী।"

মকোক খুম্নম্বা অপাবা তুপাত্রা মরন্নাই নাম্থরকপগুম তারকই। ককচেং চৎপা উরবা থাউমৈগী মৈঙোন্দা বুচু কুমেন পাল্লবা, তবোপ তবোপ্পী, পিকতক্কন ইন্তুনা শেম্বগুম উরবী, পারবা ফিজোল্লা নহা ওইরিবী হকচাংগী ফজবা পুম্ববু যুদোংহল্লবী প্রীতম, মথুং অনীনা ওইথংবা খুকউদা পুল্লপ পায়রগা ঐঙোন্দা হায়রকই,

"একাউন্টেন্ট বাবু, অসাই সিনেমা য়েংবদসু মুংভাইখিদ্রে হায়বা ঐহাক খঙই। মতু ঐগী পুন্সিদা, ইমুং অসিদা হেক লাকপা তরেৎনি চনবদগী হোৌগ্রবনি। ঐহাক ওক্কবী অমা ওইরবনি। মকমনা, মতম্না, ঐবু লম্বী আসামদা কোইথং থহনা তানশিল্লি। যশবীর অহল্লি। ইথং ইমান্নবা নত্তে। ঐদি অসিগুম্বা মুসা অমদা যুম্বাল্লগানি হায়বসি

মতদসু মতখিদ্রি। অদুবু লাইবক্তা ওমখিবা হায়কদুরা খল্লে। ঐখু করিসু খণ্ডদ্রিবা অণ্ডাং অমগুমনা মমতুনা শুংহল্লে হুপাসিদা।"

"হায়না চংনতুনা অণ্ডং অটিন ওয়তুনা হোংখিবা নত্রপে বাবুনী!"

"মাসি হায়রখি। হায়রনবদা য়ামতুনা লাক্কপনি ঐসু। অদুবু শুনথোক্কপনি, ঐগী ববনি হায়না খঙহনখিবগী জাগজিৎ বাবুনি।"

"করম্না বাবুনী?"

"জাগজিৎ বাবু ঐগী ববনি হায়না ঐগী অপংবী ইমাদা খংহনখি। ঐখোয় যদি বর্দ্ধাদগী লাক্লেম্বকপনি, কলকাতাদা বিজিনেস তৌবনি। বাবা লৈখিদ্রবা তুংদা, ইচেগী মথংদা ঐবু থাজরকপনি। অহানবা লাকপদা অমাবী ইমাগী নাক্তা জাগজিৎ বাবুবু খুবকুম্না মাগীদমক ঐবু হায়রখিবনি। মরাম চত্তুনা ঐখু খোঙদা ঐনা বরবু হায়না শক খঙগে হায়না তকবমই মতম্দা জাগজিৎ বাবু ঐগী ববনি হায়না খংহনখি। মচা অনী লৈ, হান্নগী নুপী লৈখিদ্রে হায়বসু ঐহাক খঙই অদুবু লুহোংলবা মতুংদগী জাগজিৎ মংলমদ্রে যশবীর বাবু ওইবল্লে। পুস্নিদা চাউরবা মীনম্বা অমা খোঙনররে।"

"করিমোনে বাবুনী ঐহাক ভাব তাদ্রে। লুহোংবদসু জাগজিৎ বাবুগা হোংত্রনে?"

"লুহোংবসু মহাকনি হায়না ঐ খঙবনি। লৈ পবেংতুনা কুপ্লবা মমাংসু ঐমসু ইকাইখদগী মুম্না য়েংহৌদে। ঐগী মী অঙক্তনসু খটু তাকখিদে। অপংবী ইমাগী মমাং অনীমক তাংবগা চপ মান্না উখিদ্রবনি অদুগা উরবসু মহাক যশবীরনা মমানো জাগজিৎনা কনানো খঙবা ওমজোঙই। লুহোংলবগী থুমিদা [illegible] যশবীর ঐবু কাপ্না চত্তুখিদে [illegible] [illegible] মাগী [illegible] মাতাংশিংনা [illegible] ঐবুসু মাগী [illegible] [illegible] মথং [illegible] [illegible] কলকতাদগী পাইরকই [illegible]। [illegible] [illegible] যশবীর বাবু [illegible] [illegible] [illegible] মতুংদা অমুক [illegible] [illegible] ঐগা [illegible] [illegible] [illegible] ঐনা [illegible] কাম [illegible] [illegible]

ঐগী বর কনানো হায়রবছু !"

প্রীতম মখোয়দো য়াম্না শাওগৎনা নোকই।

"হুংঙাইত্রা একাউন্টেন্ট বাবু ঐগী বারীসি ?"

খং। সাহেবনা ফুং ফুং শারবা চা অমা পুরক্লুনা ঐগী মাংদা থনয়গা মোংহাদনা তপ্না তপ্না খোকখি।

"ঐহাক্না যশবীরদা খুদক্তা নহাক শাজিন্নবা বরনি হায়না থীনা চৈখি, অদুবু মতুনদি করি তৌবা য়াগনি ! মশা ওমদবা শাক্লুনা লোৎলম্বা যশবীর মুমিত্তদগী ঐগী ইপুরোইবা ওইনা য়াবা তাখি। য়াম্না নোকনীংবা বানি, অদুবু মহাক্তি—"

প্রীতম মখা তারকখিদ্রে, বারী মখা শমথবগী মতুংতা ঐঙোন্দা চাহু থকপীয়ু হায়রকই। ঐস্থু য়া ঙাইবা ওইনা চাহু পায়খত্তুনা থকই। প্রীতমনা মখা শমথরকখি,

"মথংগী মুমিত্তগী ঐনা জাগজিংপু মথন্তা ঙাইবা তাঞ্জাদা অমুক্তং উন্নগে হায়দুনা কোইশেন শেন্নরম্মী। ঈশ্বরগী থৌজান্দগী নোংমা মুমিদাং অথেংবদা মহাক মাগী কাদগী খোক্লক্লুনা গুদাম মন্নুংদা চঙখিবা ঐনা উরমই। খুদক অদুমক্তদা ঐনা মাগী মতুং ইন্দুনা গুদাম তান্না চৎলমই। গুদামগী কাদা থম্বা য়োৎকী উপু মচা অমদা সনাগী লীক-কোন লোইথোক-লোইশিন হোৎনরিঙৈ ঐনা মাগী মতুংদা তুমিন লেপ্নমই। অাইবক লৈবদগী ঐহাক হিংহৌবনি, মহাক থংগ্রেক থংনা মখুত্তা পায়রম্বা পিস্তোল অদু ঐঙোন্নোমদা চিঙলমই।

"এ্যকাউন্টেন্ট বাবু ঐহাক শিরুরবনি, ঐনা করিগুম্বা ঐগী হুপাত্তাহু উরবা নত্রগা ঐগী হকচাং উবা তুমবদা লীৎপা কুরিংহু লীৎলমরবা ঐহাক শিরবনি। ঐহাক শিগনি হায়বগী করিসু কিরমজে; কনাগুম্বা অমা লোয়া চৎখিবগী খোঙথাং অদু ইরত্নুনা য়েংবদা জাদজিংনি হায়রবা হেক থঙবদা শাওনীংবদগী অক-কত্ত করিয়মত্তা থলহৌদনা মহাকপু অমুক্তং হকখেত্তনদা মানা তৌখিবা মীনক্কুগী য়া হংগে হায়না মাগী মতুং উখিবনি। মহাক্না ঐঙোন্দা পিস্তোলহু চিঙবা উবদা ঐহাকহু

অফিং অকাই ওইনা খুং খাঙ্গংলমই।

"জাগজিৎ মখুত্তগী পিস্তোল খাদরমই, ঐঙোন্নোমদা চোংশিল্লমই, ময়াম্বনা লোবা মতৈমনি খণ্ডনবমক্তদা ঐবু চেক্কেৎ কোল্লমই, হকচাংদা পকপা কিরোল পুম্বা শেগাইরমই। চৈগে কাথোকল্লুবা ঐগী চিনবান মহাক্কী মচিল্লা মেনশিনখি।"

প্রীতম ইকাই ইকি থাত্তুনা তমথোকল্লুরগা মমায় লুকখখি। ঐসু মায় লুকথৈ, মায়োল্লবা ওন্নমদে। ওাইহাক তুমিন লৈল্লরগা মহাক্কা মখা তাথরকখি,

"একাউন্টেন্ট বাবু ঐবু ভাকপীযু। তুমিত্তনগী হৌনা ঐবু পাম্নরিবসি যশবীর-রা নত্রগা জাগজিৎলা ঐহাক হায়ভম খণ্ডত্রে। অসিগুম্বা পুন্সি ঐহাক করম্না লেনগনি? অমরোমদা মপান মর কংনবা যশবীর, অমরোম্বদা তংদেক তদেক মথোক কাররিবা জাগজিৎ!

"ঐগী ইচেম্মদো মাসু লাইবকথীবী ওইখি, য়ুম্বাল থীবদগী, কোল গার্ল ওইনা মপুন্সি লেনখি; মহাক হৌজিক কাইদা লৈরয়গনি ঐখোয় বনামত্তা খণ্ডত্রে। মরক মরক্তা ইমাগীদমক পৈশা থারকই অত্তুবু মাগী লৈকম ঠিকানা ঐখোয়দা খণ্ডহন্নক্তে।"

"বাবুনী, করম্না ইচেনা য়ুম্বাল থীখিবনো, করিগী কোল গার্ল ওইথ্রিবনো?" —খণ্ডনীংবদগী ঐনা হংখি।

"একাউন্টেন্ট বাবু ঐনা শন্না হায়জরিবসিনি য়ুম্বাল থীবদগী। মুগীশিংগীদি লুহোংবা, য়ুম্বানবা, অনৌবা পুন্সি অমদা অমুক পোকপগা চপ মান্নে। লাইরবা মমা মপাশিংনা মচাবু মতিক চানা শেন্না ওমলবগুম ফত্তবা মুপাশিংনা মুপীশিংগী পুন্সি মাওহন্নবগী শেম্বা ওমই। ঐখোয় লাই-রবা ইমুংদা পোকপনি। মুপীনা মুপা লৈবগী চৎনবী খওলিবত্তু মওাই। পৈশাগী দরকার ওই। ইচেমদো লাইরবীনি। মপুরোইবনা মকিগীদমক ইম্বোকপীখি। মসিদগী মহাক মনাও মুপীগীদমক পৈশা তানগে লেপখি। মুপীশিংনা শেন্নেপ ম্নাওনা লয়োনপোৎ লৈতনা লয়োনবা তারবসি করি তৌবা হৌনৈ! অত্তুগী মুপীদো কত্তু মুমেব পানবী, মাক্ক মতৌ

ফজবী, ফিভম মূর্ত্তি চুম্বী, মশা লোইশচাউবী, তওাইফজবা পোৎচেনি। ঐগী ইচেমদো "পুন্নমক্সি অমত্তা ঙাক্তে।" মাগা য়েংনঙ্করবদি ঐসে লাইকাদিবীশুম্বনি। মশক মতৌ কজবা ভতুমুক মহাক ফজবা পোৎচৈ, লীক্কোল, ফিরোল য়াম্না পামজৈ, মসিদা মাগী করি দোষ লৈ ? মাগী মুপা মশক থী, মাঙন্না লাইরে ; ইচমগী "মরম্না মুংঙাইগনি থম্নো লৈরমই, মসিদগী কায়মথিবনি মথোয় অনী। ঐগী দমক রাজপ্রবী ইচেমনি। —ঐকাউন্টেন্ট বাবু ঐ নেংমা লৈগে মাগী বারী।

"হৌজিক ঐগী বারী লোইশিঙ্গরগে। ঐহাক পু-তোং শান্নিবী মথোক কারকপদা মঙাইরিবী নুপী অমনি। যশবীব ঐগী মপা চাবা বরসিঙ্কে, জাগজিংশতি, মহাক করিমত্তা রাক্তে। মহাশুইরি, পুক্নিা থুংশম্লনা চংমিন্নবদা মতিক চারম্বা য়াই, অদুবু মহাক নুপী লৈবা নুপানি, মযাম্বনা ঐবু লৌবনি। চেকশিনহৌদবগী ঐগী পুন্সিগী থোঙচৎ লাম্না চংপা হৌরগ্র, ভৌইংস্বম্তং ঐহাক শিত্রি চুমথোক্কবা তাঙ্গা, মতম, য়াম্না লৈরি। নহাক তাবীদ্রে, ঐম্না ঐগী শককম, ঐগী কুচু, ঐগী শাবানি মূর্ত্তি অসি লৈচরমম্বা নত্রগা মতু পুন্নমক্ত নুমিত্তম্না করিগম্বা য়োমশিন্‌না থগৎলবা ঐহাক ওসি ফাওবা হিংলিবসি হিংলমরবসু য়াই। অসিংগী কয়া অমুকন্তু থোকলকপা য়াই। ঐহাক মকম অসিদা অমুক বুইথনা লৈবা পামত্রে। ঐনা জগ্নাথ থংদগী থঙজবে ঐকাউন্টেন্ট য়াম্না পুকচল তপ্পা, অরানবা ভৌদবা মীশকীঅমনি হায়বসি ! ঐহাক নহানি মতিক চাবা ইপুবোইবদগী কংজ্জা। ইচা পামই ; থঙজা থঙনা থৈরংদা চোংশিন্দ দৌবা অসিদগী কন্নবা হোৎনবদা ঐগী ইতেং অঙ্কহং পাম্বীয়ু

"করি অতেংনো বাবুনী ?"

"সুরতগী মকম অসিদগী হনথিনবা।"

[illegible] শাংনা হোৎনা বাওথি মহাক্না হায় রিবতুগী অং থঙনবা লাক্লরগী। কল্লাংগী থড়াদা নুং ১০॥০ তাবিগী থেল বিকলকইনি ঐদা পুন্নাবা [illegible] ডবদা মহাক্না হায়ি :

"করিমতা চিংনবীগন্, মথায় বেতালীয়ন অমদী রেঞ্জিং ডে য়াউবা চংখিবনি, ওয়েবদা নোংয়াই মতুং পুং অমাগী ওয়া থক হল্লকলোই। — ঐনা হায়জবতুগী করি য়ায়?"

ঐনা খুমখি, "বাবুনী ঐনা করম্না পাংবা ংম্ফগদৌবনো। ঐহাক ভাব তাদে। ঐহাক লাইরবা, যেম্লিলি লৈবা, মীশক অমনি। চাকরী অসিসু থাদোকপা ইত্তিক নত্তে।"

"চুমই হাকপীরিবম্। ঐনা পামজরিবসি মুপাগী লম্চিং-চুম্মিং খণ্ডবা, ঐখু লুনা চান্না তৌবীগদৌবা। মরীন কবা, গাড়ী থোবা হৈবা মুপা অমম, জিপ খণ্ডদ, কার খণ্ডদে, গাড়ী অমগা। মতুগী মমল ঐহাক চপ চানা পীজগনি।

"গাড়ীগীদি খণ্ডদ্রে বাবুনী, অদুগা মুপামচা ঋা অসি ড্রাইভরনি, মহাক ড্রাইভর ওইনা থবক েৌজগে হায়বদা মহাজম্না য়াম্লতুনা সেলসমেন ওইনা থম্বনি। মাগী অক-কত্তা ঐহাক খণ্ডজদে; ড্রাইভরশিং অমত্তা তিয়জরুদ, অতুনা মখোযগী অক-কওগী য়া ঐহাক হায়বা ওস্মোই। অদুগা বাবুনী হৌখিবগীনা হৌরে, মহাক খুমসিগী মৌখি, খুমসি থাদোক্তুনা চংপা তৌবীম্মি।"

"অদুদি হায়যু দাদা, ঐহাক মখোয় অনীমকী হকনামবা খুদী ওইযু হায়ত্রা? জাগজিৎ বাবুগী নংগীনা ঐবু চিংনবা হৌরবদি মাঙবী নংগী অমগী মথা পোন্না ঐহাক হিংবা পামদে, বশবীরগী মমলেদু য়েংনীংই। অরুবা অমনা ঐহাক হৌজিক মথা ওইকী ফিত্তমদা লৈরবনি।'

"মতুদি য়ামনা মংঙ্গহিবা বানিমা বাবুনী।"

"করম্না মংঙাইহনগদৌরিবা? মপা কমাদো হায়বা কাম্ বঙত্রা?"

"যশবীর বাবুগী মতমা কনাগী ওইরম্বি?"

"ঐনা অসাইমখে হায়রিবসি করিমতা খঙবীদ্রে। যশবীরদি মমা ওইবা ওমত্রে হায়বাসি মশানা খঙজম্বনি।"

"অদুদি

"উম, জাগজিৎ বাবুগী।"

"য়ুম অসি থাদোক্লগা মতু করম্না কোকদোরিবা ?"

"থাদোক্তবা সুপয়া য়াদ্রবনি। রা অসি জাগজিংকী নংগীনা খওলবদি ঐহাক হিংবগী রা লৈত্রে। মহাক্লা হায়খি, মহাক পুম্নমক থাওবা ওমগনি অত্থুগা করিগুম্বা মাগী জাগজিৎপু হুরাম্লবা চুপীহু লোইরে খওঙ্। ঐহাক শিবদি পামদ্রি, তশোনবী ইমা ভমা লৈহৌরি। ঐগীদমক মাঙওবী ইচেম অমা লৈরি। ঐসু বরিগী শিগনি, করিসু নত্তবা অসিগী দমক। ঐহাক নহা ওইরি, ইশক ইতৌ করিসু য়াত্তে: জাগজিংকুম্বা অমা ইরাই লাইনা ফংবা ওমখিগনি। পুন্সিগী নংঙাইবা মহাও খংখিবা য়ারি।"

ঐহাক খুফম খওদ্রে। ঐগী চিংনবতু উবদা মহাক্লা হায়,

"চুমই, ঐহাক লাইরবী নংগীনি। অতুবু জাগজিৎ বাবুগা ঐগা অহানবা শুদামদা উম্নবা নংমিৎ অতুদা ঐনা মাগী শারাক তম্বা অতুদগী নাম্থোক্লবা উপায় লৈরক্তবদা ঐনা থনখি অসিগুম্বা হৌনা লোনচৎ খওদবা নংপা অসিদি পাঙম্না জয় তৌবা ওম্রোই মরম অতুনা ঐহাক মানা হায়বতা ভৌরগে নীংখি। ঐনা খুদক্তা হায়খি, 'ঐনা নংগী অপাম্বতু থুংহল্লবদি, ঐনা পাম্বসু নহাক শোয়দনা পীবা তাই।' মহাক্লা বাশকতুনা খুমখি — 'স্বর্গদগী থা থরাম্মিচাক হেকলুচোরা ?' ঈশ্বরগী নোংদম্লি! মহাক্লা হাংলম্বা উপু অতু ঐগী মাংদা লাউনা হাংদোকউ, করিগুম্বা ঐনা অপাম্বা য়াওবরা য়েংজগে হায়খি। মহাক হুরাউনা য়ারমই; ঐগী মাংদা উপুগী থোঙ লাউনা হাংদোকখি। থাউমৈগী মৈঙান্দা অয়াওবা পুম্নমক তল্লং তল্লং উবা ফংলমই। উপু মচা মচাশিংতু ফাক্তুনা য়েংবদা হীরা মণিমুক্তানা থাম্লবা সনাগী গহনা অমা য়াওরমই, মতু ইথুংমক্লা লৌথোক্লগা ইওক্লা শিজিঞ্জরমই। মহাক্লা হায়, মতু অমাদা মঙোন্দা পীরম্বনি, মহাক্লা খুায়দগী হুংশিরা মীদা পীগে থম্লিবনি হায়না। হুমিত্তুংলা মাগী থম্মোয় ঐনা লাইনা খুতুম চনখি; মম্লগী মমল ওইনা ঐনা লীকপরেংতু ফংলমই। জাগজিৎ মীনম্বদি

ওাংদবামাল্লে ওসি ফাওবদা মাগী মুপীনা করিমতা থিরক্তি, মুপীনা গহনা পাম্বা হায়বসি প্রমাণ অমা লৈতে, অদুগা ঐগীদি মদু ঐগী লৈজেংগীদমক নত্তে।"

মাগী থৌরাং অদুদা ঐহাক মাবু ইথপ্তা থাগৎচরম্মী। নৌহৌনা মশক্ত য়েংনীংলমই; য়েংখৎলম্মী।

"অওইবনিনে দদা, ঐনা মফম অসিদা লৈরবদি ঐগী ইপুক্তা লৈরিবা অভাং অসি ঐহাক্না লোইশিনখিবা তাই অদুবু মদু ঐ তৌনীংদে। মাবু ওাকপী-শেনবানবা মী অমা থিনীংই।"

"ঐদি হায়জগে বাবুনী। ড্রাইভর হায়বদু খাঁ মচা অসি ড্রাইভরনি। অতৈদি ঐ করিমতা খঙজদে।"

"অদুদি দাদাদি ইমুংসিগী নোকরনি, ঐনা হায়দোকলুরিবা বাসিনা কমদোবা ?"

"মদুগীদি করিসু চিংনবীগনু ঐহাক করিমত্তা হায়দোকলোই। ঐহাক চৎচবা য়াবগদ্রা ?"

মহাক ঐওোন্দা চিংনবগা লোইননা য়েংখৎলকখি। মাগী মায়-থোংনা জাগজিৎ বাবুবু জয় তৌখিবা অওকপা নত্তে। অদুগা মাগী অদুগুম্বা শকফম, শাওং শাদা, অদুমক্তা জাগজিৎনা ময়াম্বা শাক্তনা ইমুংসিগী মৌ ওইনা পুররুবা হোৎনরম্বমকসু য়াই, মরমদি প্রীতম্না হায়বগুম্না মহাক যশবীরগুম্বা মমি শাম্নরবা, মউ চোক্লরুবা, মুপা অমগী মৌ ওইবা ওইথোক্তবনি, অদুগা অমরোমদা জাগজিৎকী মুপী ম্নাইশিংপী অমনা হেন্না, শক্তীমক নত্রবসু, লেমগদ্রা খল্লি।

মশাগী মচিনগী লাংদা খুরৌ চল্লরবী প্রীতম ঐগী বা অদুনা চিংনবা কোকহনবা ওমলমগনি হায়বদি থাজদে অদুবু অদুদগী হেন্না ঐ করি হায়গদবা খঙলমদে। অদুমকপু ঐনা অমুক্তা হায়রমই,

"বাবুনী ঐবু থাজবীয়ু, ঐহাক্তি মীতোপনি অদুবু ইমুং অসি-গীদি নোকরনি। ঐওোন্দদি পুন্নমক চপ মান্নে। অদুগা নহাক্না খম্মোম্ন শেংনা হায়দোক্লকপা অসিনা তাকপদি নহাক্না ঐবু থাল্লে হায়বসিনি।

মসিদা ঐনা হায়জগদৌবা হায়রবু হৌখিরবা হৌরে, মতুংদা কম্ভে খংলবা থৌদোক্শিং অসিদগী নশাবু কল্লবা হোৎনবীয়ু। অতুগা ঙাসগী বাসিদি ঐঙোন্দগী বাহে অমা চিন থোরককনি নীংবীগন্নু। মপামচা নোকর অসিবুদি চেকশিনবীবা তাই। ঙসিমক ঐনা মমসিদা লাক্লনা নহাক্কা উন্নরিবসিমক য়াম্না খুদোংথীনীংঙাইহনি। বাসিনা মপান থোক-লকপা তারবা ঐহাক নেফম লৈরোই। য়ামদ্রবদা ঐহাক মফমসিদা লাকলমই হায়বসিদি হায়বদা মতাই। ঐনা ফনা চেন্দুনসু চিংনবত্থমদি কোক্কদোবা লৈত্রে। মসিমদি চেকশিনবীবা তাই। ঐদি ইচম চমনা লাকখিবনি অত্তু কাওবদা ঐহাক ইরান লৈতে হায়বদি য়াংদোবা লৈত্রে।"

প্রীতম লুলুক্লা তাই ঐগী বাতু। তারগা মশাদা করি ফাওখিবগে হায়বা করিংম্বা অমত্তা উংলক্কে। মহাক বা মথা অমুক তারক্কে। কম্নবদগী হৌগংতুনা ঐগোন্দা "নমস্তে" তৌই; ঐসু নমস্তে হায়রম্লগা অম্মুম থোকলকলম্মী।

মঙা

ঐহাক হান্নগুম ঐগী ধবক অত্তুম কারণমা মথংগী তুমিৎ অত্তুদসু। মপামচা খাঁ, মমিং অশেংবদি শাহজাদা খাঁ হায়রিবনি। মপামনা কৌনবা খাঁ। সাহেব মত্তুগা খাঁ। হায়না কৌনবা, হান্নুনা সৌবু কাউতরদা লৈরমলে, মাগী লোৎপা যাত্রিবা কিকেল শেং-চারন্নুনা। মতিগীদি ঐবু হেক উবদা সলাম তৌবমি, ঐনা খমকম

চৌকী তৈথোক্লদবগী চেনশিল্লকপনি তত্তুবু ওসিদি ঐবু উরগা মহাক মক্ক লুবথে। পুকনিংদা বৈনোমা ফাওই। ঐগী যমকম কা তাম্না পরপ পরপ চণ্ডশিল্লে, ভ্রোব্বারদগী ধুপ মচে অমা লোথোক্লুনা মৈ চুখৎলি। ঐনা শুগদোবা হিসাবগী বোই পায়খৎভুনা ওরাংগী লেমহৌবতু শুগে শেম শাই। খুদক্কুদা দলাল মথক্তা লাউনবমা হেক তাই। করিনো ওক-চানরিবৈ জাগজিৎ বাবু চণ্ডলবই ; ঐহাক হৌগৎলি কমফমদগী, মহৌশা সলাম নমস্তে তৌনবা অমত্তা তৌনদে ; চুংত্রিং চণ্ডলব্লগা করিগুম্বা চে অমা থিবগুম মাগী য়োৎকী ইপুং হাংদোক্লগা চে-চাংশিংতু কোইফাক ফাবই, মথম্বা লৌভম খংদনা মুকুম মুরুম শোল্লি। মহাক্না চণ্ডলক-পতুদা স্পিরিৎ মনমগুম্বা অমা ফোং ফাওই নাতোন্দা ; করিনো হায়তুনা ঐনু শ্বর খরা বল্লপ হোল্লি, তুং-মাং য়েংই। জাগজিৎনা ঐগোন্দা য়েংলগা অশেম্বা মিনোক্তা নোক্লগা হায়, "একাউন্টেন্ট বাবু, মনম অমা ফাওব্রা ?"

"ফাওই বাবু।"

"ওরাং মুমিদাং বেতালীয়ন রোজিং ডেগী বিক ওসি ফাওবা মখাক লৈহৌরবম'ল্লে। অসিগুম্বা ফংসন অমা হেক য়াওকবা, খিত্তং হেক নোকলুবদা যুমদা গোলমাল অমা হেক্তা থোকই !"

"করি তৌরবগে নে বাবু ?"

"ঐগী ইযাম্বগী ইচাশিং অসিদিনে ওম্নোকনা মপুকচেল পীকম্রে। ঐনা ইয়াম্বা তসিবু নংশিমনবদগী অসুপ য়ামনা য়্যারবনি। ইতৈমা লৈখিদ্রে ইয়াম্বসি ভাওচৎনরে হায়তুনা ঐনা মুপী অমা থিবীরবনি, মচাওম্বী অমা। কুম্মৈ ফিয়োং য়েংনীংই অমসিনা, নহাগী হৌনবী। মরাগা চংমিন্নৌ য়াদে। খম্বনগদোবা মরা অসিনদি খম্বনদ্রগা মচাশিং অসিনা খম্বল্লি। করিসু নত্তবদা ইমানা থনম্বা লীক পরেং, চুম্নগী মুং থিনবা অমা, ইতৈমা অহন্দুদা মমৌ অহম্নি শিযু হায়তুনা ইমানা পীরম্মী। ইতৈমাতু লৈখিদ্রবা মতুংদা দোকানগী শেল পুখবদা লীক্কু শিজিন্নখোক্লে ইচিন ইনাও তাম্লতুনা। অহুগা মচাশিং অসিনা হা হীরা থিনবনি,

মমল য়ামবা মুং ঙাক্তনি হায়না মমানা হ'য়রমই, লীক্ত কায়বা মখোয় খংদে, মমাগী পোত্তি মখোযনা ফংকম থোকই, পুথোরকউ হায়না হৌজিক্তা তকখৎলকলি। ধর্ম কায়রোইদ্রা হায়তুনা ইয়াম্বদা ঐনা অঙাংশিংসি ভাব তাহন্নু হায়রগা মাস্তু লীক্ত বায়খিবদি খঙহৌদে, ঐনা ইমুংগী থবক শিনবনিনা ঐঙোন্দা লৈভম থোকই অসিনি।"

ঙাংনা ঙাংনা উপুত্থু হাংই, চেয়ামত্থু ফাকই।

"অত্থুপ কুইনা কায়গ্রবা অত্থুবু কদাইদগীনো ঐনা থিগদোবসিবু!"

থিরিঙৈ চৈরকসিদা দোকানগী নোকর ত মা চঙলক্তুনা জাগজিৎপু বড় বাবুনা কৌরি হায়রে।

জাগজিৎনা লাউই লাবলিবত্থুদা, "করিগী নি হায়বগে হন্নুবা শিগৈচন, মচা ঝারকপা ঙমদবদো ?"

চৈনা চৈনা চংমিন্নখি মখোয় অনী।

ঙরাং হুমিদাংগী থোঁদোক ইনৌ নৌনা নীংশিংহল্লি। থবক অমত্তা পায়খৎপা খোইজঙদে। তুই তলা মথক্তা লাউনবগী চৈনবগী ঈরাং তারকই তাপ্পাসিদা। ঝারী রাখোংত্থু হুকখঙ খঙলমগ্রবদি পুকনিং রাই শঙলমগদোবনি। হায়না হায়না মখোয় মশেল ল.উ.ব. অস্থুম অস্থুম হেঙ্গৎলকই; চিংনো নোকর অমমুক লাক্তুনা ঐবুস্থু কৌখৎলৈ।

মথক্তী দলান্দা ইমুং মন্নুংগী ফন্নফম কা তান্না চৎলে। লাউনা খোংনবনা মতা অমা তৌনরমলে, অমনা ঙাংবা অমনা তাদে। কাগী মনংদা যশবীর, মচানুপা অনী, জাগজিৎ, মাগী নুপী রেনুকা লৈরমই, ঐহাক লাকপদা মখোয়গী চৈন-লাউনবত্থু থরা নেমথনৈ। যশবীরনা ঐবু কৌশিল্লগা সোফাদা ফমহল্লি অত্থুগা হায়রকই,

"একাউন্টেন্ট বাবু ঐখোয়গী ফেমিলিসে কায়রে। ইচাশিংসি চাউত্রিঙৈদদি ঐগী ইনাও জাগজিৎনা তৌনীংবা তৌবদা ঐহাক করিস্থু হায়দে। ইচাশিংবু কৈ হায়না ঐহাক মীচং চঙদে। হৌজিক কালগী নহারোয়বু অহল লমনগী ঝা করিগী ঙাইগনি। অত্থুগা ঐনা য়াই

ছায়তুনা জাগজিংস্থ কা কেনবমা য়াওরে। মখোয়শিং অসিগী মরক্তা ঐ হিংনীংত্রবনি। মমাতু লৈজরম্বদি ইচাশিংসিস্থ খবা মফগদৌবনি। ঐস্থ বদাংদগীনো হৌনৈ হায়তুনা ন.পী অমগা থিজিল্লুরে, মসিদগী মখোয়শিংসি মথাই বারে। মথুবা অসিনা কারবার চ লাইরি; বেঙ্কতা ত্রকাউট লৈ; মখোয়গী শেৎনচানবা অতুম দোকানসিনা পুরি অদুবু মচেং মকাইদা পংথিদা থিজিন্নতুনা ইমুং অসি মতা অমা ওইরে। মসি ঐহাক পুবা ওমদ্রে। ঐদি ময়ামসি খোইনা থিদবনি অদুবু ঐগী ন.পীনা শিরম্বা লীক অমা জাগজিংনা কারবারদা কায়খ্রে হায়রে। ঐ মতু থাজদবা নত্তে, মতু কায়বা তারবদি ঐডোন্দা তাকলমদবা করিগীনো অসিনি। মসিদা ইচাশিংনা মমাগী পোৎনি মখোয়দা খওহন্দনা কায়বা করিগীনো, পোত্ত. পীযু, অসিনি। মখোয়নস্থ মথুরানা হায়বসিদা থাজদ্রে; মথুবানস্থ মতুগী চপচাবা প্রমান পীবা ওমদ্রে। ঘটনা অসিদগী হেনজিন্নরক্লবদি অচৌবা রাথোক অমা ইমুংসিদা থোক্লদৌরি। অতুনা একাউন্টেন্ট বাবুগী হিসাবতু লোইশিনবীরো, ওসিদগী কারবার থায়-দোক্লবা। দোকান অসিস্থ পারটিশন তৌরগা থুমগায়নবা, অমাও অতোংতু তখ্যায় যেন্নথোকপীরো।"

"য়ানি বাবু ঐগীদি থোইনা বাগদৌবা লৈতে। মুতিগী অতুম ক্লোজিং তৌ তৌতুনা শুজবনি।

"হিসাব অনীমকলা বাবু।"

"হোই অনীমক্লি।"

যশবীরগী মচান্নুপা হুরবচন্না মরক থত্ত.না হায়,

"বাবানা হায়রিবতু ইওন ওন্নরে। কারবার থুমগায়বদি অরাইবনি; লীককোন ময়ামতুগী রানি। ইমানা ঐখোয়দা তাকলমলিবনি, অবোক্লা পীরমই, লীক অসি যাহা ওইরবস্থ শোকপা য়াদে, খানদানগী পোৎ ওইতুনা আ-দগী লোয়নরকপনি হায়রমই। মতুবু কায়খোকখ্রে হায়রগা হেক য়াত্রা? মতুগী মথক্তা ইমানা শিরম্বা খুজি, লীক চেন মচা মচা, খাংদা শিরম্বা য়ামনা লৈরি, মতু পুখোকলক্লবা য়ারোই।"

যশবীরনা নোক্লুনা হায়, "অপংবাশা, মহু ঐহাক খংদবা নত্তে। সনাগী লীক, মণিনা থাম্বসু ওইসনু, মহুনা খানদানী ওইবগী খুদম নত্তে। শিবা তারবদি কাংদবা য়াগদ্রা মদো, মহুগী দমক নখুরা অসিগা অওম তাম্নবা তারবদি ঐখোয় খানদানী ওইখিগদ্রা? নমানা হায়রমদ্রো পোৎ অসি ইমুংগী ইজৎ ডাক্লবগী কায়গ্রবদি কায়গ্রে, নহুনা মীওম শোরিন্নো থুপলবা, মাঙহল্লবা মীহুদি মক্ক ফংনা মাংগনি হায়না নবেনবোবনা শিল্লরম্বনি। ঐনা চুংশা থীবদি নখুবা অসিনা মপুবনিং শেপ্তনা, মরম চানা কায়থোকপা ওইরম্বা, অসিতনি।"

জাগজিৎ ফ্রং শাওনা মখুৎ মশা থক থক নীক্লা লাউই,

"ঐবু মীনম্মী অসিনিনে হায়রিবদো। হুঁ তৌজশারিসে ইউন হুবমখৈ হোৎনরকপা ঐবু তহুযা হুনবা তৌনব্রা? দোক নসি শাবা হাক্তক্তা ইশানা চেক হোনখিবনি, ইশানা পুনীয়া পৌখিবনি তৌজিক মপুক থল্লবল্লবা অসিদা মী পুন্নমক প্রোপ্রাইটর শারকপা! ফৈ লীক্লুগী মমলহু ববউ, ঐগী হিসাবতগী!"

"বকপগী বা নক্তেনে বাবা, লীকতুমক পীদবা য়াদেনে!"

"মহুদি হাৎকে হায়বা মডাইবে।"

যশবীর শাওনা চৈ মচাশিংদা, "করিনো মখেয়সিবো, ঐ শিড্রিনহাই! মসি ঐগী ইনাওনিনে, নখোয়গা করিসু থোক্লদ্রবসু বাবানা পিক্লা হুন্দোকলম্বনি, নখোয়দৌনা ঐনা য়োকললকপনি; য়ামিন্নরকপনি। শেল্লা দোকান হেক্তা ওনবা য়াব্রা? নখুরা অসিনা হোৎনরকপা নত্রা ময়ামসে? নখোয়না কারবার খায়দোক্লীংলে, খায়দোকউ হায়রে, অহুদগী হেন্দুনা ইচিন ইনাওসু থদংনৌ হায়বদি কদাইদগী য়াগনি? মানা তৌখ্রে হায়রগা লোইরে, মখা অমুক তাগনু।"

"বাবা বা য়াম্না লৈরি বাবানা খংদবা, কারবারগী য়াদা নত্তে, লীক কায়বগী বাদা নত্তে। ঐখোয়না তৌরিবসে মতম অমদা খণ্ড-লকমি'। ওরাং মুমিদাং শাহজাদা খাঁ মানবা অমা ঐখোয়না মশানগী থোঙ হাংবা লাক্লরিঙেদা মনীংগী চাকশঙলোমদগী চেনখি হায়রি,

দরবাম্না। মশাদা ঐনা চপ্‌না হংলবনি।"

ঐহাক কোকচাউবী কাই।

"মা ফাংবদি কৈদৌই হায় অঙাওবদো! নোকর চাকর পুম্নমক পুমচাই চাইবা তাবে তৌরিবসে। মমীৎমক হন্না য়েংখৎচবা ঙমদবা অঙাং অদুদা করিনো হয়জিল্লিবদো?"

যশবীরনা ঐঙোন্দা ওনশিল্লগা, "একাউন্টেন্ট বাবু, বাবুদি, ঐগী কারবারদা য়াওবীদবা য়াদে। ঐস্থ খংলোই বাবুগী হিসাব, জাগজিৎ-বীদি মশানা গুবস্থ য়াই। —জাগজিৎ, নয়াম্বা বাবুসিদি ঐঙোন্দা পীয়ু, অতৈদি নংনা অপাংবা অতুম খল্লু।"

জাগজিৎ হোই মাই করিমত্তা খুম্নক্তে। ঐস্থ খুমভম খঙদতুনা অতুম মবৈ।

"ঐখোয় ফেমিলিগী বানি পুম্নমকসি একাউন্টেন্ট বাবু, মীঙোন্দা হায়দোবপীগন্নু! অতুগা হিসাবতি ওসি লোইনখোল্লগা নোংমা নীনি দোকান থিংলগা পোংটে খায়দোক্লবা, পার্টিশন তৌবা হায়বতুনি। অতুগী হায়জগে তৌবনি। বাবুগী করিস্থ কায়রোই। থবক লোই-শিনবীনবা তৌবীয়ু!"

ঐহাক ঐগী কাদা হল্লবলক্সী। মনি মনাওগী অপুনবা কারবার অস্নমা মুমিকদগী খায়দোক্লবা হৌখি। হুম অতুমক পুল্লি, দলাম্নি হেক য়াম্নৎপা, খাজিনবা, য়াদে। ঐস্থ যশবীরগীদা থবক য়াওরে, জাগজিৎ-নস্থ য়ারে। জাগজিৎনা ঐবু হিসাবকীদমক থাদোক্লীংদে হায়বা ঐ খঙই অতুবু থাদোকলকই, মসিগী মরম ইকুই কুইদনা ঐহাক খঙলকখি। হিসাব কিতাব খায়দোক্লরবা মতুংদা নোংমা ঐবু হিসাব অমত্তা য়েংবীয়ু হায়তুনা কৌরে, অতুবু হিসাবকী মা ওইরমগ্রে, মহাক্কী পাপকী লক্সীদা ঐবুস্থ য়াও হায়বা ওইরমলে। মহাক্না হায়,

"ওঝা, ঐহাক শেংনা হায়দোকচরগে, ওঝানা ঐবু ইথা থাদোক-পীবগুম তৌরে, মসি তৌবীগন্নু, ঐহাক ওঝাগী মতেংস্থ পাংজনীংবনি।"

"করিগী থাদোকদগেনে বাবু, থবক্লনি, হায়রৌগন্নু! মতম চানা

তাকপীরকউ হিসাব হায়বসিদি হেক্তা ঙাওবনি।"

"হিসাবতি লাইবু লাইরি ওঝা!"

"করিনিনা বাবু?"

"ইতৈমা প্রীতমহুব, করম তৌরিবগে? মাব, ইয়াম্বগীনি হায়না লৌরক্লবা হোৎনবদা ওস্থোকনা হাঞ্জবনি। লুহোংবতনি ঐনা বর ওইরক্লবা, ঐনা দাদা শাহুনা হায়নরকপনি। মাদি ঐব, নীংশিংখিদ্রে।"

"ঐগদি অহু অদা থোইনা ঙানরুদে, নীংশিংলমগনিদা!"

"করম্না ওঝা?"

"বাবনা হায়বহুনা হাযরিবা?"

"অচুম্বনিনে ওঝা, ঐনি যশবীর শাহুনা মথোয়গীদা চৎখিবা। ফরে তোকলসি মসি, মাব মশা রাইশংদে হায়বকাদি তাদেকো?"

"তাদে বাব।"

"ঐ মাগা অমুক্তং উন্ননীংবমা লৈ। মাগী মচানেইদনা তৌবা হিংচাবশিং অহুনা ইয়াম্বা ইতৈমা ফাওবা উন্নহনখিদ্রে। ওঝা, মতম অমতা হংবীয়ুবা ঐগা উন্ননবা, মথোয়গীদদি য়াররোই। ঐহাক মফম অমা পীজগে, মঙোন্দা অমুক্তা খঙহনবীয়ু।"

"য়ারৌবীহু বাবু, মহু ঐহাক ওমজ্জরোই।"

"করিগীনো ওঝা? ইতৈমাদো ঐগীদি ইমাগুম্বনি, ঐনা ইয়াম্বদা লানখিবদি পোকমিন্নবনি, ইমা অমতগী খাউদগী তামিন্নবা। ইতৈমদি মীতোপনি, ইয়াম্বনা লৌই হায়বগী ইতৈমা থোকপনি, ঐনা লানখিবা মহাক্লা থক ঙাকপীরোই মহুক্তং শেংদোক্লীংহুনা তৌবনি।"

"জ্যগজিৎ বাবু অশেংবা তৌবদা করিম্নু কিনীংঙাই লৈতে। বাহুনা হাররিবা অহুগুম্না খ্বায়মকী মাংদা ইশেং শেংনা হেক্তা ঙাকপীয়ু। যশবীর বাবুনা নক্লগা, মচাশিংনা করিম্নু হায়গনম্নো। অহুগা ঐমা লোয়না, পাউহু পুত্রনা অরোনবা মফম অমদা উন্ননবা শিনবা, ঐগী ইজ্জিক ঈগা নত্তে। ঐবু য়ারৌবীগম্নু।"

ইনয়হা, চৎলোইদৌরা, কোম্নোক কোনশিন য়ারোইদ্রৌবা, ঐগী

য়াওরাংছু তাবদা জাগজিৎ যুচু ওল্লি, মমায় ঙাংতক তৌই, অদুবু পাক হেকা হন্দে।

"ওবা! ওখাবু অতোপ্পা নত্তে, কুইনা তিন্নরকপনি হায়বগী হায়জবনিদা। ঐনা হায়বা য়াই, অদুদা বাহৈ অমা অনী ঙাংনখিবা অদুদা পুকনিংদা ইকাইবা অমগুং লৈদুনা হায়জবতনি। ঙসিমক হায়বীদবসু যাই, ওয়ানা তান চাবা অমা য়েংদুনা অমুক্কংদি হায়বীয়ু; ঐ লেম্না তোকচবোই।"

"জাগজিৎ বাবু, ঐহাক ঐগী খুৎসুমন্না ইতোমতা হিংবা ঙমগনি থাজজবা মীশক অমনি। ঈশাগী খুৎসুমন নত্তনা ঐহাক অরেপ্পা পংপাম পাম্বা মীশক নত্তে। অদুগা ঐনা হাযজবা ঙমগদৌবা অমদি লৈ!"

"তাকপীয়ু ওবা!"

"যশবীর বাবুগী মাংমন্তুদা, জাগজিৎ বাবুনা হায়রিবদু পাউ হন্দোকপা, প্রীতম বাবুনীদা, বাবুনা য়াদু ইশানা ফোঙদোকচগে হায়না হায়জরকই তন্না!"

হন্দক্তি জাগজিৎ তুমিন্না লৈপ্রে। ঐনা হায়রিবদুগী অচাবা পাউখুম অমা লৈত্র'মাল্লে। জাগজিৎতা তাকলম্লগা ঐহাক অদুম থোকলকলম্মী।

সুমিত্তুদা হায়নখিবা অদুনা হিরম অসোমদা ঐখোয়নীগী অরোইবা ওইনরমই, য়াদু অমুক হৌদোকলকখিদ্রে।

মচিন মনাওগী অমত্তা ওইবা চায় চিন্নমা লোয়নরমগী থৌদোশিং মখোয়বু খঙবা কাংবুনা হৌজিকসু শোন্নরি; মখোয়না ইখঙ খঙহৌদনা কায়নরকপগী য়ায়ী ময়ামক্তুনা ঙকনৈ। ফোকান কন্নিরবা কারবার মশেনগী মরক্তা হেক উন্নবা পুন্নমক্তা হংই ঐঙোন্দা, করিগী কারবাখিবনো হায়বদু। ঐহাক থরমখৈ খঙলবসু য়া অমফাওবা ইচিনচিনা কাংখোকখিদে। অদুবু কদোমফমীনো খঙদে, সুগী অতোমবী প্রীতমগী হায়কলমী মচিন মনাও কায়নবনি হায়নরকই, জাগজিৎনা থিরকপা প্রীতম মতমগী জ্রোপত্তিনি হায়না পন্নরকপসু য়াওই। মৌমী মচিন মনানা থৌদুনমি।

মসিগী বা যশবীর বাবুগী অমসুং মচাশিংগী নাকোং য়ৌরে হায়বসি তাংদাংবমক খওজ্রবসু থাদি থাজরকই। মরমদি মরক মরক্তা মচাশিংনা মমাবু মপুক চুমদবী, মচিন মনাওবু পুম্না পান্নগে থনবী মুপীনি হায়না নোকরশিংদা বারী শাবা ওতুগা যশবীরনা প্রীতমগী মরমদা মরক মরক্তা হেক হেক ঐঙোন্দা রাচান্নবগুম হংবা থেংনরমই। ঐসু করিমত্তা য়াওরুদনা শন অশিবা মনাক্তা লেপন্নুবগী প্রায়শ্চিত ফংগত্রা চিংনদবা ওমলক্তে, অতুমকপু মতমতুদা মতুগী শামিন অমত্তা ফংদ্রি।

নোংমদি যশবীরগী ইমুংদা য়াম্না কম্না থৎনা চৈনবগী ঈরাং অমা থোক্লমই। মচাশিংনা পোৎ লংখায়বগা থোক য়বগা মতা অমা ওইনা তৌনৈ, নোকরশিংগী মচিন্দগী শাংজ দা থাঁনা বাবুনীবু লুহোংবা অমা য়াওবা পুখিবদগী নুমিদাং অথেঙবা ফাওবা হল্লক্তবগী রাথোকনি হায়। করন্না তেনশিন্নখি হু য়বদি মখোয়সু খংদে।

মখোয়না হায়ৎমদুনা খাঁ সাহেব মহৌশাগী ফুরিৎ চাউরাং লীৎলম্বা তোকখ্রে, য়াম্না মচু তানা উরে, ড্রাইভর ওইবা হাক্তক্তগী মশানা অপাম্বা হৈনবী থবক্তু যংলবতুদা মশাগী মৎপতু ফোঙদোকলকপা ওইরমাল্লে। নুংঙাই মাওইবা হায়বসি, লোয়নখিবা, তিন্নখিবা অতুগা পান্নবা শিনযম অতুগী মতুংইন্না খেন্নরকপা শোয়দবনি। বুচু মুজববসু মশা মউ তনাল তনাল, মশম শাংতক জরাই জরাই তা, ফিজোল চানা শেং, মশক মতৌ থোকপগুম তৌই। মহাক রাশি লৈনা উরে। কাউন্টরদা লেপতুনা ফি লাংহোক লানশিন তৌরিঙৈগী খাঁ মচাত নত্রে। অতুগা মাগী থংওন ওনখিবা ওমনা ঐঙোন্দা য়ান্না কোইদনা হায়নীংবমা হায়বদা হেক্তা মহায়দোকপা, মহাকনা ফি হুরান্দুনা য়োনবা ফাওবা তাকপা, করিগুম্বদা চানীং থকনীংলকপদা পৈশা পীবু হায়রম্বা পুম্নমক্তু পুমতোক তোকখিবা অসিনি। ঐবু উবদা সলাম তৌবদগী হেক্তা অতোপ্পা বা অমা হায়খিত্রে। অতুবু হুরাউই ঐহাক, মী ওইরকপগী মগুণ অমনি, মশাগী শক্তি লৈরকপানি থল্লি অতুগা অতোপ্পা

অমনা মহাক যশবীরদা অস্থুপ য়াম্না নকশিনখি মহুঁদি জাগজিৎ বাবুগদি স্থকৌমক কৌনদ্রে হায়না নোকরশিংনা তমই।

পুন্নমক অসে মখোয় মখোয়গী মরম্নাইগী ৱাম্নি। অছুবু নোংমদি যশবীর বাবুনা ঐঙোন্দা, শাহজাদা খাঁ অসিবু করম্বা মীতানো, মণিপুরদা পোকপা নত্তে হায়, চুমত্রা হায়না হংখি। ঐদি মহুগী পারী পুবী ৱাখোং করিস্থ খণ্ডদবর্মিনা খণ্ডদে হায়না খুমই। মখা তানা, মহাক ময়ুম পাল্লত্রা হায়নস্থ হংখি।

শম্না হায়রবদা দোকান অসিগী হান্না লৈরম্বা শকওং শক্তম পুমহোং হোংবগুম তৌরে; মপা মচা, মচিন মনাও, মহাক্তনগা নোকরগা, অমনা অমবু থাজমদবগী মমি অমা তাবগুম তৌরে। পুক্লিংদা হুঙ্গোই-বমা পোক্লকুনা য়াবমখে থাপতোক্লবা হোংনৈ ঐস্থ, ইশা কন্নবা।

থাপতোকপা! কমদৌনা! মকম অসিদগীনি ঐগী সংসারনা হিংলিবদি!

নোংমা দোকান কাখিবদা দোকান থোঙ লোন্দুনা লৈরম্লে। দরবান মপান্দা লেপলমই, ঐবু উবদা বড় বাবুনা চঙবীরকউ হায় হায়না তমই, চঙমিম্লে। ইমুং পুম্না উন ৱাইমুক চিল্লা লৈরমই। যশবীরগী মনাক্তা চঙখিবদা মহাক্লা হায়, "ওঝা ঐহাক শিবনা ঙম্মে, ওঙোকপা ঘটনা অমা থোক্লে।"

ঐহাক ইঙক ঙক্লা তারমই।

"বাবুনীহু ঙরাংদগী ঙদায় চংখিবনো থঙদ্রে, খিবা ঙংদ্রে।"

ঐহাক উংজা পুহুনা তুমিন তাই; থম্মোয়দা চৈনা অমা কাওখি।

"খিবা হৌনবা খিরে, মকম খঙদ্রে। থানাদা পাউ পীগদ্রা? অঙাংশিংনদি ইকাইজে হায়রি। ইকাইবদি লাই করিগুম্বা শিম্নম মাৱ-মলো, মহুগী দোষ ঐখোয়দা পীজিল্লকনি। ওঝাগী মঙ করিনো?"

ঐখোয়গী নাক্তা লৈর্মিবা মচান্নুপা অহন্না তাপ ওকলকই, "শিরম্লে, মহুনা হেন্না ঙম্মে শিজরম্বনি করিনো? করিগীম্থ শিরুগনি, মনাও গুপা জাগজিৎ য়াওগ্রিদনা!"

যশবীর মমায় ঙাংলপ তৌই, মচাগী বাহুদা। য়াম্না তপনা হায়,

"মুপামচা, নখোয় য়ামনা লাম্না খল্লে। ঐহাক পাউ লৌরিবনি জাগজিৎ মুমিৎ মরীনিগী মমাংদা চংখিবনি। মখোয় অনী লোয়ননীংঙাই লৈতে। লোয়নরম্লবদি ফবু ফৈ। ফরবসু ফত্রবসু মহাক্ত নপানা লুহোংহুনা লৌবনি।"

ঐঙোম্লোমদা অমুক, "ওঝাগী করি মত লৈবগে?"

"ঙরাং করম্বা মতমদা কনাগা চংখিবনো বাবু?"

"ঙরাং মুমিদাংবাই মোড়েদা ঐখোয়গী মরী মতা অমগীদা চংকনি হায়হুনা চংখিবনি। পেশেঞ্জর বস অমদা চংখি। শাহজাদাগা লোয়নখি। অহুবু ঙসি তেলিফোনদা য়োরক্কে হায়রক্লে। করম্বা বসতা চংপনো হায়বহুদি ঐসু খঙহোত্রে?"

"এয়ার-লাইন্দদি হংবীরব্রা?"

"হংলে, ইশামক চংলুরে, পেশেঞ্জর লিষ্টতা মমিং য়াওদে, প্লেনসু ঙস্তানা পাইখ্রে। বাঙালী মুপী খরগা, মারবারী মুপী খরগা, চংখি।"

"করিগুম্বা মমিং মথা শাজিমহুনা চংলমলোইকো?"

"মহুদি হায়বা ঙমদ্রে বাবু।"

"ডিমাপুর বস সার্ভিসতদি?"

"মহুগীদমক মেসেজ থাখ্রে। কাংপোকপী ফাওবা লাকখিবা বসশিংদদি থেঙনদ্রি।"

হায়নরিঙৈদো ফোন অমা লাকই, মচানুপানা লৌখৎলগা মপাদা লানশিল্লি।

"যশবীর হিয়ার, হায়বীয়ু বাবু।" ঙাইহাক ঙাংনরগা ফোন থাদোকই।

"কাংপোকপীগী ফোম্নি, বস পুন্নমক চেক তৌরে, য়াওদ্রে।"

"অহুদি বাবু য়াসি থানাদা তাকপনা কগন্না খল্লি। অহুগা শাহ্জাদাদি লৈত্রা?"

"মহাকা লোয়নখিবনি, মাগী পাউসু তাদে।"

"অতুদি মখোয় অনীমক ?"

"উম মখোয় অনীমকনি মফম. খঙদ্রিবা ?"

যশবীরগী মচান্নুপা মী অমা লাকুই হায়তুনা থোকখ্রে। ঐখোয় অনীতা মঙাইহৌরে।

"বড় বাবু, ঐ ব্রা অমা হায়জগে, বাবুগা বাবনীগা খৎনচৈনখিত্রা ঙসি নোংমা নীনিসিদা ?"

"ওঝা, খৎনৈ হায়গদ্রা খৎনদে হায়গদ্রা ঐহাক হায়ভম খংদে। চহী মতাং চাদনা য়ুম পাল্লুবা ঐগী ইরান্নি। অসিগুম্বা খক তৌরোই-দৌবনি। ঐহাক অহন ওইরক্লবনি, হকচাংগী পাঙ্গল য়াওরক্তবা, মহাক্কা মখোক কাররক্লীবীনি। জাগজিৎকা পুম্না লৈরিঙৈ মহাক অসুপ য়ামনা দিল অবস্তুস ওইরমদে। কুম্মৈ ফিয়োং য়েংবা মচংলি, হরাউ হরাউ অতুম মরৈ, অতুবু হন্দক মরক্তি মহাক পংশাওদা মশাওই। জাগজিত্তা হায়রগা মাগী মপুকনিংগী ব্রা ফাওবা হংনীংলম্বনি। নহান্দু মমাদা পৈশা খরা থাগে হায়, কয়ানো হংবদগী অতুম শাওবা হৌখ্রে; অতুমকপু ঐনা লুপা লীশিং অনী অতুম মপীবনি, ইচাশিং ফাওবা খঙহন্দনা। হরবচনগা মুংখিন্দু খংনৈ হায়তুনা পৈশাতু থাররোই হায়রে। অতুবু ঐনা খামজিন্দুনা থাখো হায়না অতুম মপী। মুম্মিদাংতু পংকপতা মকপই, ঐনা ফনা থেমই য়াদে, অতুদা ঐনা শাওতুনা নহাক লাকপদগী ইনাওগমতু কায়নরে কোক হায়দোক্লরে। অতুদগী অমুক তোইবা ভৈরবীগী শক্তম পুথোক্তুনা মতা অমা ওইনা তৌরে। তাপ্পা অতুদা শাহজাদাতু কদোমদগীনো ফুৎ হেক ফাওজিল্লকই। মহৌশা অতুম্না খক তৌদবা অঙাংনি। ঐনা ইকাইতুনা মঙোন্দমতু করিগী ইমুংদা কৌবমতু নত্তনা চঙলকলিবনো মচোংপাক নাইদে চৈক্লরে। তৌবদি মাবু ঐনা লাকউ কৌবা ওইরমলে। মাম্মু শাওতুনা অতুম্না চৈগদৌবা লৈরবদি থবক তোকচরগে হেক খুমদোরকলে। দশাগী দশা ঙাক্তা খেঙনরে! প্রীতমতু অতুদগী অমুক্তা হেম্না শাওতুনা শাহজাদাবু নংনা কৌবমখৈ কৌরগা করিগী ইকাইবা শীরিবনো হায়তুনা ঐনা নৈবীবা তারে।

"অদুবু পুন্নমক্তু পংলাউ লাউনবা হায়বত্তুনি খল্লি। শাহজাদাস্তু ঐনা থেম্বদগী তুমিন্না অতুম থোকখি। মোড়েদা চংপা হায়বসি হান্নন মাংজোননা লেপ্পখিবনি। শাহজাদাস্তু ঐনা হায়খিবা মতুংইন্না ওন্তা লাকই, ঐখোয়গী কারদা চংকদোবনি অদুদা মহাক্না গাড়ীসি বেড়া অমা লৈ, মোড়ে চংপদা খুদোং চারোই হায়বদগী বসন্তা চংমিন্নখো থাখিবনি।"

"শাহজাদাগী ময়ুমদগী পাউকাদি লৌবীরব্রা ?"

"মখোয়স্তু করিমত্তা খঙব্রে মোড়েদা চংকনি ওন্তানা চংখি হল্লক্তে, অসিনি। ময়াম্বনি হায় অমখক লৈ, মহাক্না হায়রকপনি।"

রাজু তুমিন্না তাবা নত্তনা ঐ করিমত্তা য়াল্লমদে।

ঐগী পুকনিংদা চিংনবা অমদি লৈ অদুবু যশবীরদা হায়দোকপা ওমদ্রে, ঐনা মঙোন্দা হায়খিবা হায়ববু থানাদা তাকপীয়ু হায়বসিদনি। যশবীরগী লাইবক্তা ওল্লকলিবা মাগী ইমুংগী ফিভম মতা অসিদা ঐগী পুকনিংদা পোত্থাভম খঙখিদে, অদুবু মহু কোকহন্নবগী দমক করিগুম্বা মতেং অমত্তা পীবদি ওমখিদে। অহোইনদুম শাহজাদাবু ঐনা গাড়ী যৌবা হৈবা ড্রাইভরনি তাকখিবদু নীংশিংলুবদা ঐস্তু পাপ অসিদা শরুক য়ারব্রা খন্দবা ওমখিদে। করিগীদমক ঐনা মহু হায়খ্রিবনো। 'ভক্তিগী মমাংদা প্রেমনা খাঙবা ওমদে' হায়বদুরা ! হৌজিক ফাওবা চমমনরি।

তরুক

যশবীরগী দোকান অতুম মহাংই ; নোকর, চাকর, সেলসমেন পুন্নমক মাগী মাগী মখৌ ওতুম মতৌই অদুবু মখোয় পুন্নমক চিবোন চিবোন থারী শাগৈ ; ঐসু ঐগী ইখৌ অতুম মতৌইদি হায়ববু পুক্নিংদি থাই ইশং শংখিদে। যশবীর চহী য়াম্লবা মীনি, ক্লংগাই থাইক লৈবগী, মশক মতৌ ফজবগী, ফিজম মৃত্তি চুপ্পগী চংনবা ময়াবনি। খোকত্রিবা খৌদোক য়ামনা মু গাইতবা, ইকাইনীংঙাই ওইবা, খৌদোকনি। হাক্তক অতুদগী মহাক মশক মচু ওনখ্রে, নোকরশিংগী মরক্তা কনানা শাংজাদানা ফাতুনা পুখিবনি, থরনা মশা মশা য়ানহুনা চেনমিন্নখিবনি, থরা অমনা জাগজিংনা হায়তুনা প্রীতমবু মাগী ওইগে হায়না চেনহনবনি, মথল মথলগী রানা পীক থল্লি। যশবীরগা তিন্নবা মরুপ মপাংশিংনা হংবা লাকই, কনানা মুংশাইগনা চংখি, কনানা নোক্নুনা হনখি।

নেংসা নীনিগী মনুংদা জাগজিৎ লংফেদগী হল্লকলে ; ঐনা দোকানগী থবক লোইহনা খোকলকপদা মা থেংনৈ। মহাক অতমননা ঐবু ভাইরম্না ওইরমল্লে। ঐবু উবদা চা থকউখিসি হায়হুনা মানা নৌনা ভাড়াদা লৌবা গুদাম অমদা ঐখোয় অনী পুন্না চংখিম্লে।

মাগী গুদামদা।

"ওঝা, হুন্জকী খৌদৌসি ওম্খোয়া ইকাইখ্রে, লাকচনা তৌখ্রে। ফন্নবসু ফত্রবসু যশবীর ঐগী ইয়াম্বনি।"

"বাবুবু করি পাউ ভাবীবগে?"

"ঐসু তানীংবনি মহু ওঝাদগী। মহাক খিবা কংদে হায়বদগী হেন্না করিমতা তাত্রে। ঐগী ইয়াম্বনা পোকপা অঙাংশিংসিনা ঐবুসু মত্ত নত্তবা ওাক হায়ম্নমাল্লে, খিবা খোংপা য়াওগদৌবহু হন্জোয়বা'মা পোকলে। মহুগী মুপীন্দা বেত্তানি ওঝা। ঐগী ইয়াম্বতাংবত্তনা ঐ

ফাওবা মাঙ-তাক্লবনি, মাতা লৈবীরবদিকো হাযতুনা তহন অসিগী য়েংতুনা ঐসু ফনা পাংবনি। ঐগী ইপোৎ ইচৈ ফাওবা চেন্নথ্রবনি। অতুগা পাঙল মচাদো, মহা তৌঙমথ্রবা জাংনি, মখোয় অনী চেন-মিন্নখিবা ওইরমগনি। মখোয় অনী মতম চাদবদা চিবোন চিবোন লৈমিন্নরবা ঐহাক অমুক অনীরুক থেংনরবনি, ঐবুকাসি মানা সলাম তৌবদি লাইরতুনা কৌখিত্রবনি। ঐগী ইয়াম্বনা মাবু করিগী অতুপ্প থাজক্লিবা ঐহাক খঙদে। কুম্মৈ য়েংলে মাগা চৎমিন্নহল্লি, কৈথেল কাম্নে থাদোকই, মীনা হায়নরবনি। শিবনা করবনি, ঐখোয়গী থানাদা খোকখিত্রিবা থৌদোক্লি ওঝা। ওঝানা থরা হায়বীয়ু, মখোয় কলকাতাদা শোয়দনা লৈরমগনি, বিদোন ঠিট্রা।”

“বড় বাবুনা হৌদোকলক্ত্রবদি ঐহাক থাকম অসিদা বরিমতা য়াওজনীংদে, ঐহাক নোবরনি। ববুগী পোৎচৈ চেন্নখি হায়বতুদি করি করিনো?”

“মমল য়ামথ্রবা পোৎ লৌথ্রবনি ওঝা। মুপীগী মায়া অংকপনি ওঝা। ঐসু নহানিদো মানা নে নে তৌবতুদা পীথোকক্লিবনি। ঐনা ওঝাদা মাগা অমুক্তা উম্নহনবীয়ু হায়বত্ত মতুগীনি, ওঝানা থাবীখিদেদো।”

“বাবুনা শেংনা হায়রবদি য়াগদৌবা!”

“অমুম তৌখিনি হায়বসে হেক থাজরুদে ওঝা। ঐখোয় পুন্নমক গথা চুহোরে। হৌজিকপু কমদৌবা তারিবগে?”

“মমাগী হায়নক্লিবসিনি। যশবীর বাবুনা থানাদা পাউ পীগ্রে মখোয়বু ফাননবা। কংগত্রা ফংলোইদ্রা অতুদি খঙদে।”

জাগজিৎ পাউ অসি য়াম্না খৌরাংনা উই অতুবু খঙবন্নিবা হায়নীং-বাই করিস্ত লৈখিদে। মহাক য়াম্না ক্লনাংখি। জাগজিৎনা মথা তারকখি,

“লংকৈদা রানা চৎলুরগা য়ুম য়োমককলগা ক্লঙাইগন্ত্রা হায়রবু থাজোকপা থোদোক থেঙনরে। মাংহৌশাদোনা ঐহাক খিদগে হায়গদো-রক্লপর। ঐনা খিরবদি শোয়দনা কদনি থাইক্ত মমায়দি ঐনা খিন্দুনা

চংহনখিরনি হায়না ভাংনবসু য়াওমাগে। ঐগী শাক্তংননি। ওঝা, ওঙোক্লা লাকচখিদা, ঐনা শাওনীংবদি পাঙল মচাতুনিনে, নিমক হারামদো!"

মখোয়েল তনীক তনীকই, মপী ঈরা চেল্লি। কমলসুন্দরী কুক হৌগত্তনা উপু হাংদোকলগা হুইসকী লীকলি অমা পুথোকলকলগা,

"ওঝা রাব্রোবা য়াদে, ঐহাক মসি নত্তনদি পোথাভম খঙ-লোইদৌরি।"

"অত্তুদি বাবু অতুম তৌরীহৌরো ঐহাক চংচরগে।"

"ওঝা মাপ তৌবীয়ু, মিনিট অমত্তা।"

হায়মরক তৌমরক ভাইহাক লেপলিঙৈ যুগী বোটলত্তু হাংদোকগা গিলাস অমদা হৈদোকগা কুং য়োংখি। অত্তুগা টেবলদা গিলাসত্তু থমলে, ভাইহাক ত্তুমিন লৈরুরগা,

"ওঝা, মত্তুগী মুপীদো মহা তৌগনীনি। মুমিদাংদা ঐগী কাদা ফাওবা লাকই, মী খিঙং তামবদা ঐগী ইতুং ইল্লি, অত্তুগসু মানা ঐঙোন্দা ঐবু থায়নগী দ্রৌপতিরা, নচিন ননাওগী মুপীরা, অসি ফাওবা হায়খি, মানা ঐবু হৌরমখে হৌরগা। ওঝাসু খঙলিনিদা!"

ঐহাক তাবা য়াররুত্তুনা চংলগে হায়রগা থোক্লকলে। খোঙ-জিন্দা থংলগা অমুক হায়, "ওঝা শাওত্তু, ওঝাসু প্রীতত্তু পামইনে! পামত্রনে?"

"ক্সাগজিৎ বাবু, নহাক ময়াই কাবা পোং থকলি, ঐহাক চংলগে। মুংদাং অসিদা নহাক্লা ভাংলিবদো অতাবা য়াওরবদি করি খনখিনি নহাক খঙত্রামাগে!"

মারু ইহোকলগা ঐ গলিদা থোকলক্রে। খোঙজিন্দা ঐবু কৌ কৌতুনা অতুম লৈহৌরে।

অঙকপা মীওইবগী শাক্তংনি। মহাক্লা তৌখিরা ফত্তবশিং অহু কনাসু খঙদে হায়না মথন্তা থাজে, থাজত্তুনা খাঙলি। মু, থকপাগী হৌরকীয়া নরুগা অসিগুম্বা মীশিংগী চেত্নগায়া! হোই ফজবা থবক তৌবা হায়বদি পংকুই কুইনা লোংপদি ওইথোক্লে। মথং মুরিভা

প্রীতম শাহজাদা খাগা লোইননা কলকাতাগী বিদোন ষ্ট্রীটা পশ্চিম বঙ্গগী পুলিসনা ফারে নোংমা নীনিগী মতুংদা মণিপুর য়োরবগনি হায়না পাউ ফংলে তমই। যশবীরনা তুমিদাংদা ঐগোন্দা হায়,

"ওঝা মহাপাপী অনীদা কলকাতাদা ফারে। মণিপুর য়োরক্লবনি। ফারমদনা থাদোকলম্বনা হেন্না করমগত্রা ঐহাক হৌজিক্কো নীংগমলক্তে। মখোয় অনীতুগা ঐগা ম'য়োক্লতুনা লেপনগনিকো খনবদা ঐহাক তনা লোয়রে। হুরববচন্না হায়বগুন্না কেশ তৌরমদবনা ফগদোবনি অদুবু শিবীরমদবগী ফংনিদো কনাগুম্বনা ছাত্তোপীরমলবদি ঐখোয়বু বদনাম তৌগনিদো। মখোয় অনীমক মণিপুর য়েংকলে, ইম্ফাল জেলদা লৈরে। মখোয়গী জামিনগী বিচার হুয়েং তৌরগনি। ঐদি কোর্টতা চৎপা হঙ্গোইরে, ওবানা খরা চৎপীযু; ঐখোয়গী উকিল য়াওগনি। সুপ্তগী কেশকী পাউ তাবীগদৌবতনি। মসে ঐনা ইচাশিংদা ফাওবা তাহন্রিবনি।"

ঐ মখোয়গা উন্ননীংদবনি অদুবু মখোয়গী মতৌতুম্ব য়েংনীংবমা পোকই, তঙাইফদ্রতুনা চংক হায়না য়ারম্মী।

মথংগী সুমিল্লা ঐহাক কোর্ট্টা ঐখোয়গী উকিলগা লোয়ননা বিচার তাবা চৎলম্মী। প্রীতম নিংখিনা শেং-চাই। অপাম্নবী বুচুনে, মপোপ মতাং, তিংদা য়াংদা চুম্বী মাগী শাবান তম্নুদা কুর্তা সালন্নার শেং, অদুগা শাহজাদা খানা মাগী থায়নগী ফুরিৎ চাউরাংদুগা মহুন্নরবা অরাওবা খোংগ্রাও অমা শেং, মখোয় অনীমক আসামীশিংগী কমকম ডোক মতুংদা কম্বা উই। ঐবু উবদা শাহাজাদা মক লুকথখি। ভাইহাক লৈরগা কেশ হৌরে; মখোয়রোমগী উকিল্লি হায়তুনা বাঙালী উকিল কলকাতাদগী লাকপা এ, সি, সেন হায়বা অমমা লেপলম্মী।

হেক হৌবমক্তদা উকিল সেন্না মাগী ক্লায়েন্ত প্রীতমগী বা অমুম্না পুখৎখি,

"প্রীতম যশবীরগী নুপীনি হায়বসি আইনগী মতুং ইমজি সুক্সে অক্লবু কোর্টনা খঙবীগদৌবদি মহাকপু যশবীরগী নুপী ওইনা খাম্নম

শোরিহুনা লুহোংখিবনি হায়বসিনি। যশবীর চহী ৭০ দগী হেল্লবা মশা কেমলবা, মুপী অমগী মপুরোইবা ওইবগী শক্তি লৈরম্মি, অয়া ইমপোর্টেন্ট ওইরবা মীশক অমনি। মহাজনা মাগী মনাও মুপা ... বৌবা অমবু যশবীর হায়বদুনি হায়না মীনমহুনা লুহোংনবগী প্রোপ্রোজ ভৌখি, লুহোংবা মুমিত্তা যশবীরগী মমায় পুমথুম থুমজিন্না লৈগী পরেং হাপ্থখি, শক উহনখিদে; লুহোংবগী মুমিদাং অমতুং মতুং মুমিৎ কয়া ওৌতমগা উন্নহনখিদে। লুহোংলবা মতুংদা প্রীতমনা যশবীর অসে মশাগী পাঙ্গল য়াওদ্রবা তহন শিগেজন অমনি হায়বসি থগুলকখি।

“তুংদা মহাক্না মাগী মুপীমু মনাওমুপা জাগজিৎকী মথুত্তা পুমথা থাদোকপীখি, মহাথপু শাম্নগোৎ ওইহনখি। কাইনথংদা মুপীমচা অসিদা মরান শীজিন্দুনা ইমুং অতুদগী তাম্বোকখিনবা হোংনে। মসি মাগী হান্নগী মুপীনা পোকলম্বা মচাশিংগী থৌইনশিনদগীনি।

“শাহজাদা খাঁ প্রীতমগী ড্রাইভরনি, প্রীতমনা মপুনি। প্রীতমনা ইমুং অতুদা লৈবা য়াত্রবদা শাহজাদানা মাবু ময়ুম তান্না থিনবীরুনবা যশবীরনা থাবনি। মখোয় অনী যশবীরনা রাইবা গাড়ী, কার অমদা শিলচর কওবা থিল্লি, শিলচরদগী কলকাতা তান্না প্লেনদা চংলি। মশানা য়ানা প্রীতমবু মাগী নোকর থাদুনা থিলহল্লগা মরাইবক থীরবী মুপী অসিবু ইকাইবা পীনবগীদমক মরা লৈনা লৈনা য়ুমবাল্লি হায়বগী ওইদবা কেশ অসি ভৌশিনবনি। যশবীরনা নেকপা গাড়ীগী ড্রাইভরনা পীবা রসিদ কোর্টতা দাখিল তৌজরি।

“শাহজাদাদি চুনগী মহাজনগী হুকুম ইঙ্গবতনি। মহাজনগী য়াথং উনবদা মাগী করি মরাল লৈ? মখোয়না লৌনা লৈনহুনা, মতৌ মনাও ওইনা লৈমিন্নগে হায়রবদি শাহজাদাগী ময়ুমদা মত্রগা মাগী মরূপ মশাং অমগীদা মণিপুরদা অনুমক লৈবা রাই। লাঞ্জবা মীশক অনী অসিবু বলনাম তৌনবা, মপুন্জি মাওনবা 'হায়জিনবনি হায়বসি কোর্টনা লৌখীমু। 'মখোয় চৈম চোংগদৌবা করিমু লৈতে'; মতিক চাবা জামিন পীজদে 'জামিনদা থাদোকপীমবা' 'ঐনা হায়জরি'।”

যশবীরগী উকিলনা কন্না কন্না হেংলি অদুবু মহাক যশবীর চহি ৭০ গী মুথকনি শাহজাদা মখোয়গী লোকয়নি, ড্রাইভরনি হায়বসিদি চেনবা ঙমখিদে। কোর্টনা খুদক্তা মখোয় অনীবু জামিন। থাদোকলে হায়না য়ায় পীখি।

ঐহাক কোর্টকী হুকুমসি তাম্বগা অতুম থোকলকলে ; ঐ কোর্টতা লাকই হায়বসি শাহজাদানা উত্রবনি। মখোয় অনীমক কোর্ট মমাংদা ঐবু ঙাইহনা লৈরমলে ; ঐবু উবদা শাহজাদানা মথুং অমী লোয়হনা থুরমই, প্রীতমসু মকোক শুনলগা ঐঙোন্দা নমস্কার তৌরমই। ঐ মায় ঙাংখি, মরমদি ঐনা লাকখিবসু মখোয়বু কাগে পুলগে তাম্নরিবা কাংবুগী মীচমদনি হায়বসি ঐহাক কাওথোকপা ঙমখিদে। মখোয় অনীমক মথা তাবা য়া অমতা হায়রক্তে। ঐসু অতুম থোকলকলে। লম্বীদা অসুম লাকপদা মখোয়গী উকিলনা শাহজাদাবু প্রীতমবু থিল্লুনবা মহাক্কনা থাবলি, শিলচর কাওবগী গাড়ী মহাকনা রাইবনি, শাহজাদাগা প্রীতমগা করিসু মরী লৈনদে হায়খিবসু হন্না হন্না তাম্নকই। অচুম্বক ওইরমগদ্রা নীংকোক নীংকোক হুংঙাইতে। অাফম অসি শাহজাদাদা অহুক্কং হংনীংলমই।

যশবীর বাবুদি ঐনা য়োৎক্তি টৈ মমাংদা মখোয়বু থাদোকখিবগী পাউ হান্না তারমলে। ঐনা পাউসু তমগে তৌবদা খঙলে ওঝা হায়না তাকপীরমই। পাউ অসি ঐনা ইচিন্না তনজদবা অসিমক ঐগী লাইবক ফবনি। ঐনা য়েংখিবদা যশবীরগী মমাঙ্গ মায়থোং হায়নীংঙাই লৈতনা লাংশিন্নি ; থঙহৌদনা মহাক চহী লৈ শিল্লবংম উরমই। মুমিরমগী হৌনা মী পুল্লমকপু থাজরম্বা মহৌশাগী যশবীরসু ওইখিদ্রে, মহাক্কা মতম পুল্লমক্তা য়াংবীদ্রোনা কন্দুনতা লাকখিবা, মনাও মুপা জাগজিংকী বা, পনবা য়াখিদ্রে, মানা পোকপা মচাশিং কাওবসু কিক্কুকচনা লোয়নবা উরে। শক হেক উবদা হয়াউ হয়াউ তৌবীরম্বা, অহুপা ইমুংগী অরোন অথুপ কয়া তাম্নবীরম্বা ঐঙোন্দগী কাওবা মহাক থংলাপ লাপথোকখিবগুম তৌরে। অহুপকী মতিক লাপথোকপমক্তে

হায়না ঙিনবমা পোকলক্লুনা ঐহাক মাক্লমন্থু মানা থবক অত্তোপামা থিরসিন্না থন্দুনা থবক্তুগী পোথারগে হায়না হায়জখি। মতম অদুদ্রা যশবীরনা ঐঙোন্দা থক্তহনখি,

"ওঝা, ঐগী ইচাশিংসি য়ামনা নৌরি। মথোয় ভাক্তা থাদোকপা মতম চাদ্রি, ঐদি ওঝা লৈরি হায়দুনা করিমতা য়েংশিল্লবরি। ঐনা জাগজিংতো পুন্নমক্সি শিন্নরমগে থল্লবনি অদুবু মহাক ওথোক্লা ভর্ম-থীরবা মীশক অমা ওইরমলে; ঈশ্বরগী থৌজান্না ঐহাক মাবু মতমচানা মশক থঙবা ওগ্নলে। ঐনা হৌজিক ভাইবংপান অসিদা থাজগদোবা কনানো? ঐহাক মানা হায়বতা তৌহুনা লাক্লপনি। মহাক ঐগী ইচাদগীস্থু হেন্না মুংশিবনি; থাজবনি, অদুবু ঈশ্বরনদি থৌজানবীন্রে। ইনাওনি, মানা পাম্বহু তৌজরসন্থু। ওঝাগী নীংবা থুংদবা করিনো? তলব য়ামদবগীরা নত্রগা ওঝাস্থু জাগজিংকীদা য়াওবীরগে থনবনরা?"

ঐহাক শ্বাই লাউই, শাওনীংবমস্থ পোকখি,

"মহুগী নস্তে বড় বাবু, ইমুং অসিগী অন্না মুংঙাই কর্মী ঐস্থু য়াওহুনা লাবলবনি। ঐহাক বড় বাবুনা থবকসি তৌহল্লকপনি? মসিগী মপান্দগী ইচাশিংবু থাকললকপনি, মীরক তিল্লকপনি। ঐহাক থাদোক-নীংদবনি। বড বাবুনা য়াম্না নংঙাইহনা লৈবসি উবদা ঐহাক ওম্বোকনা নংঙাইজদে, অতোপ্পা থবক অমা থিসিন্না থজবনি। ঐনস্থু করিমতা পাংবা ঙমদে। অদুগা জাগজিংকী দোকান্দা য়াওগদ্রা হায়না তাক-পীবহুদি ঐবু ইকাইবা পীবনি।"

যশবীরনা নোক্লগা হায়রকই,

"ঐহাক লানগ্রে ওঝা, ঐবু ভাকপীয়ু! ঐহাক পুন্সিদা মায়-থীরবা মীনি। ভোগী অমা ওইরম্বগী ত্যাগী অমা ওনগে হায়রবদি থরা মাবা তাবনি; তাইবংপানগী হিংনবগী মীনম শোরিবা, ওইজ ওইথকী মিহৌবা, মসি থাপতোক্লবা ঐনা হুইসিয়ার থিজং তৌবনি। ভোগীশিংনা মহুবু লান্না উই। ঐঙোন্দা করিমতা অমকপা লৈরে হৌজিক। প্রীতমগা শাহজাদাগা অনীগী মথক্তা তৌখিবা কেন ঐহাক

থওইরক্তে ; করম তৌগ্রবগে হায়রবা কাওবা থিরক্তে। অদুগা ওব্বা, রামনা মুংঙাইবা পাউ অমনা প্রীতমগী দোকান অমা তাড়াদা হৌগৎখ্রে। মখোয় অনী হৌজিক বন্দকাতাদা দেংখি হায়। মখোয়না কয়াগী পৈশানা দোকান তৌগনি ওব্বা ? জাগজিৎতগী মফম যঙ্গবা পোৎ অমা লৌখি হায়রগে ঐহাক হৌজিক্তা ভাব তারকলে। লৌখিসন্নু ঐহাক করিম্ হংগদে। ওব্বাগী তলব ঐনা শোয়দনা হাপকনি। অকায়খিগদি থাদোকপীবা য়াদ্রি।"

মাহু তাবদা তলবকীদি লাইরম্বা ঐগী পুকনিং মাই শংবমা কাওরমই। ঐবু চিংনবা লৈরমদবা মাগী বাঙালদা ঐহাক হৈনীংবা পোকলমই।

চরেং

নোংমা তায়ুক থবক কারবগদা ঐগী তেবল মথক্তা ঐগী মিং থাদা য়াম্না টাঙ্গিরবা অংৌবা চেখাউ অমা তাহ্না লৈবন্দী। ঐনা হাংদাক্লুনা পাক্লবদা 'হোটেল হোনি ভিউ, বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড' হাংদোকপদা ঐবু য়াওবীরকবা তৌরকপা বার্ত্তন চে ওইবমলে। মাহুক তৌরকলিবনা মিসেস ফতিমা হায়না থাই। আর, এস, ভি, পি, হায়না হৈরিকহুগী মথক্তা ফোন নম্বর অমা পীরি। মিস ফতিমা কনানো হায়বা ঐহাক থংদে। ঐনা ঐখোয়গী রমর পিওন বাহাদুর, কৌশিল্পগা হংবদা মপা অমা লাক্লুনা ঐভোদা পাগীম্ হায়মা শিন্নরমই তম্মি।

বার্ত্তম্ন শুমিং অত্তুমক্তা মুংথিল পুং ৪ তাবদা পাঙথোক্লবীবা থৌরমগীমিং মুনিদাং কাওবা চথগনি মৈতৈ জগোয়গী আইতেম থক্লহু যাওরি। অসিগুম্বা বার্ত্তন হজার মহুংদা লৈবনিনা মহৌশাম্নু শংকা মংবী অমুহু কনাওবা অমনা ঐবু ভি, আই, পি, অমগুম্না অহূপ টেকশিন্না

খাগেন খারকপসি অমুক্তসু খেংনখিদ্রি। শিগদৌবা থন্নায়মি য়াওহুনা য়াওরুগে নীংলকই। পুংফমদু ডাহিহুনা ঐহাক থবক শুবা হৌই। থবক শুরিঙৈ চৈরক্তা যশবীর ইথা খাজদনা ঐগী কাদা চঙলকলম্মী; চংলেরুগা, ঐনী মাংজা তারিবা বার্তনচু লৌথত্তনা পাই। পারম্মা হায়রকই,

"ওয়া, ফংসন অসি য়াওবীরুগদৌবা লৈরবদি থবক্তু থরা ঙম্না লোইশিনবীনবা তৌবীযু।"

"ফনি বড় বাবু, জগোয় ইশেসু য়াওগদৌরিমাল্লে, য়েংঙসিরা খল্লি।"

"ঐসু য়েংলুসিরা থনবনি, ঐদি থরা থেঙনা লাক্লগে।"

যশবীর নোক্লুনা থোকখি। মাগী মখুত্তা ঐঙোন্দা তৌরম্বা বার্তনচুগুম্বা চেথাউ অমা পায়খিবচু উহৌই।

মুমিচুংগী হিসাবতু ঐনা লোইশিন্নীংবগা লোইশিনবা ইয়া য়াদহুনা বার্তনদা থারকপা পুংফমচু খজিক নাম্নোকত্রে। হেক লোইবগা ঐহাক চেল্লি অনৌবা হোটেল হোনী ডিউ তান্না। অনৌবা হোটেলচু হাংদোকখিরম্বে অচুবু রিসেপসন তৌবা কাংবুশিং, মতম হেনগ্রবসু হেন্না, লাকলিবা মীশিংবু তরাম তরাম ওরুনবা ঙাইহুনা লৈরমলি। মণিপুরদা পুং মতম চানা শাঙথোকখিবা থৌরম অমত্তং হায়বা তারবদি মুমিৎতুগী থৌরম অচু শীংথানবা য়াই। হোটেলগী থোংজিন্দা অশাবা চে অমসুং বিনারগী ফজরবা ঝুম ঝুম লাউরবা লৈ পবেংনা নীংথিনা লৈত্তেংই। মচুং চঙখিবদা চাউরবা কান্নী মচুংদা তিল্লমলিবা মীয়াম অঙকপমা শুইরমলে। মণিপুরগী থমদোং য়াইতোং, হায়বা ঙম্বা, তৌবা ঙম্বা, অমসুং য়াওবদা শুকলবা, মীশক মীওইশিং লৈরাক লৈরাক থন্না লৈরমলে, ঐগুম্বগী লেংদি হুউবু উত্রে। মতুদা চিথরমলিবা হায়ববু ফমচাউদবা, লাইরিক লাইসু ইবশিং, মশানর্দি সমাজগী থবক্তা থম্নায়দি য়াওজবা, মফমদি চাউদবা। তাত্তুগা মফম চাউত্রবসু মী নপথোক্কি নপশিন্দা হৈবা কাংকু মী হেক উরিমথে সলাম কোৎকনবা, 'অচৌবনা

নোকপদা মশামদা তিক্রি হোৎপদোনা শিথবমখৈ নোকপা, মখোয়না কল্পনা মমা শিবদোনা কপ্পা ওম্বা, মীগী মখল শুনা তিল্লমলে। মীরক মীচম্থি তারক্লনা চগুদি চগুশিল্লুরগা ফমফম খণ্ডদক্লনা হুইওক য়েংওক চারিটৈ, পাখং মচা অমা চগুলক্লনা মথুৎ লোম্নরগা য়ামনা ইকাই খুম্না হায়, ঐঙোন্দা,

"বাবু অসোমদা, খাঁ সাহেবনা লেঙশিনবীরকউ হায়জরুকই।"

কনানো কৌরিবত্থু নত্রগা কৌরকইবত্থু খংদনা ঐগী তৌত্তম খণ্ডবা অক্লদগী ইতোমতা চোংথোকচক্লনা মুপাক্লগী মতুং ইন্দুনা চগুশিল্লি। কাজাউ অক্লগী অরাং থংবা কাচিন অদোমদা অমুবা ফেজ কেপ অমা উপলক্লনা ওম্থোকনা থাজরবা মুপা অমা, ফজরবা ক্রীম মচুগী ক্রোস চেকী মুট অমা শেত্তুনা, ঐঙোম্নোমদা 'সলাম আলাইকুম' হায়রক্লনা ওকলকই। থাজদক্লনা মাবু মুন্না য়েংই, ঐমু খুং অনী থাক্ষংলি। মচু তাদবা, ফিজু য়েংদনা শেং-চাখিবা শাহজাদা খাঁনা অক্লন্না শেং চাক্লনা ঐবু ওকলমগনি হায়বা বনানদি থাজরুগনি!

"লেঙশিনবীয়ু ওবা!"

মথুংমকনা চিংথোকই চৌকীত্থু, ঐনা কম্নবা অক্লগা কৌই চানথরুবা পুরিবা অঙাংশিং অদোমদা "হাই, চা চানবা, অসোমদা।"

চৌকীদা ফমথরে। অরাং থংবা ফকলাংদা চাউনা ইরিবত্থু উই—
"Welcome to Hotel. Honey Dew, Hotel and Restaurant combined at reasonable rates with satisfying service. Proprietress, Miss Fatima."

মিস ফতিমাগী নোকর খাঁ সাহেব, ঐনা থাজরমই। মাগী ফিজোন মতা, লৈরমলিবা ফিত্তম, ঐহাক মাবু ইকাই খুম্নবা ওমলমদে।

চিংৈনা পুশিল্লকই ঐগী মাংদা, চাউরবা প্লেট অমদা কোং কোং শারবা চোপ, দালমুত অক্লগা রসগোল্লা হাপ্পা, কজরবা, পুরবা, ঈশিংগী লিকলী গ্লাস অমগা।

খাঁ সাহেবনা লাপত্তক লেপ্লগা,

"হাবীয়ু, অঙন্বা খরা সেবা তৌজবনি, অহাও হাওতা খিবীবা য়াদে। মুংঙাই য়াইফজগে!"

"খাঁ সাহেব মঙ্গল ওইবীয়ু!"

ফমলিবা অহাংবা কাপী খা থংবদা কা অমমুক লৈশ্রি; অদোমদগী মী ময়াম পংচও মচওখি। য়ামনা লাংই কা মমুং অদোমগীদু। ফিঙৌ ওাক্তা শেৎলবা, অঙৌবা ফিজমগী অচেপ্পা তুপী উপ্পা, তুপীগী মচিন্দা পিথ্রাইনা শাবা, ইরং লংবা, HHD থেংপা, মশা খিংবা পাখং অমা খাঁ সাহেবতা সলাম তৌরগা মখোয় অনী চিকপরুনা য়ায়ী শানৈ, মওক হাইনৈ; অদুদগী চংখিদুনা অরাংগী কা অদোমদা লুমনা উরবা উপু অমা মখোয় অনী চওদুনা থাংজিনখি। মা য়ামনা লাংনরিবা কাদনি। মথল মথেলগী চা-ন থক্লবা ওইরবমাল্লে।

চাবা হেক লোইরকপদা কপ প্লেট অমুক থমলে ঐপী মাংদা, মতুদা হৈথরৈ টিপোট অমদগী মচু ফজরবা, শঙ্গোম চিনি চপ চানা থাকদোগুম উরবা, মনম মুংশিরবা চা। মুমিত্তু ঐহাক মহাও খওনা চারে হায়বা য়াই। চা থক্লা থক্লা উই খাঁ সাহেবনা টেবল অমদগী অমদা, থোঙ অমদগী অমদা, য়ামনা হৈনীংনা কোইচৎ চত্তুনা অরাং অপা হংলিবা, অরাকপশিংদা মখুং লোয়রতুনা খোইরুম নোক্লনা ওকলিবা, চংখিগদোবশিংবু থিন্দোকলিবা। ফিগী দোকান্দা ড্রাইভর ওইগে ফংলতুনা সেলসমেন ওইরম্বা, ফিজেং চাকচেং মথোং খওলমদবা, বুচুনা উচুক মৈচাকপা মাল্লম্বা, অতুঙৈ অওাং ময়ামনা ফৌনখিবতু মুংশিতুনা, খাঁ সাহেব ওসিদি চানবা খাঁ সাহেবমক ওইরে। মাবু য়েংবদা চাগী মহাও খওহৌদ্রে লোইখিবনা হানল্লে।

চিঙৈ লানশিল্লকই ঐঙোন্দা চা লোইগ্রে খওবদোনা, মাপী ফুরিথাউদগী, অশাংবা উপুদগী, চিনচুপ হাপ্পা চুরুপ মচে অমা, য়োংকী মৈথেৎকা কোমনা। লাম্থোকলকলিবা মখুংকী খুনিংথৌদা লংলবা সনাপী খুদোপ, লংনা ওাংলবা রুবী থামবা। পকচনা উই, মজৈ, মখুৎ খুৎশাতু তুমত্রিক তুথোই নীংই।

মানা হায়রকই, "একাউন্টেন্ট বাবু, পুংখায়মুক্তা পোখাবীখো, জগোয়গী প্রোগ্রাম অমত্তং শীঞ্জরি, ওসিদি য়েংবীখিদবা য়াদে। মণিপুরগী অফাওবা কাংবুনি।"

ঐনা খুমফাত্রিঙৈ কনানো অমনা কৌরক্লুনা মহাক খোকথি। ঐহ্র য়েংখিহ্নুত্তাইদনা, মোং ফাদোক হ্নুংগাইথোকপা শাই পুনসিন্সি, ময়া য়াওব্রবা, চৈগু শুরবা, মপ্পাং কোনবা, চহী মত্তাংমকক্থ নহ্রি খল্লি। চিঙৈনা শাহজাদা খাঁ ঐগী নাক্তা চংলকই অক্লুগা হায়,

"একাউন্টেন্ট বাবু, মথক্কী কা অসোমদা অমুক্তা লেত্তথংলুসি, মিস ফতিমানা সলাম ভৌজাগে হায়জববকই।" মিস ফতিমা! হায়মরক ভৌমরক, কনানো হায়বা হুপখঙ হেক খঙদনা ঐহাক শাহজাদাগী মখুং ইন্দুনা, কাগী মন্নুংদা লৈবা সিড়ী কাখত্ত্না, মথক্কী কা তাল্লা চংলে। অচৌবা কোবাইদর মাল্লগা, থোঙ অমা হাংদোক্লুনা লৈরম্মী। থোঙজিনপাল্দা সালরার কুর্তা শেং, মখমলগী ফিজিলদ তঙাংবা কিনাব লোনবা হ্রুপাত্তা অমনা মকোক খুমলত্নুনা, হুপী অমা ঐখোয়বু ভাইত্নুনা লেপলমলে। মহাক্ক উবদা ঐহ্রাক শাই লাওই; মখুং লোল্লত্নুনা ওকই ঐবু, "নমস্তে একাউন্টেন্ট বাবু!"

লাকলমদবনা কবনি খল্লকই, মহাক মিস ফতিমা কৌজরবস্থ যশবীল্লনা লৌরম্বা প্রীতমনি।

য়ামনা ইকাই লেংহ্নলনা কাগী মন্নুংদা ঐবু পুশিল্ল, শাহজাদা খাঁ অমস্তং মিস ফতিমানা। মখল মখলগী অথুম অহাঙনা প্লেট চোল্লা হাপ্লগা থমলিবা অপাকপা টেবল মন'কী চৌকীদা ঐগা ফতিমাগা ফমলে, শাহজাদাদি লেপ্ত্না লৈরি।

ফতিমানা হায়রকই,

"একাউন্টেন্ট বাবু, ঐহাক মপোক অমা হোংলে। খঙবীরগিনি ঐগী মিং ফতিমা, মিস ফতিমা।"

"ঐ চৌজিক্তা খঙজরিবসিনি! উরদবা কুইগ্রে, হ্নুংঙাইবীরিদনা বাবুনী?"

"পুংঙাই ছায়গন্ত্রা, ঝাই ছায়গন্ত্রা হায়ফম খঙদে একাউণ্টেণ্ট বাবু। পুন্সিদা অসুমনা তোগে হায়না য়াংপসি খক য়াদবমাল্লে। ঘটনা অহু থোকখিদেগী পুন্সিদা অঙকপা অওনবমক্তা থেঙনগ্রে। ইমাহু লৈরমলবদি মসি থোকলমদবা য়াই।"

"ইমাবো, কৈদৌরবা ?"

"শাহজাদা সাহেবকা লোয়নহুনা ইমাগী নাক ভাম্না চৎপনি। মাবু ঐনা নেকচহুনা ইমাগী মনাক্তা থিনবীনবা হায়জখিবনি। লোম্না চেনবা অশেংবনি, করিনা অহুগুম্বা পুন্সি মরেন্দু ঐহাক সুপ্নাম পামলমদে। অহুবু ঐনা কলকাতাদা ইমাগী নাক্তনি হায়না চৎলগা ইমাদি লাইরৈবাক তানথিবনা হাল্লমলে। মরাইথুং ফত্তবা অমা লৈ, ব্লড প্রেসর! হিংচা য়াইতম্বা জাগজিৎমা ইমাদা নত্ত নত্তবা হায়জিনবীরম্বা মাল্লে। জাগজিৎতো অতৈ অমগী চৎপা নৎলমগ্রে, ইমাবু হাৎকে চৎপা ওইরমলে। ঐগী পাউনীংখোনহু ভাবদা ইমাদো হোসপীতালদা নোংমথক লাকম্নরম্নগা লৈখিগ্রে হায়।

"ইচেম অমত্তং লৈজে মফম খঙদ্রে ঐগী কনাসু লৈত্রে। অসোমদনা ঐবু ইরান লৈ হায়বগী থানানা ফারে। মণিপুরদা ফাহুনা পুরকলে, ঐহাক শাওদে। উচিন নাচিম্না উকিল সাহেবতুগী মতেংনা ঐখোয়বু থাদোকপীরে। মতমহুদা ঐহাক তশেংনা শাহজাদা সাহেবকী শিংবা ওম্নরোইদবা চাউরবা লমন অমা তোল্লে হায়বসি খঙলম্মী। ইচেনা থারকপা শেল ইমানা ঐগী মিংদা তুংশিন্দুনা বেঙ্ক অমদা থম্মীরম্মী ; মহু লোৎথোক্লগা অহানবদা ফিগী দোকান ভৌসিরা হায়হুনা দোকানসি ভাড়াদা লৌজবনি। ঐহাক অতৈগী নত্তে জাগজিৎকী মমাংদা অমুক্তং মণিপুরদা ইশাগী শক্তিনা হিংবা ওনজগে জসিনি।"

ঐহাক হংনীংবনা খাওবা ওমলক্তে, "অহুগা বাবুনী, করিগীনো মিস কতিমা হায়না কৌরিববো ?"

"শাহজাদা সাহেবনা খুপ্পনা হেম্না ফরমগদৌবনি!"

ঐনা লৈথোরকপদা শাহজাদা মপাম্লোমদা তুমিম্না থোকখিবহু

উই; মহাক ঐবু দি হায়জগী থরা ইকাইনা লোয়নরে।

"ঐনা হায়জহুনা কলকাত্তা চৎলুরগা মহাক জেল চণ্ডলে। মাগী অহল লমম্না ময়ুমদগী তাঙ্খোকলে, লৈফম চাত্তম লৈত্রে; ঐগীসু লৈত্রে। ঐনা মাবু অহানবদা নোকর ওইনা নীংলম্নই অদুবু মগাল্লা ভাকপীবা নত্তনদি ঐগী উপায় লৈত্রে। মুপীনা কদাইফাওবা শোনবগে হায়বদু মহানমথে খণ্ডলমদে। মতম পুল্লমক্তা মুপা অমগী মচং লৌবা ভাই, মুপী ওইবীশিংনা। বলকাত্তাদা ঐগী নহা ওইবী চহী মতাংনা, ইশক ইতৌনা, মীগী নজর চণ্ডলে, ঐবু কোইশেন শেন্নবা য়াওরে, জাগজিং ফাওবা য়াওরমলে। ইমাগী মরী মতানি হায়বা কয়া চোংথোরকলে, ঐবু শেন্নী শাবীগদৌবগী। মহুদা শাহজাদানা ভাক শেনবীখি, কনবীখি, খুদোংথীবা কয়া থেঙনখি। মহুগী লমন করিনা শিংগনি, মনানা লুপানা মতিক চাগনি নীংত্রহুনা মঙোন্দা হংবদা মহাক্না ঐগী মুংশিবা অত্তুত্তবু পাম্মি তাবগীরে।

"একাউন্টেন্ট বাবু, ঐহাক ঐগীনি হায়হুনা মতিক চাবা লুপা অমা পাম্নখি, যশবীরগুম্না পৈশা পায়বা অদুগা শাহজাদাগুম্না নহা ওইরিবা, মপাঙ্গল চাউবা! শাহজাদাগুম্না নোকর অমদা ঐহাক, ঐগী মুংশিববু কৎথোক্লগনি হায়বসিমু থাজরুদবনি! অদুবু য়াদ্রে, অদুনা ঐহাক মুগ্রিম নিঙোল অমা ওইরে, কুইদ্রি। লুপাশিংনা মুপীবু কদাইফাওবা মুংশিবগে হায়বহু ঐহাক হৌজিক ফাওবা খঙদ্রি। মাগীদমক পুন্সি অসিমা কথোকপা হৌরবনি, অদুবু য়েংথিবা তারি। মসিদা মাগী য়ায়মু ফংলবনি।

"ঐগীদমক মাঙখ্রবী ইচেমনা পীরকপা পৈশা, ঐনা তাঙবা পৈশানা হোটেল অসি চালাইহুনা মীরক তিনবা ওস্ত্রা য়োংগে হায়হুনা হৌগৎচরিবনি। বাবুনা লেঙবীরকপা য়াম্না মুংঙাইজরে। যশবীর বাবুদমু বার্তন থাজখিবনি! বাবুদি লাকনি হায়বা থাজদ্রে।"

অসাইনখৈ ক্যাশবগুম মাংদা টেবল মথক্তা লৈরিবা অথুম অহাওহু মহাক্না নিংশিংবী ঐঙোন্দা, "অচা অথকশিংসি বাবুগীদমক্তি"

"ঐদি য়াম্না চারক্কে, আ মখাম্না।"

"হৈম্না মখাদা। ঐগী ইরাম্মি, ঐনা খাঁ সাহেবতা হায়রবা ক'ওহৌরে। বাবুদি ঐখোয়গী অখন্নবা মেহমান ওইনা ঐনা ইখুৎমক্না বার্তনত্থ থাজখিবনি। খাঁ সাহেবতি অসিফাওবা খঙদেনে! ঐনা পুন্নমকসি তম্বীখিবা ওারি। ওম্মোক্না বাগদৌরি, বারোবীবা য়াদে।"

"করিগী বারোগদৌরিবা; ঐঙোন্দগী হেনবা ভদ্রলোক কয়াম্না চানরি; ঐদি চাউখোক্চরিবনি, ঐঙোন্দা পীবীরিবা সম্মান অসিগী-দমক।"

"অতুনা খায়গীনিদনা। ঐনা ইখুৎমকনা শেম শাত্নুনা ওখাদা পীজনীংবনি। ওসি ফাওবদা থেঙনখিবা মীওই কয়াগী মরক্তা বাবু-গুম্বা অমত্তা ঐহাক থেঙন্নরক্তি, ঐনা বাবুবু মতম পুন্নমক্তা পীংথাজরিবনি। মিঠাইশিংসি লৌবীয়ু, বাবুগীনি হায়দুনা লাংজবনি, অতুগা ঐখোয়গী এনটরপ্রাইজ অসি মঙ্গল ওইবা পীনবীরম্মু! —ইহে ঐবু ওারুগীগনি, ঐহাক ভুল অমা তৌগ্রে, মুস্লিমশিংনা শেম শাব্মু অসিবু!"

"ঐ অতুগুম্বদা থাজবা মীশক নওে বাবুনী।"

"য়াম্না নুংঙাইজবে, মসিমকস্ থ ঐগী ইরাইবক ফবনি। ধর্মদা অসি যৌনা য়াবা য়াদবা থায়বসি, ঐদি পংবনরা করিনো, ওম্মোকনা হৈন-জখিদ্রে। মসিগী হায়রুরবদি মুপীশিংগীদি মরাইবক য়াম্না ফৈ হায়নীংই। মখোয়গীদি ধর্ম লৈজবগুম তৌই, মখোয়না ওংলুবা মী অতুগী ধর্মদা হেক্তা তিনশিনখিবা য়াই হায়জরিবা।"

"হোয় খর মখৈদি চুমই। অতুগা শাওবা য়াদে, মুস্লিমশিংগীদি মসি খরগা অমুক কনশিনবগুম তৌই। ঐখোয়না মুস্লিম নিংঙোল লৌরুরবদি ঐখোয়রোমদা চিংশিনবা ওমদে; মুপাত্থ মুপীগী মতুং ইনবদা মতাই।"

"অতুদি বাবুহোয়গী সমাজনা ইম্মোকপীবদগী ওইরমগনি। —খাঁ সাহেব খাজুগা বারী রাতাই ওাইহাক শাবস্ য়াবনি।"

হন্না য়েংথোকখিবদা শাহজাদা খাঁ ঐগী তুংদা লেপলমলে। মহাক করম্বা মতমদা চঙলকপনো খঙহৌদ্রে। ঐগা হেক মায়োক্নবদা মহাক হাইফেৎ নোকই। কুচু মুবা মুপাশিংদি শক ফজবী ইবেম্মাশিংগী মীত্তা অমুবা হীরাগা পাম্থকনি হায়না নাট্যকার অমনা শীংথাখিবহু নীংশিংলকই শাহজাদাবু উবদা, কুচু মুবা, রাশী লৈবা, মুশীনা পাম্বা মুপা অমা ওইনা, ঐগী মাংদা লেপলিবা!

মহাক ঐগী নাক্তা হৈঙমশিংঙমদনা লেপ্তুনা অহুম মরি, কামররোই খন্দুনা ঐনা হৌগৎলগা, মখুৎ পায়হুনা চৌকী অমদা ফমহল্লে। ফতিমা নোকচে। হোটেলগী বিয়ারর য়ুনিফোর্ম শেৎপা অমা লাক্লুনা খোঙজিন্দা লেপ্লগা হায়রি, "মেম সাহেব, মথাদা অচৌবা মী মাল্লি অমথক লাকহৌই, প্রোপ্রাইটর উন্নগে হায়, কমদৌজো হায়বগে?"

শাহজাদা হৌগৎকে তৌই, ফতিমানা খাময়, "ওঝাগা রারী অহুম শান্নবীযু, ঐ য়েংজরগে।"

শাহজাদাগা ঐগদা ঙাইহৌরে, মায়পুননা ঐগা মায়য়োক্নবা ঙমদবা মাগী মতৌ উবদা ঐনা মথৌ শংবা ওইনা হংই,

"খাঁ সাহেব লুহোংবদি ভাকপীরকনিদনা?"

মহাক তাপ খুমলক্তে।

"একাউন্টেন্ট বাবুবু তাক্লুবদি ঐহাক মী নত্রেদনা।"

"হোয়নে তাকলকনি থাজে ঐস্নু। করম্বা মতমদা লেপ্পরিবগে?"

"রমজানগী মমাংদা, কুইঁদ্রে বাবু। নহান্না পাংথোকপা যারম্বনি অতুদা কেশ অতুদগী পনথ্রিবনি। উচিন নাচিন্না ঙমদি ঙমজরে, পৈশাদি য়াম্না তিংগ্রে। বাবুনীনা পুথোকপনি। বড় বাবুদো রামনা মুংশিজবনি অতুবু য়াথিদ্রে বাবু, লাইবকনা তম্বা হায়বহু তাগ্রে। ঐস্নু ওস্নোকনা রারুরে।"

"রারীহু তারে বাবুনীদগী; পুন্নমক কাওথোকলো হৌজিক্তি। অহল লমমন্নু য়াবীরবা নত্রনে?"

"ঐগীদি বাবু সিদদি ফনাস্নু লৈবা নত্তেদা।" সিলেট্টা লোইনা

লৈহৌবনি। ইয়াম্বনি হায়তুনা কোম্লরিবসি ইমা মরীগী শাগেনিদা।"

প্রীতম, হৌজিক্কা ফতিমা, কাগী মঙ্গুংদা হেক চঙশিল্লকই, খাঁনা হায়খিবন্থু লেঙনা তাই অদুগা হায়, "মাপ তৌবীয়ি বাবু, লাকয়েনে হিংচাবা অসে, বার্তাগুম্থু তৌবা নত্তেনে।"

"কনানোনে?" শাহজাদানা হংই।

"কনা ওইনি ময়াম্বা য়োনবা, জাগজিৎ!"

শাহজাদা কুচু ওল্লি, মরুপ খায়নগী খাঁ সাহেবকী রাখম্না ওমখিবরা খঙদে। মখোয় অনীগী মতৌন্থু ছুমিন্না য়েংই ঐ। ফতিমানা হায়কেৎ নোক্লগা হায়,

"ঘূপা মান্দেদা খাঁ সাহেব! খাঁগী মতৌসিদি ঐহুম কিশিল্লকলে। ঐনা বিয়াররশিংদা ঘুমদা লাকলবনিনা চা অমগা সমোসা অমগা পীজখো হায়রমলবনি। ঐখোয় অরুবা অমা তৌরি। মী উন্নবা শংদে হায়হনখ্রবনি। খাঁ সাহেব, প্রোপ্রাইটরগী অভিভাবকনি হায়বসি কাওবীগন্থু, মহাক্না উন্নবদা চপ চাবা ইশাগী সম্মান থম্বীগদৌবনি। মসি কাওবীবা য়াদে।"

শাহজাদা বা অমত্তা খুমলমদনা ফুক হৌগৎলি। ফতিমানা খামই,

'করিগুম্বা উন্নরবদি হায়বনি, মানদি ইকায়বা খঙ্গবনিনা ওাইদম্থু য়াই। বাবুগা কোফীকা থকমিন্নখিগদৌবনি। মাগীদমক করিগী ইফিং ফিংগনি, ঐখোয়গী অথম্বা মেহমান অমগা কন্মিন্নরিঙেদা!"

ফতিমা হুংশিনা নোকই, খুতক তারবী মমিং অনীনা শাহজাদাদা য়েং। শাহজাদা ইতিং তিংনা অমুক কমথরকই, হায়বা ইনবা পাঠশালাগী ছাত্র মচাহুনভাই। ঐঙোন্দা হুংঙাইরবা কুপ্পে অমা ওইরি।

ফতিমানা ফকলাংদা খেৎলিবা কোলীং বেলগী হুই নম্মি, চিঙনা য়োন্নকই, পোষাক শেৎপা বিয়ারর।

"কোকী অহুম, মচু তান্না শেমলকুদৌবা!"

মঙুংগীদি খঙক্রে হুমিঙগী শিল্লি লাংলিবা মতাম্থু য়েংলুরগদি মণিপুরদা অসিগুম্বা হোটেল অমা থন্নবা হোৎনজরিবা মখোয় অনীবু

থাগত্তবা ঙমকে, থৌগৎতনীংঙাই লৈতে। মজল ওইসহ্রু। মরুকসিদা কোকী থক্লা থক্লা ফতিমানা হৌদোক্লকই, "মাপ তৌবীগনি, ঐনা চিংনবা য়াকম অমত্তং লৈত্রে। খাঁ সাহেবনা মতম পুম্নমক্তা পারী পুরীগী মা হায়নরকপদা সিলেট্তা হেক্তা হায়। ঐনা মা অসি বাবুগা অমুক্তং তায়জনীংবনি। যশবীর বাবুনীদি খোইনা কিজদে, জাগজিৎতি ঐখোয়বু লেম্না থাগনি নীংদে। মহাক খাঁ সাহেবকী হৌরকফমগী মা কন্না থিরি হায়। সিলেট, হৌজিক্তি বাংলাদেশ ওইগ্রে। শাহজাদা সাহেব ভারতকী নাগরীক নত্তে হায়না মুক্লবদি কমদৌনি? ইচিনমক্তা লাং থাকপা তৌবীগনু কয়ারক হায়গ্রবনি। শাহজাদানা ঐবু নুংশি-বীদ'মাল্লে।"

ঐহাক খাই লাউই। অচুম্বা রানি হায়রিবহ্রু। শাহজাদানা খুমলকই, "কসম, ঐ কনামত্তদা হায়দে। বাবু ওইবগী হায়বনি। বাবুনীদগী হায়গ্রে অতে কনাদা হায়গ্রবগে? কলকতাদা কাবা কাওবদা মৈতৈ মচানি হায়খিগ্রা ঐবো?"

মতুংদা ফতিমা নুংনাংবা কোকখিবগুম তৌই। অতুমকপু জাগজিৎ লাকই হায়বা ভাবদগী মখোয়গী মপুকনিং তয়াং তশোইবম। পোকখিবা অতুমদি হোংবা ঙমদবগুম উই। তোইনা চাদ থক্তব-ঙাক চা-থকপনে, অনৌবা হোটেলতগী ঈয়াংনে হৌখি খঙদনা লেমখি মতম। হোটেলগী মীশিংনা জগোয়গী কাংবু য়ৌরকলে, পুং তাশিল্লকলে হায়না পাউ শীরবদগী জগোয় য়েংঙ্সি হায়না ঐখোয় অতুমক কুমথরমী।

ভাবক ময়াম লাক্লরে অতুবু নুমিত্তগী হোটেল অত্ত হাংদোকপীখিবা ম্যুনিসিপাল পুবা ইকাই খুম্ননীংঙাই ওইরবা মন্ত্রীদি লেঙঙকত্রি হায়ত্রনা ঙাইবা তাখি; অককনবা পুংফমদগী মিনিট ১০ রোম ঙাইরবা তুংদা অচিনবা অমা লৈরে লেঙঙকপা ঙমগ্রোই হায়না পাউ হন্দোকপীরদুনা জগোয়হ্রু অতুম হোরে। হোটেলগী মনুংদা লৈবা অথাবা থৌরম পাউথোক্লবগীদমক শাম্দোকপা য়াবা হোল অতুমক্তদা ময়ামদা শক্তায়রবগী মঙদা শেম শাবা টৈজদা জগোয় উৎকদৌবনি। থাউমে মুক্তিঙদা

অহানবা শক তাকপা ওইনা মিস ফতিমা, শাহজাদা খাঁ অমসুং হোটেলগী মেনেজর মপান্দগী লাকপা অমগা অহুম কাখৎলক্লুনা ময়ামদা খুরুমই, হাংদোকপগী ফংসনদা সভাপতি ওইবীখিবা ম্যুনিসিপালগী চেয়ারমেন্না শমতক্লা মখোয় অহুমবু ময়ামদা শক তাকলবা মথুংদা জগোয় হৌই।

ঐস্লু রো অহুম শুবগী অতুম্বাইদা তুমিন তাশিন্দুনা কুম্মেহু য়েংগে ফমই। থাউমেঁ হেক মমখিবগা লুপা অমনা ঐগী নাক্তা হাংলিবা চৌকীদা অতাম্না চঙলক্লগা, 'শুব্বা' হায়না কৌই। জাগজিৎ বাঁবুনি। অসাইমখেনা কদাইদা লৈরুবা থওদে।

"শুবা লাকই হায়বা ঐদি থওদে। কয়া কুইরে অসাইমখে উদেনা।"

খুনফম থওদহুনা লৈরিঙৈ মখা তাথরকই,

"ঐস্লনে বার্ডনদি ফংই হায়ববু, ফংসন হৌবদসু লাকহৌত্রে, কোরা মথং মথং কৌরকপা অত্মা চক্রবদি ফজক্রমাল্লে হায়না লাকপনি, কুইদ্রি লাকপা। উরেদনা শুবা, থুম থাম তৌরিবা মতৌসে। অঙকপা মপীনি। যন্ত্রবীরদা শুলঙ্গী প্রীতম ওসি মিস ফতিমা! তুং তুকচচে খল্লবদা! শকখিবা পাগল মচা অসিগীদমক ওইরমাল্লে মিস ফতিমা বা কৌশিন্দুনা! ঐখোয়বসু কাওত্রে। ঐগী ইন্নাম্বা ভূত চুবা অসিনদি থোকহল্লিবা পুন্নমকসি, কেলদা হেক নমশিনগদৌবনি।"

"কাওরগবু বাবু, বার্ডন তৌরকত্রনে?"

জাগজিৎ তুমিন ঙাইহাক লৈ।

"বার্ডন তৌরকপদি দোকান মশেন্নি হায়হুনা তৌরকপা ওই-রমগনি।"

"মহুসু নীংশিংবা মথল অমনি হায়বা।"

মথন্তা ফিং-ঙা কামই জাগজিৎ। কুম্মে য়েংগে খঙরম্বা কুম্মে য়েংভম থওদে, জগোয়নদোরা জগোয় জল্লোনবা, সংস্থানগী, মমিংনা অকাওবা গুরু ওঝাশিং অমসী মিংদা তাংলগা, মশাম্মী মবুক খম্বা লারুবশিংগী কাংবু ওইবনে, মহু উল্লগা শাওনীংবহুম পোকই। জগোয়গী

থুখেকশিংনগা য়ানশিন্নবা জগোয়গী মওংদা শাবা ওইনা তৌরদুনা ইমুং মুংগাইতে। জগোয়গী আইতেমশিংনগা অরীবা ডাক ওইবনে মথোয়না শাবা জগোয়দুনা মুমিৎগী কুমৈদু পুম্নাও মাওদুরবোই নীংই। মদু উক্করগা নোংমা মপান্দগী লাকপা থাদো কমিসনগী মীওই অমনা য়ামনা লাইনা মেয়া থাদা বসন্ত রাস য়েংনীংই, কদাইদা উগনি হংলকপদা ঐনা বসন্দা লাবপীয়ু হায়না খুমখিবদু নীংশিংলকই। অদুমক্তদা মহাকনা অমুক অহোইননা হায়রমই "ভদ্রলোক অমনদি করিনো সংস্থান, অমা পল্লমইদা!" ঐনা তন্না খুমলমই, "মদুদি মতো তম্না বসন্ত রাস ওইরমগনি, হায়রকইবদুনা জগোয় লল্লোনবা।" মুপাদু তল্লবা-মাল্লে, মথা তাররকখিদে। মণিপুরী জগোয়বু অমুপ লাইনা তৌবসি জগোয় শীল্লিবা কাংবুনি হায়বদা করিসু লান্দে।

জগোয় লোইরকপদা মিস ফতিমা ছৈজদা অমুক থোকলকুনা ময়ামবু খুরুমই, ময়ামনা ওকই; মহাকনা ময়ামদা সেবাদা অশোয়-অঙাম য়াওখিরশিং পুমনমক ঙাকপীনবা হায়জে। খুবাক খুনৈ, হুইসেনসু য়াওরকই, ফিস্কা, হোনথীনি; মাগী অসি হায়রে অচৌ অচৌবা মী য়াওবা ফাওবদা থোংনরিবা, হৌজিক কানসী হুইসেল্লি। মরকসিদা জাগজিংনা মিস ফতিমাবু উরগা মমীৎ কুপ্পমথে য়েংই, অদুগা মথন্না হায়জে, "মিস ফতিমাকা কৌরদুনা তৌজশারি, মশাগী ধর্ম থাদো-কুনা মশাবু লৈথা তাহজল্লি।"

ঐহাক মাবু ঙাইরমল্লে, অদুম থোকলকলে। থোঙজিন্দা, মুল্লিম পাথং অমনা ঐঙোন্দা হংই, "অহন! অহনগা কম্মিরবা অসিবু কনানো করি তৌবগীনো মহাক্লা মুস্লিমশিংবু অমুপ ঙাখিরিবা?" "মশাদা হংঙনা ইবুংঙো, কনানা থঙগনি, ঐনা হায়বদি নল্লেকনা। অমনা হায়রগা অমদা হংলবদি থঙবা হৌনদে।"

ঐহাক মথা অমুক তাররমল্লে। কুমৈ য়েংবা লাল ওইনৈ হায়বদু ওয়োকনা মুক্লুবা য়াদ্রি।

নিংশাল

ধর্মগী মমিংদা লান য়াম্নবা, ঐগীনা হেল্লি থাগৎনবা, মীগীনা ফন্ডবনি হুন্থবা, য়েলহৌঙ্গদগী হৈনবী ওইরকই, মী মশেন মরক্তা। ঐ হায়বসিগী ওইজবা থীবা, ঐগা মরী লৈনবা পুন্নমকনা ফৈ হায়ননীংবা, মী হায়বসিগী লু-তোংদা য়াওরক্লবা বাখল্লা খঙদে। জাগজিৎনা ধর্ম অমবু হুন্দনা ভাংবা, ধর্মন্থু চৎপা অতাবশিংনা শাওহৌবা, প্রীতম্না ফতিমা কৌথিবা থৌথোকশিং, অনৌবা নত্তে।

অনীগুবা লাপ্পাও মন্নুং মৈত্রবাক পুমবা ইরাং লাংনবা মতমনি। সিগী মথক্তা বর্মারোমদগী চেল্লকপা লাপ্লেনবশিংনা অতৎ অথম লৈতনা হৈজিন্নকপনা চাক্তাং ফিদাংবদগী মী পুন্নমক মিপাইনৈ। — ঐস্থনি। শিনফম অমত্তং পায়দ্রবদি হায়বগী কেইথী থীরিঙৈ ঐগী চান্নরবা মরুপ অমুতোম্বী, ষ্টেসন ত্রান্সফর ওফিসার কৌই হায়, থবক অমা ফংলে হায়বা তারম্মী। বর্মারোমদগী লাপ্লেন্নকপশিং থাদোক থাজিন তৌবগী থবকনি। মাগী ওফিস অরেপ্পা মফম নাইদে, হোংদোক হোংজিন তৌই, অত্থবু মতমত্থদা, হৌজিক্কী রাজভবনগী মমাংগী নোংপোক পাংনা চৎথিবা সডক্কী মথা থংবা, তমফাসনা স্কুলগীনা অবাং, থাঙ্গপাং অমনবা পাথবী ওইনা তৌবা, লমহাং অত্থুদা তম্বুরনা কুপত্থনা শান্নিবা টেন্ট অত্থুদা ওইরি হায়বা, খঙলমই। ঐনা থীরকপদা হৌজিক্কী রাজভবনগী মমাংগী সড়ক মক্তদা মমায় মনীং ওপ্পা শাবা, মীনা চোম্না তোংবা, হন্না গাড়ী অমগী মনাক্তা, মহাক, মখুত্তা অচৌবা রেজিষ্টার বোই অমা পায়হনা লেপ্পহ উরম্মী। মাগী মনাক্তা পরপ পরপ চঙশিল্লম্মী। ঐবু হেক উবদা মানা ঐবু ভাইখো থান্নগা গাড়ী-থুদা কাখত্তনা কোইকৌ কৌই,

"নূর অহম্মদ !"

ড্রানা খুম্নলকপম্মা তাই, হিন্দীদা, "অসিদা লৈয়ে বাবু।"

ঐসু কাখত্‌না য়েংই। নূর অহম্মদ, লংশেকলবা কত্ত-হৌদিগুম গাড়ীগী কাচিনদা তুশিন্দুনা লৈ, মথাদা কোল্লি পিক্লিবা অঙাং অমা।

অমুতোম্বীনা শাওনা হায়, "গাড়ীদগী কুমথরকউ, গাড়ীসি ডিমাপুরদা চংকদোবনি, নহাক্না শিলচর !"

"তৌবীয়ু বাবু।"

ময়ামত্থনা রা রা, "কুমথরো, ইনথরো, গাড়ী চংপা থেঙলনি।" হায়নবতা নত্তে, ময়াম চঙত্থনা নূর অহম্মদ গাড়ীদগী লংথবোইনা ইত্থরককই। মহাক ফিভম কায়রে, মমায় মমিং ইপোম পোমলে। অত্থয়ৌনা ওমত্রবা মহাক্না মচাবদি চেক্তেং কোল্লি, মথানুংদা। নমত্থনা চিংথবীরবা সুপাদো চংপা ফাওবা রারে। মহাক্না হেক কুমথরকপগা নংহৌরোইদৌগুম থৌখি গাড়ীত্থ। মমীত্তা ঈরা চেল্লত্থনা, মচাত্থ কোল্লগা লাউজে, "ঐবস্থ পুবীয়ু, ইচা অসিতদি পুবীয়ু।"

ঐনা হায়, "তোংহনখিবা য়াত্রা, মপামচাসিবো ?"

"য়াদবনিনে ভাই। ওস্থোকপা থবক হায়বত্থ তাপ্রে ঐগীসি। মখোয়না পীরকলিবা পাস অসিদা ডিমাপুর চংকদোবা, শিলচর চংক-দোবা, থায়দোকত্থনা তাকলি। মহাক অমা গাড়ী অসিদা য়াওরকপগী আদমু রাক্ত সুংজু থোক্লরম্মদৌনি। মাদা নত্তনা ঐবু ফাওবা চেন্নদৌরিবনি। শিলচর চংকদোবশিংনা বিষ্ণুপুর ফাওবা গাড়ীদা থিনগনি, মত্থদগী খোঙনা অমুক শিলচর য়ৌখিগদোবা। ডিমাপুরদা চংকদোবনা গাড়ীনা ডিমাপুর য়ৌরগা ত্রেন্দা অত্থম চংখিগদোবা। খোঙনা বর্মাদগী চীংমান লোক তাই লান্দুনা য়ৌরক্লগা, অমুক খোঙনা চংপা কনানদি পামগনি ?"

সুপাত্থনা মিপাইরিবা ঐহাক থঙলে। মহাক চংপফাও রানা উরে। অমুতোম্বীগা ঐগনা শমত্থনা মাবু উচিন নাচিন্না ওফিস ফাওবা পুরকলে, পোথাহল্লে; মহাকমা মমীত্তা ঈরা চেল্লত্থনা ঐগী মরুপ্তা,

ঐঙোন্দা ভিমাপুরদগীমদা থাবীনবা কয়ারক হাল্লক্লে, অদুবু য়ারোইদোবা য়ানিনা য়াররমদে। হায়নরিঙৈ গাড়ী অমমুক য়োরকই। হন্দকীসিনা শিলচরদগীমসি ওইরমাল্লে। মুপাদুদা চৎলসি হায় অমুতোম্বীনা।

ফাঁসিগী শগাইদা কারসি হায়বগা চপ মান্নবা য়াদু তাবদা মুপাদু খোঙ্গেলথোকনা হিক হিক কপলকই। হন্দক্লি মথাদগী মচাদু চেক্কেৎ কোল্লে; তবোব তবোব, য়েংবদা মুংশিরবা, মচাগী মমায়দু হন্না হন্না চুপ্পগা মখোঙ্গেন তনিক তনিক হায়রকই,

"ফরে বাবু, ঐহাক শিলচরগী গাড়ী অসিদা য়াওজগ্রগে। অদুগা ঐনা হায়জবা অসিমতংদি য়াবীয়ু।"

"হায়য় করিনো?"

"ঐগী ইচানুপী অসি বাবুগী খুত্তা শিন্নজরমগে। ঐহাক লাইবক য়েংজগ্রগে। ঐনা করিগুম্বা হিংবা থোকলবদি মহাকপু অমুক লৌজরগে, ঐনা শিখিবা থোকলবা অঙাংসি নচামকনি খন্দুনা য়োকপীয়ু।"

অমুতোম্বী উতিংবগুম লেপই, ঐঙোন্দা য়েংই। মুপাদুনা বা মখা তাদ্রিঙৈ অঙাংদু অমুতোম্বীগী খোঙদা তপ্পা থমলে। অঙাংদুসু কপলাক্তে, মপাদা মুন্না য়েংই, য়েংলগা নোকই; মপানা মপি তানা তানা মচাগী মমায়দা হন্না হন্না চুপই। য়ানি য়ারোই হায়দ্রিঙৈনা মহাক হৌগত্তুনা গাড়ী তমনা চৎখ্রে। করিগীনো খঙদে অঙাংদু ঐগী নাক্তা থনম্মগা অমুতোম্বীনা মপাদু গাড়ীদা হাপকত্তুনা চৎহনখি।

ঐগী নাক্তা, তম্বুর মন্নং য়োরক্লগা খংপ্রেক খংনা অমুতোম্বীনা হায়,

"ইস করিনো সিদি! অঙাং অসি পাগল্লি, কমদৌনি!"

মহাক গাড়ীদু থাম্মুগে হায়বগুম চেম্থোকলুই, অদুবু গাড়ীদি মশক উথিদ্রে। অমুক হল্লিল্লকলে।

ঐনা হায়, "মুপা অদুমক্লা পোকপা ওইরমগনি হায়বা থাজদেদা, পাগল ওইরমদবসু য়াই!"

"কমদৌনা?"

"মুপাদু মীগী মীনাই মীশন ওইরমগদৌবা মাল্লি। কলানা খঙগনি

মাবু য়োকপী থাকপীবা কনাগুম্বা অমনী মচাসু ওইরম্বা য়াই, লমীদা লাকপদা মপা ।মমা শিহৌরবা ।"

ঐগী রাহু তাবদা অমুতোম্বীনা অঙাং অহুদা য়েংই, অঙাংহু মতোন্দা য়েংলগা নোকই, অহুগী মপা নৎলমত্রে হায়বদোনা লাউনা কপথৎলকই। হায়নরুবা য়াওদনা মহাক্না অঙাংহু পমথৎতুনা চেঙেং কোনবী। কোনথৎপীরবদা অঙাংহু কপ্পা তোকত্রে।

ঐহাক থবক অমত্তং থীরুগে থল্লকপনি অহুবু অঙকপা থোদোক অহুদা মত্থগী রা হৌদোকপা ওমলমদে।

মহাক্না হায়,

"হৌজিক তৌদোসি করিনো ? অঙাং অসি কদাইদনো থম্মুদোবা ? ঐকু যুমদা থাজরমগত্রা ? অহুগী মথক্তা অঙাংসি পাঙন অমনা পীরম্বনি হায়রবদি ঐখোয় বাজিহোয়না কৈদৌঙেদ য়াগদৌবা নৈতে।"

ঐনা খুমই,

"পাঙনগী' রাহু হায়রুরগনু। মপাহুনা থীরকখিনি হায়রুমী, হিংলবদি। চুম্না লাগ্লেলকপা শিগদৌরবা মপা অমনা থনম্বনি হায়বা তারেদনা। অহুদি ·লাইরি নহাকপু মুপী 'থীরবরা ?"

"মুপীবুদি থীরে, কুইত্রি নুহোংবা !"

য়েংথোকলুবদা অঙাং অহু তুমনীংনা উবমই, মপানা য়োমলম্বা শেগায়রবা ফিজেৎশিংহু তিংথোক্তুনা টেবল মথক্তা হিপহনবদা করিমতা ইতৌ তৌদনা ইশি শিম্না তুমথখি।

অম্নুম্না থনবা অঙাংহু ওসিদি অমুতোম্বীগী ইমুংদা লৈশাবী ফারকলে। লাকপমগী মেম্বা হায়তুনা মমিং চৎলে, ক্লাস ব্রান্দগী হোতুনা মকোক মথংতা তাহুনা হোরকই, মথং মথং তমথরকুনা ডাক্তরী তম্বা লোইত্রে। হৌজিক হৌজিক ·ডাক্তর ওইরি।

অমুতোম্বীগী মুপীনা অপোকপা মচাদগী হেম্না মুংশিম্না হোৎনজৈ, মচাসিগীদমক। মশক মতৌনগা লম ঙাল্লে, ফিভম মুত্তিগা চুমলে, মহে লাকিবনদোরা মীনা পাক রৌগে ওমলবহু য়োথিবনে, মচিন মনাওশিং

অহনবু মামা হেক হায়রিবমথৈ ইচে ইচে হায়দুনা কোইরৈ লৈরে। গৌরিয়া তৌবদা মহা ওইনা শাথীরবা, তাইবংপান অসিদা অশেংবসি মহাক মথন্তা মতাইরে থজরবা, মপুবোক্কী মাই খুরুম্বগী হৈ-লৈ থিবা, মাই তৈবা, ফিশেং লানথোকপা, চন্দনউপু থাংলোকপা, মহাক্কী মমাই শিন্থানি, মাইনা লৌরোই হায় হায়বা থক তাদে।

অদুবু অমরোমদা অমুতোম্বী মপুকচেল চাউবা, জাতি ধর্ম খেন্নবদা, অমাং অশেংদা, করিমত্তা থদ্দনা মচাদা মচাদোগুম অহুম মথল্লিদি হায়ববু করি করিগম্বদা মা অসি মপান থোক্কদ্রা হায়বসিগী মুংনাংবদি থক কোকপা ওমদে। থৌদোক অসিগী মরীদা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা খঙবা, তাইবংপান অসিদা হিংলিবা মীশিংগী মনুংদা, মহাক্কা ঐহাক্কা অনী অসিতনি। মহাক করি বরিগম্বদা ঐহাক্না মসি খঙই হায়বসি ফাওবা ফাঙখোক্লীংই। অস্তুপক্কী মতিক টিংনৈ, চংনবী অমসুং সমাজ অসিদগী নাম্থোক্কুনা চেনবা ওইখোকতে। হৌভম ফংত্তে হায়দুনসু তাইবংপান মপুগী খুংশেমদগীদি নাম্থোকপা য়াদে, দুশীমচা মেম্মা।

অতোপ্পমনা মীওইবা সমাজগী মনুংদা কন্নাগুম্বা অমনা দুংঙাই য়াইফনা নত্রগা ফগ্না ইনা পানবা অসিবু খাঙবা ওমদবগুম্বা অমা হেক্তা থোক্কপগুম তৌই। অসিগুম্বা ঈরাং অমা অমুক অমুতোম্বীগী ইমুংদা থোকখি, মতাংনা মেম্মনা মপুং মরৈ ফারক্কুনা ময়ুম মকৈ পানবা য়াবগী মতাংশ্যৌরকপদা, মাবু মচা মমৌ ওইহন্নীংবশিংনা হায়জ চংচরকপা তাক্লাদা। হৌনশা মতাং অসিদা করিস্তু দোষ লৈওবা বর-কন্যাশিংগী ইমুং মনুংগী দোষ পুখোক্লুনা, য়েথাই থিনগাইনবা হোংনবা, হেক হেক থেঙনৈ। অমুতোম্বীগী মকমদদি মছু অকিবগী মথক ফংলবা চৈনা অমা ওইরকই। শন্দোকলকই তাকম অহু কুইনা কাওনথবা, মেম্মা মৈতৈ নজে মরাং নিংঙোল্লি। বর্মদৌনা হায়রিবনো, উহৌবা কন্না য়াওই, কন্নাহু প্রমান পীবা ওমদে। অদুবু শন্দোরকই। খরা শান্নরিবা হায়রর্ব, থুপতুনা লৈথবা মাসী অশেংবা মথক অদুমদি পামরকথিকে। লমথন থেঙনরবা মীনা লম্বী সমর্থাংদা য়েংদৌ অমত্তং

মৈনা তারম্বদা লমখন থোক্লমাল্লে শ্বাই হেক্তা মরাওবা শোয়দবনি। অমুতোম্বী মশক মচু ওনখি।

অমুতোম্বীনা তমখি নোংমা ঐঙোন্দা, মেম্মনা নোংমা ডাক্তর থানাদগী মম্মমদা কুমকপদা মফি মরোল হোংদোকপদি লাইরক্নুনা মমায় মমীৎফাও তাথোকত্রিঙৈদা অহানবদা মমা অত্মদগী মহাকপু থিরকই। মপা মচা হেক উম্নবদা মেম্মানা ড্রোংই রুমদা মপাবু কৌশিন্দুনা চঙমিল্লে। মমায় মমীৎ তঙাং তঙাং, মমীৎ অনীমক ইপোম পোম, মপাগী মখোঙ অনী কোন্দুনা হিক হিক কপই; অমুতোম্বী তৌফম থঙদনা মচান্নুপীবু কোনখৎলি, হংখি, "করিনোনে ইবেম্মা করিগী কপলিবনো, করি তৌরবগে হায়যু ইপাদা?" মহাক মশা পুম্বা তনিক তনিকখি।

মচান্নুপীনা হায়, "বাবা, অহানবদা ঐনা হংজবসিদা অশেংবা অহুদা তাকপীগনি হায়না বাশকপীয়ু?"

মপানা মানা হায়রবত্নমক তৌই।

"বাবা, ঐহাক অসিবু নহাকনা পোকপা নত্রা?"

"করি তৌরবগে ইবেম্মা, ইপানা হেক পোকপনি নং, কনানা করি হায়রবগে?"

"অহুনি ঐনা থাজরিবম্ব। ঐহাক থবক অসি তোক্লসিরা থল্লে।"

তাঙ্গা অসিমক্তদা মমাম্ব থবক অমা চথোকলুবদগী কোক হল্লকই; মাবু মচান্নুপীনা থিরমই তাবদগী মপা মচাগী মনাক্তা ইপা পাখৎনা চঙলকই। মচা নিংঙোলশিংনা মমাদনা হেন্না নাওথী শাজবা মহোশানি।

মমা হেক উবদা মপাবু থাদোকলমগা মমাদা কপ লাউনা কোল্লি, করম্বা থম্মোয় শোকপা হাম্নবীরকপনো থঙদে। মুংশাথীগল্লবী মমানা মক্কম ইথঙ থঙদনা মপুরোইবদা ওনশিন্দুনা চৈ থাহই, "কল্লিগীদমক অঙাংগী মপুক নোইহল্লিবনো, ইচানা য়ানীংত্রগা শীরবম্ব তোকনি। য়ুম অমি থাদোক্লুনা ইমা ইচা ইরাঙ্কনা চৎচখিনি। মখোয় বাবানা

হেক লৈরুচো, মখোয়গী য়ুমদা !"

ব্রাফম অমদগী অমদা অস্নুম্না চোংখি, ঈশ্বরনা ভম্না হায়রবত্নুনি। মমানা মচান্নুপীবু চেজেৎ কোল্লগা, "হায়য়্ ইবেম্মা করিস্নু হঙ্গোইম্নু, নহাক্লবু য়ানীংগ্রবদি হে সত্য, ইমা ইচা কোন্নত্তুনা হেক শিমিন্নগ্রগা লোইরে। মীবু ময়ুম পান্দ্রগা শি হায়ব্রা ? ঐদিনে নহাক্লা য়াদবা অমত্তা তৌবা ঙম্মোই, নহান্না হায়গ্নবত্নুনি হায়য়্ করিনো ইচানা পাম্বত্নু !"

মপানা হায়, "অত্নুগী নত্তেনে, নংনা হেন্না ঙাওগ্রে। কনানা করি হায়জিনবীরবনো খঙদে, ঐখোয়বু মাবু হেক পোকপরা থিগৎল্লরিনে মানা।"

মিপাই চাউরবী মমা তেংথা নাওই কপখৎলকই, "কনানা করি হায়রিবা ? নংগী ওফিস অত্নুগী মীনরা ইবেম্মা ? মখা শেগায়রুগে ইমা ! তৌরুরম্নুহাই নংগী থবক্তো, হয়েংদগী নং ওফিস কাবা য়াদে !"

মক্কি কন্দুনা শাওই। মমানা অমুক্নস্নু হায়, "মীনা পংহাই হায়-জিল্লগা নহাক্লা মত্নুবু হঙ্গনি হায়না লাক্লিবকো ! নহাক্লা নহৈ তমলুরিবা অসিবু কদাইদা ভম্মুই ? মীদি লাইরত্নুনা নহাকপুত্নম শাওনীংলকই। সে ইমা ব্রা হায়গে, ইমানস্নু খঙহনগ্রে নঙোন্দা, নংবু মচা ম্নমৌ ওইগে লাকলিবা ইমুংসে মপা মপু কৈরাক থারকপা ইমুংনি। ইমা-হোয়গা মপা চানদে, ঐখোয়না আ খুঙ্গং চীংখোঙদগী হৌরকপনি। মুপামচা অসে মশা হায়রা কলেজগী ওঝানি, হৌজিক কানগী য়াওদে। মমিং মখা নংনা ঙম্না খঙলিবত্নুনি। অতোপ্পা অমনা ডাক্তরনি, নখোয়গা থবক তৌমিন্নরিবা। অনীসিমক কৈ, অত্নুদা ইমানা ওঝা পামই ; অত্নুবনে নংনা শিনকম তিন্নবত্নু পামলগা ইমাস্নু হেক্তা য়াই।"

মচান্নুপী মেম্মা কপলমবদগী মমায় লুরুক্নুনা ইকাইবা খাঙই। মমাবনা হেম্না মানা কি, মপাবদি করিস্নু কিদে। মমানা হম্না হম্না তিক্রি হোৎপদৌনা হংজিল্লকপদা মেম্মা খাঙবা ঙমদত্নুনা ক্নাত্নুদগী থোকখ্রে। মহাক থোকগ্রবদা মমানা, হায়রকই,

"মহোয় বাবা পংবা য়াগ্রবনিকো! অসুম্না থাজ-য়োম্বা মতাং ছায়বসিদি কুকশাবী য়ামনা চঙলকখিনি। মহোয় বাবাগী হৌনবী অঙানা হেক হায়রগা শোম্বুধীত্থু তৌবীগনু। ভঙাং অসে শুঝাগী ইমুংসিদা থাজবা পাম্বনি। অতুব ডাক্তরসিনা য়াম্না পামই। তোইনা ঐখোয়গীসিদা লাকপত্থুব উদ্রিবরনে, মীনা পিকলিবা, রাঙাং খোম্দানা শেং-শেং লাওরিবা, ধর্ম লৈগদবা মীতা মান্দে, কাইনথংদা মখুৎ চল্লবা কান্দা বামন কাংথোকলক্লুনা ইমা ইচা ঐখোয় কায়নরক্কত্রা কিজ্রে। ঐদি অত্থুয়কা তৌরক্লবদি মাঙজরেদো। অত্থুমখপু মানা পামই হায়রবদি ইরাইবক্কী য়াদা তারে। মহাক মশাদি হৌজিক ফাওবা, ঐগা হায়নবদা, বাবাহোয়না ফৈ হায়বত্থু লোইরে হায়জরিবনি। ঐদি ওসিগী য়াসিন্থু মুপীমচাগী বা তাথোক্লগা তৌরকপা মাল্লি, মহাক্না শোয়দনা ওইরমগনি। তোকহল্লসিনে মাগী থবকসে ইচা মাঙদৌশরুক!"

তোকপদা তানৈ মখোয় অনী; অত্থুম্না তমখি। অত্থুমকপু মেম্মনা করিম্থু লৈবা মীগী চিংহোক অপিগী দমক করিগী থবক তোকউগদগে, তোকলবদি অচুম্বনি হায়গ্রগনি হায়না য়ানবদগী থবক অত্থুম তৌথবদা তাম্না থবক্লু তৌখি। মরকসিদা তোইনা তোইনা লাকই মেম্মগা থবক তৌমিন্নবা ডাক্তর, মমিংনো ডাক্তর জোনস; মহাক ইউরোপীয়ান নত্তে, এংলো ইন্ডিয়ানসু নত্তে, খাশিয়াসু নত্তে, মৈতৈনি, সাহেব পামজবা মপানা থোনখিবা মীনি, অত্থুম হেংখিদ্রবা। মশামক সাহেবনি হায়বগী ভাবতা ইংরাজী ভাংবদা হৈনজবা, ফৈজোম শেংপা হৈত্তবনা লৈবাক মচা তামগী খুদম ওইনবা, অতুওবা হৌজিক কানগী চাউখৎপশিংদা চল্লে থাক্লবা, মীশক অমনি। মশা য়ামনা চালাক ওই, হৌন-লোনচব খরা ময়াংলবসু, অইন লমনংগী খরা হৈনত্রবসু মতমগী মীনদি অতম অসিগী মীমকন্তি হায়না শীংথানবা অতুওবা মীশকনি। অর্দুতোম্বী থজকা নত্তে পুন্নমক অসি, অত্থুব মাগী অশোমবা অত্থু লোইনবা হোংলবদা মশামক থৌওম শিংঙনদে। অত্থুমকপু মাগী থুনীনা ফৈগাক থৎলি। মহাকনা থবপগী মতিক মেম্মগী মপুকমিং খোইম্লাং খোইশাউবসু

হেল্লকপগুম তৌই।

অমুতোম্বীনা মথা তানা তমথখি।

— মতুং নোংমা অমদা ডাক্তর জোনস, অমুতোম্বীগীদা লাকই, ডাঃ মেম্মগা উন্নবা। মতম অতুদা মহাক লৈকাইগী অকনবা অনাবা অমগী চণ্ডবা যাদত্তুনা চৎখি। ওইরম্বস্তু য়াই হান্ননা শিন্নত্তুনা মপা, চখোকখিবা, মরমদি ডাঃ জোনস মহাক লৈরমলোই হায়বসি হান্ননা খঙবগুম তৌই। খোংউপকা লোখোক্তে, ড্রোই রুমদা জর চঙশিন্দুনা ফম্মি। ইবেতোম্বীনা থৌদোসি মপুরোইবা অমুতোম্বীদা তম্মি। ডাঃ জোনসনা অহানবা অমুতোম্বীগী উন্নবদা গুড মোর্নীং হায়ত্তুনা তরামনা ওকচে; খোইনা কায়বদি নত্তে। মথোয় অনী উন্নত্তুনা ফম্মিন্নত্তুনা ব্বারী রাতাই শান্নবা হুমিৎ অত্তুনা অহানবনি। ওষ্টোকনা থাজদনা ডাঃ জোনসনা ব্বা অমা হৌদোকলকই,

"ঐনা লাকচরিবসি খুরাদা ব্বা অমত্তং হায়জগে হায়ত্তুনা লাক-চরিবনি।"

"করিনিনা ইবুংঙো?"

"ডাঃ মেম্মগী ব্বানি। মহাক ঐহাক ডাক্তর খানাদা থবক পুন্না তৌমিন্নে। ঐসু সরজরিদা খ্বায়না ডাঃ জোনস হায়না খঙনৈ, তাবীরমগনি। ডাঃ মেম্মনা মেডিসিন্নি। ঐনা ডাক্তরদা প্রোপোজ তৌজবা কুইরে। 'লব মেরিয়েজ'গী ব্বানিমা! অত্বু ডাক্তরদি খিত্তং আউট ডেটেড ওইনা তৌই, ফাদরগী ব্বা য়াওদ্রবদি ওম্মোই হায়না হায়! ঐ মত্তুগী লাকচবনি।"

অমুতোম্বী পাখৎপোই করিবোই মাগী হুপী ইবেতোম্বীবু কৌথোকই মথোয় মনাক্তা।

ইবেতোম্বীসু খুদক্তা থোকলকই।

"ইবুংঙো, নংগী ব্বাহু মমাসু অমুক্তা তাহনসি। হুপীগীদি মমানা মরুনি।"

ডাঃ জোনস করিমতা চিংনদনা হায়, "ইম্বোনবু, সিন্নিমা, ডাঃ

মেন্মা মশাদা ঐনা ঐখোয় অনী লুহোংনবা প্রোপোজ তৌজবনিদ্রা!
মাগা ঐগা থবক তৌমিন্নৈ ঐনসু পাম্মই, মানসু পাম্মই। অতুগী
ছারজরদ্রিবনি।"

'ইবেন্তোম্বীনা য়াম্না ওপ্না ফুমজকই, "ইবুংঙো, ডাক্তরগী পাবুং
ইমা কৈদৌরব্রা?"

"ও য়েস, লৈ ইন্দোনবু। অদুম, মখোয় অনীমক থায়নগী
মী ওক্তদ্মি। মখোয়গীদি ঐনা ছায়রগা লোইরে। করিনা লুহোংবা,
হুজরেও এণ্ড বাইকপী রেলেসন ছায়বসিদি মুপা মপী অনীত্তুগী থম্মোয়
অমীগী প্লানি ছায়জরিবা। মখোয়না পাম্বদি খুঙ্গংগী লাইন্নিক লাইসু
হৈভবী, চাউথবগী মঙাল ফংদ্রিবী, ইংগ্রবা নীংথমথাদা ঈরুজত্রবদি
মাঙই ছারহুমা ইংগ্রবা পুদ্রীগী ঈশিংদা ঈরুপ্পগা অশেংবা ওইবী, অতু-
গুম্বী মুপীত্তুনি। ঐবু থাজবীয়ু, ঐদি মুপীব, তশেংনা মশীং মখা
তমহনবা পামজবা জাতনি, মুপানা হায়বা অতুপ মুপীবুসু য়াহত্নগনি।
শম্না ছায়রবদা ঐখোয় অনী লুহোংলবা তুংদা মানা ঐবু পামলক্লব্রা,
মহাক মপামদা অমুক হনখিবা য়াগনি; অমুক অতোপ্পা অমদা
লুহোংখিবদা কমপ্লেন্ট তৌজরোই।"

ইবেতোম্বীত্তু অন্নুম তারগা মমায় ওাংশিল্লকই, মপুরোইবনা করি
হায়বগে ওইত্তুনা লৈ। করিমত্তা হায়রক্লব্রদা মহাকনা খুমই,

"অতুগুম্বা শাজং অত্তুগাদি ঐখোয়গী ইচামুপী অসিগদি য়য়া
চানরোই ইবুংঙো! মত্তুদি অমুম পানবা নত্রে, চাকথোংবী শান্নবদা
তারে। ইবুংঙো ইশা লেঙলক্তুনা শেংদোকপীরকসি ঐখোয়গী লাইবক
কবনি। ঐখোয়গী অঙাংদি নীংথম শাদা ঈরুপ্পি, থরোই চাবীদৌনা,
ঈরুপত্রবদি হৈনদ্রবা! নহানিনা ওাইহাক য়ারী রাজাই শাম্নদা
নোকমিন্নবকা ওইরমগনি। মত্তু য়ামা পাম্নলক্তগনি থাজদে, মানা
পামলম্লবসু মমা ঐনা পামদ্রে। মুপীতমক লৌবা য়াদ্রেদ্রে ইবুংঙো!
মুপী খিবদা, লৌবদা, মমা মপাবসু খিবা, লৌবা, তাবনি। ইমাগী
ইয়ানি হায়ত্তুনা ঐখোয়্মা লাকপাচ মত্তুগুম্বা শাজংত, ঐখোয়মা য়ারোই,

ঐখোয়গী হৈনবীসিং ইবুংঙোগীদা ভোকবদা ইবুংঙোনসু য়ারোই। অদুগা রা অমগা হায়রোগে, ঐগী ইচাসে থাজগদৌরগী হৌজিক হৌজিক হায়না চৎনরি। ইবুংঙোহোয়গী ডাক্তরশিংনরা কন্নি করিনো, ঐখোয়না পোকপা নত্তকা পংহায় হায়বীমায়নে, মত্তমা তৌবীগনু! মপাগা মপীগা য়েনবা, য়ান্না লৈনে ইবুংঙো!"

মতৌ ইমান মান্দনা ইবেতোম্বীনা ময়াংদা পায়রকই। অমুতোম্বী তুফক তুফকই ইরুন চন্না মায় তাদুনা অতুম মরৈ, খামফুম খণ্ডনা।

ডাঃ জোনস হায়কেৎ নোক্কই; চুরুট মচৈ অমা লৌথোক্লগা মীংবাক্তগী লোন্না পুথিল্লকপা, গ্যাসনা মৈ কামথোকপা, মৈখেৎ অরংবা অমা ফং খেৎলগা চুরুতু চমই, মৈগী মৈরীতু ফনা বাংনা কাপখৎলি। মৈখু শাংনা কামথোক্লগা মফৈ নীক্কুনা খুমল্লকই,

"থেঙ্ক ক্যু আন্টি, য়ামনা নুংঙাইজরে। ঐ ভাব তাক্করে ওয়েল ডন। শেংনা হায়ব্ররবদা, টু বি ফ্রেঙ্ক, হৌজিকী পোকপা পোক্লবগী রাতুদি, ঐখোয়গী রার্ডকী নর্শ মচা মচাশিং লৈরিমা, থোইনা অরুবা খনবা ঙমদবা, মখোয়ননি। শুমদোবা ল্লাৎনি, ডাঃ মেম্মগী ন্নাতোন তুম্মি, কুচু ভোই, মশা রাং চাউই, নীংতু অবা চাউই, ফজৈ, খুবোম খুরৈ মেম্মগীদোনা পুমবুম, মখুং মশা তুমত্রিক, স্মার্ট ওইনা উবত্তুদা মৈতে মচা মান্দে, মৈতৈনা ফজবসিনা ন্নাতোন নবগুম, মিৎ খুন্না খুবগুম, চাইরুনা ইচাউ চাউ, মৈতৈ শক হায়বান্না লৈরিয়ে। অদুনা হেক হায়বা রাত্তুনি। নপী মখেনগী রানি অতুগা রিয়েল্লি ঐবু হায়রজৌ হায়রবদি মানসু মানদে, ডাক্তরগী শকফম।"

"করিনো ইবুংঙোনা হায়রিসিবু, ঐখোয়গী ইচানুপীসি ঐনা পোকপা মান্দে সিরা? ইবুংঙোদি উরৌব্রা?"

"চুম্না শাওং শাদা থেমবগী রানিদা। অদুগ য়ামনা শাওবীরিবসিবু!"

অমুতোম্বীনা মাগী নুপীবু খায়ই, মাগী হৈনদবী মতাং অদু য়ৌরকপদা। ইবেতোম্বীদি ফি ফি কাময়ই।

"হায়রিবসিনি ইবুংঙো, অতুমা ঊশিং পুওইদবা ম্যাঙাং তৌরকনু!

ঐগী ইচাসি লুপী ওইরবগু ইবুংঙোদোনা ডাক্তর পাস তৌরবনি।"

"এক্সকুজ মি আন্টি, ঐ করিমতা হায়জদে। ঐ চৎচরে। আন্টিবু থাগচ্চরি, বাই বাই।"

গপ গপ চৎখি ডাক্তর জোনস। মশাদা হুল্লোইবা য়াওদে।

মহাক্লা চৎথ্রবা মতুংদা ইবেতোম্বীনা মপুরোইবদা মাবু উশিং থওইদবত্থু তাত্থুনা অত্থুম মরৈ হায়ত্থুনা মৈ হৌনা শাও, মখা থাবনি হায়ত্থুনা ফু-চৈবসু য়াদা, মখোয়দো প্রোক প্রোক শাওগত্থুনা, ও খোংনা কপই। মবুক্কেগী তাবা মচাদগী হেন্না লুনা তৌবা, কনা লৈত্রবা অঙাংনি হায়ত্থুনা মপুরোইবনা পুরকপদা, মমিত্তা মপি তামথৈ মৈনীং কুমত্থুনা, মচানি হায়ত্থুনা ফুংনাক পান্দা হিপত্থুনা নাওরোইবদগী ইথঙ খঙহৌদনা খোল্মি হৌখিবা, য়ুম মাঙত্থুনা হোৎনখিবা, পুন্নমক্ত নীংশিং-লগা ওসি কনা কনাসু নত্তবা ডাক্তর অমা, মচাগা থবক তৌমিন্নবনি, মখোয় মশেন য়ানৈ হায়ত্থুনা, তরাক তরাক লুহোংজগে হায়জবা লাকপনি হায়বত্থু তারুবদা মহাক খাঙবা ঙমত্রবমাল্লে, অমুত্তোম্বীনা থাম্ন-থামগা, হেন্না হেন্না কপথৎলকই।

চৈরকসিদা য়োরকই মচামুপী ডাক্তর, খোঙান্দগী হৌনা থবক কাবা থেঙলে হায়না লাউরকই। মচা লাকই তাহৌদত্থুনা অনীত্থু লাউনত্থুনা লৈরিঙৈ, কোক চঙলকই মাসু কা অত্থুদা। অমুত্তোম্বী পাখঙ্‌না তুমিন লু লুক্কুনা লৈ। মমানা হায়, "ইবেম্মা, ইচা য়োর-কপা ঙ্করে। করি, মাগী ডাক্তর জোন হায়ত্রা, কয়া মচোং ম্নপাক নাইখিত্রবা মশামকনা নংবু মাগা লুহোংলগে হায়রৈ। অত্থুগসু মাঙত্থনা ইচাবু ঐনা পোক্পা মান্দে হায়ত্থুনা হায়নৈসু হায়জবা শাই। ইমাদি হায়রিসিনি নং বাবাসু তাসনু, মঙোন্দনে চেন চোংবকা খোল্লবদি ঐদি থোরী য়ান্দুনা ঙেক্কা শিংদৌনি।"

হায়রগা অমুক কপই, খোঙ্গেন থোক্লা। ডাক্তর মেম্মা মপাবু ইকাইজবগুম মমায় ঙাংতক তৌ, মমাবু খেন্নি,

"ইমা মীনা ভারগা ঙাওরে হায়রম্নি, সে জোকওবা!"

"অহুদি হায়য়ু মাগা ওসিদগী কৌন ভাংনরোই, অহু নত্রবদি ঐদি হে সত্য, ইতোমতা শিগদৌবনি!"

অমুতোম্বীসু মচাগী মশক্ত উরগা মপুক নৌই, মপি ঈরা চেঙ্গিং মচাদা হায়,

"নমানা হায়রিবসি চুম্মবনি ইবেম্মা। য়ামনা উশিত্তনা হায়রৈ, নহাক তাহৌদবা ফৈ। নংসু ডাক্তর অমনি, ঐখোয়বু উশিত্রবসু নংবুদি করিগী উশিত্তফম থোকই। মাগী মখাদা লৈত্রা নংবো? ফনা মপুক শেংবা য়াই। মুপী হায়দবু মশানা চৎপা হৌনত্রা? নংগনে ফনা য়ান্নরবসু নমানসু য়াদে ঐনসু য়াদে, কাতুক কান্নবা তৌবা য়াদেকো!"

ইবেতোম্বীনা কপ্পা কপ্পা অমুকসু হায়, "হায়য় ইমাদা মাগা খক তিন্ন তোৎনরোই, কৌনরোই, নত্রবদি —?"

মেম্মা মমাগী মতৌহুদা নোকনীংলত্রা খওদে নোকমি নোকমি তৌনা হায়রকই,

"ঐবু অভাওবীরনে ইমা। ঐনা শেংনা হায়দ্রা, ঐ নহাক্কা হেক হায়বদা য়াগনি হায়ত্নুনা। ঐবু মী ওইহল্লিবসি নংগা বাবাগনা নত্রা? মানা হায়নীংবা হায়জসনু, ঐসে নখোয়গী নচানে; য়োন্দুনা চাগে চাথোকউ, মীনাইসু ওইহল্লু, নহোয়না হায়বত্নুতা তৌগনি ঐ। ওসি লাকলমলিবদো মী মওং অমনি ইকাইবা কয়া খওদে। ঐসু কিবনা লোইরবনি।মী ফত্তবদি হিদাক লৈতবনিনে ইমা! ঐ হয়েংদগী হুঞ্চিদা লৈগে দরখাস্ত থারমলবনি, অহুনা ওইরিনি মা লাকলিবহু। মতা অমনি। হায়এপোৎনি এম্মোকপা ওক্কা, অপোকপনিগা পোক্কবনিগা। ঐপ্পওইনা খক তারুদে। নখোয়গী-নচিন্দগী হায়দোরকপহু তানীংবগী য়ানি।"

মমানা চেক্তেং কোল্লি মচানুপীবু, অমুক কপই, অমুক নোকই।

তমখি নোকুদা অমুতোম্বীনা মচাগী য়ারীহু। মখোয়না পান্না ইমুংদা মাজখি মচানুপীবু, ওসি খাওবদা ফনা মন্না তপ্না পাল্লি।

অহ্ন কাওবদা মহাক্কী চিংনবহুদি পুমকোক কোক্লপা' ভমগ্রি।"

তৌবগীদি মহাক্না হায়খি, মানা মুশীমচাহু পাওল নিংডোম্নি হায়বসিদি মাগী মুশীদস্থ থক তাকখিদে। মরাইহক কথদগীনি।

তাকলম্নবদি করি থোকলমগবা ঐহাক খনকম থোক্তে।

মাপল

থরায় পানবা জীবশিংগী মরক্তা অণ্ডকপা মথল অম্মনি মীওইবা। মেম্মনা ডাঃ মেম্মা ওইনা মপুন্সিগী থৌদাং মথং মথং পাণ্ডথোক্লনা লেল্লকপা অসিমকনা অতোম্না থৌথোক অমমুক নীংশিংহল্লি। মতুম্মু লান মল্লুংদা থেঙনখিবনি। অঙাং শীশক ওইরিবী মেম্মগা থেঙনখিবা মতুংগী বানি।

তকশিল্লকলিবা লানগী পাউনা মণিপুর পুম্নমক করি থোল্লগদগে থরক হুঙ্গংলৈ। বর্মা লোমদগী চেনশিল্লকপা রিফ্যুজিনা মরোল অমা, অরাং লোমদগী হৈজিল্লকপা সিফাইনা মরোল অমা। থক্তনা লালগী সিফাই পুবা, পোৎ হোনবা এরোপ্লেন, থাদনা পোক্তপদগী উথিদ্রিবা সিফাই পুবা অচৌ অচৌবা হবাগাড়ীশিং, অচৌবা নোংমৈশিং।

চৈরকসিদা জাপানীজ এয়ার ফোর্সনা বোম থাদর্ক্লনা ইম্ফাল সহর কাং-থোং চাইরে। মী পুম্নমক ময়ুম থাদোক্লহুনা চেৎরে। মফম মফমদা এলাইজগী লাম্মীশিংগী কেম্প লৈরে। থাদোকপ্নমা য়ুমকৈ য়েংবা য়ুবুশিং হেক হেক লাকলৈ। ঐথোরবী য়ুমস্থ সিফাই-শিংগী কেম্প মফম ওইরমলে, য়ুবু ঐ কাওবা চঙদে ক্লারমরে। চঙগে, চঙবা য়াদে চিন্দা পাউদানহুনা থথরিডে চৈরক্তা ওজিলার অমা

থোকলকই, ঐগী খুম অহুমজগী। মাবা হংই, "কয়িগী চঙগদৌরিবনো।"
"ইযুমদা চঙববু করিগীনো হায়বদি করিগীনো?" ঐনা খুমই।
ঐগা তথৎনতুনা মরৈ য়েংনৈ, মাস্থু হন্দে, ঐস্থু হন্দে। থৎনজক্লা
হৌখি ঐখোয় অনীগী মরুপ শাম্নবা মশাম্না। মহাক চহীদা ঐগী
ইথকনি, ঐনা মাগী ইত্তোন ত্তোনবা মনাউংস্বনি। ঐনা য়ুম থাদোক্লক্লগী
মুংনাংবা, লম্জেনবগী থেঙনরিবা খুদোংথীবা পুন্নমক বারী শাবদা
মহাক সিফাই ওইরবস্থু, মীনিনা অরাবা নুংঙাইতবা, উংলি। অস্থুম্না
য়ুমদা হেক হেক লাকপদগী মাগা ঐগা শকখঙ মায়খঙনরকই। ঐগী
য়ুমগী য়া, মরুপওইনা, ইমাগী, ইপাগী, ইচিন ইনাওশিংগী হেক হেক
হংই। মহাক মতু তারগা নুংঙাইজে। নোংমদি ইমাগা বাবাগা শক
খঙনরুসি হায়তুনা ঐখোয়গী লাঞ্জেনফম তাম্না মাগা ঐগা লাকমিন্নে।
ইমাগা বাবাগা হেক উবদা মহাক্না মখোয়গী মখোঙ শোক্না খুরুমই;
ঐনা অর্থ হন্দোক হঞ্জিন তৌতুনা মখোয় মশেন বারী শানৈ।

নক্করগা মুংশিনরকপা, হেন্না নক্করগনা হেন্না মুংশিনরকপা, মীওই-
বগী হৌনশানি। ঐনা য়ুমদা চত্তুনা অতেক অকায় য়েংলুবগী মতুঙ্গা
মহাকনা হেক হেক লাকুনা ঐখোয়দা পাউ পীরে। ঐস্থু মহাক
কনানো, মমিংনা করি কৌই, করি লমদগীনো অসিনচিংমা খঙনীং-
লকই, হংই মঙোন্দা।

য়াসি হংলুবদা মহাক খঙহৌদনা য়াখল অমা খনবগুম তৌই,
নোক্কুনা হায় ঐঙোন্দা,

"খোকা ব্যানার্জি কৌই হায়, ঐগী ইমিং।"

ঐহাক ইঙক ঙকনা য়েংথৎলি।

মামা অমুক হায়রকই,

"করিগী ঙকলিবনো নংগী মিংঙু নংনা খোনজ্রা? নংগী মিংনি
হায়বসি কোম্না খঙলকপা ওইরিনি, যাবান্না, ইজান্না, খুরান্না,
খোনবা নক্করে অহানবদা?"

ঐস্থু নোক্কই। অহুম্বনি মহাক্না হায়রিবস্থু।

"ঐগী ইন্দোম্বি হায়বা অমনা তাকখিবনি ঐঙোন্দা।"

"করিনোনে দাদা ইন্দোম্বি হায়বা অমনা হায়বসিবু ইন্দোন অদ্রনে ?"

"ইহে ঐগী ইন্দোম্বি হায়বহুসু মানা হায়বনিনে, ঐদি কদাইদগী খঙগনগে ? অত্তুগা তৌবসু ঐহাক ইথা থাজদে, ঐগী পরিচয়গী রা অদি। ইন্দোম্না হায়, ঐসে অঙাং পিশক পিকলিঙৈদা ইমা শিখি, ঐগী বাবাহু ব্যানার্জিনি, অদুনা ঐবু ব্যানাজিনি হায়। কনানা খঙগদগে, ঐসে রেলওয়েগী ষ্টেসন অমদা কনাগুম্বা মরাইবকথীরবী চাকনিবী মুপী অমনা হুন্দোকলম্বদগী ঐগী ইন্দোন্দুনা খুল্লগা য়োকপীরম্বসু য়াই। নত্রগা ঐসি মীৎনা উবদা কাউবা মাঙই খন্নরম্বা হরিজনগী কাংলুপ্তদা পোকপা অঙাং অমা ওইবম্বসু য়াই। ঐনা লৈবা লমহু পিপ্রা কৌই, বিহারদনি, লাইরা অনংবনা পিক থল্লি, হরিজন য়াম্না লৈ !

"ঐগী ইন্দোন্দু য়ামনা ইনাকখুনবী মুপীনি, মশক মতৌ ফজে, কুচু ভৌই, চাউ-শাংই, মীনাই মীশন রাক্তে, লোয়াম চাবীনি। য়েংউ, ঐনা পিশক পিকই, মিলিটরী সার্ভিসতা চঙবদা ফুট গুই গুদে হায়বগী বেড়া য়াম্না তৌনখি, কুচুসু মুশিন মুই, মুদ্রনে ?" মপাম্বোম তিংথোক্লুনা উৎলি ঐঙোনদা।

ঐসু মুম্না য়েংই মাগী মপাম্বোম, মানা হায়বহু চুম্মি খঞ্জি। মানা মখা তাথরকই,

"মাগী মনাওমুপী অমা লৈ হাযবগী য়া ঐ খক তাখিদে। মনাওমুপা লৈত্রা হায়বসু ঐ খঙদে। ঐবু 'খোকা খোকা' হায়না কৌই, স্কুলদা মিং চনবদা মহাক্না খোকা ব্যানাজি কৌই হায়দুনা মিং ইশিলহল্লি। অঙাং ওইরিঙৈদগী প্রাইভেট ট্যুটরনা কোয়কুনা লাইরিক তমহল্লকই ; চখোকহন্দ, কনামতা তিমহল্লক্তে। ঐগা তিমরকপা হায়বহু লমন পাঙে হায়না ঐকোয়গী চাকথোংবহুগা, বহু-রাম কৌবা য়াইশিংপা অমগা অদুনা লোইরে। মখোয়সু অঙকপা মী ওাক্তনি; ঐনা করিগুম্বা রা অরুঙং হংলুবদা দেবীজীদা হংউ হায়। দেবীজী হায়রিবসি ঐগী ইন্দোনহনবুনি।

"অঙুইবনি, য়েংউনে ঐগী শকফমসি, হরিজন মাত্রা? অতুবু হৌজিক্তি ঐহাক কেপটেন্নি য়ুনিট অসিগী। সিফাই মরাম্নসে ঐগী দা তাত্রবদি কধিমত্তা তৌবা ওমদে।" হায়রগা মথরায় তানা নোকই।

"করিগী সিকাই থল্লকইবমো, ইন্দোন্সুনা য়াত্রা?"

"চুমই নহাকনা হংলিবছু! মাদি কদাইদগী য়াগদগে? ঐনা হেক লাক্তিনবথে মহাক চাক্কা চাপোংনর্ভে। লাইরিক পাহল্লি, হকচাং শাজেন তৌহল্লি, শঙ্গোম থকপা মতম, চাবা মতম, ফকলাংদা পুংশিং ইতুনা থেংলিপোংনি। মতমকা কায়বা লাকপা য়াপোং নত্তে, না হেক্তা লৈবা জাংনি, হন্তরনা হেক্তা কনবি! কিথ্রপোংনি ইন্দোন্দু ঐ!"

"লাইরিক তমলিংঙৈদা নোংমদি ঐবু হরিজন মচা মাল্লি হায়তুনা ইমান্নথা ছাত্রশিংনা হায়। ঐগী ইপা ইমাগী মিং হংই, ঐনা ইপা ইমা থঙদে হায়বদা ময়াম্না শোয়ত্রে ঐসি হরিজন্নি হায়। ঐবু হেক উবদা মথোয় থামনা থাপনা হল্দোকখি। মতমতুদা ঐহাক কপই, হৌজিকসু কপনীংলকই। ঐনা সুংঙাইতত্তুনা ইন্দোন্দা হংই। থাত্থু তাবদা ইন্দোন্না হেড মাষ্টরদা চত্তুনা রিপোর্ট তৌবদগী বা থোক্লখি; ছাত্র থরা তান্থোকখি স্কুলদগী। ইন্দোনদো কলেক্টর সাহেবগী লুপীনি হায়। ঐনা খঙলকপদা কলেক্টর সাহেবতি লৈরমত্রে।

"ঐহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী লম-তু য়ামনা কোয়নীংই, অতুবু ইন্দোন্না য়াদে। ঐনা সিফাই থল্লকপা মতমদদ মহাক শিত্রে। শিত্রিঙৈদা ঐগী লুপী থিনবা কন্না হোৎনরমই। ঐনা পাম্বতু মহাকনা পামদে, মহাক্না পাম্বনা ঐনা পামদে। নোংমদি মহাক শহরদা চংপদা বস গাড়ীগী এক্সিডেন্ট অমদা য়াওতুনা মাল্লা থীনা শোকলমী, মতুদগী মশা শোচ্ছখিতুনা লায়েংবা ওমদনা শিখি। শিরমদাইদা শিন্নরদা হায়রবখু, ঐবু মুমে পাম্লু হায়বমা অতুগা মাগী সমপতিশিংগী ওথার ঐগী ওইনা কংহৌথা, ওথায় অমনা মানা জাৎলংবা জগন্নাথ দেবগী সেবাগীদমক কৎপা অসিনি। ঐগী ইন্নমসু নত্তবা অত্তদা করিগী ঐনা

তথায় অমা থাকখম থোকই? থোক্লে। ঐনা তথায় অমনা লাইদা অহুগা তথায় অমনা মাপী মমিংদা স্কুল অমা লীংখত্ত্বনা কখোক-লমই। হৌঙ্গিক ঐগীনি হায়চনা লৈরিবা হায়বনু থা থাগী কংলিবা ঐগী অরামন তলব অহুগা য়ুনিভর্সিটিদগী লৌরকপা দিগ্রী অসিমগা, অসিনা লোইরে।

"ঐগী ইপা ইমা অনীমক ঐগী ইন্দোন্দুনি; অহুগা ঐ কনানো হায়বসিদি ঐহাক হায়বা ঙমদ্রে। হরিজন নত্রগা হরিজনগুম্বা মী অমনি। নহাক তুকচদ্রা ঐবু?"

মতমত্তুদা হরিজন হায়বসি করিনো হায়বা ঐহাক খঙলমদে। ঐনা হংবদা মহাক ঙকপা থেংলমই; মহাক্না খুগায়না তাক্লমই।

ঐখোয়গী সমাজদা অহু য়ৌনা শাথীনা লৈখা তাবা কাংলুপ অমা ঐখোয়গী অসিদা লৈ হায়বা ঐদি তাদে হায়বদা মহাক্না হায়, "নখোয়গী লৈবাক অসি লাইরৈবাকনি।"

মহাক ঐখোয়গা অমুক্কী মতিক নক্নরকই, মহাক ইতৎতক্তনা ঐখোয়গীদা লাকই। মহাক নৈতৈরোঙ্গ ফাওবা মতেক মতেক ঙাংবা হৈরকই। থা অহুম মরীলোম লৈরবা তুংদা মুমিদাং অমা ঐখোয়গী লাঞ্জেনফমদা মহাক লাকলমই, তুম্না হিপ্পগদৌবগী শেম শারিঙৈ তাঞ্জাদা। মহাক্না বাবাগা ইমাগদা মহাক হয়েং অমুক অঙনবদা মহাক চৎলগনি, লাইবক ফরগা অমুক উন্নরবা হায়বত্তুনি হায়না মখোয়গী মখোঙ শোক্না খুরুম্নগা চৎখি। ইমুং মনুংগী মী অমা কায়নবদৌনা ঐখোয় পুন্নমক খুংঙাইনরমদে। কদোমদা চৎকদৌবনো হায়বা মহাক তাকলমদে।

লান লোইরমদাই ঐখোয়গী লাঞ্জেনফম অদোমদা জাপানীজশিং লাক্লে হায়বদগী লৈবা ম্যারক্তুনা য়ুমদা হুঞ্জিনবন্না করে লাইবক লেংসি হায়ত্তুনা ঐখোয় হোংগৎলে। য়ুমদা লৈরবা মতমদা ঐগা জিন্নবা মরূপ অমগা ঐগা সিভিল হোসপিটালদা তোয়না তোয়না চৎলমই, মরূপ্পগী মপাম্পী লায়েংলিবা ডাক্তর অমগী মনাক্তা। লোংমনা

হিদাক লৌবগী, নোংমনা হিদাক কাপ্পীদু হায়নবগী, নোংমনা অনাবগী পাউ হন্দোক্লবগী। নোংমনা ডাক্তর লৈরমদগী খেওনা ঙাই, নোংমনা থবক চিনবদগী থবক লোইবা ঙাইদুনা লৈ। নোংমদি ঐখোয়না অসুম্না চৎপদা সিফাই হাবীলদার অমা চেনশিল্লকুনা ডাক্তরদা য়াম্না শাথীনা শোকপা অনাবা অমা অনী য়াওরে, অমুক্তা য়েংবীদু হায়-জরে। ডাক্তরদু হোসপিটালগী আর, এম, ওনি; মহাক চিঙৈ মপান থোকথি অদুগা ঐখোয়বু অশোকপা সিফাইশিংদু থাংজিনবদা মতেং পাংঙ্ল হায়। থামলিবা গাড়ী অশোকপতনা পিক থল্লি; বেগেজ পুনবা ঙাক্তা ওইনা তৌই; কল্লিবা হায়ববু ড্রাইভর হাবীলদার অদুতনি। মাসু মফেবোমদা বেগেজ পুল্লি। থীনা শোকপা অনীনি। ষ্ট্রেচর অমদা হাল্লগা ডাক্তরগা হাবীলদারগনা অমা পুখি অমনা ঐগা ঐগী মরুপকনা পুশিল্লি। অদুতে অনাবশিং থনমলগা গাড়ীদু অমুক থৌথি। গাড়া চৎথবা তুংদা ডাক্তরনা ঐখোয়দা হায়,

"নখোয় অনী ঙসিদি ওপরেসন য়াওবা তারে। অনাবা অনীসিগী মনুংদা অমদি মখোঙ কক্কবা য়াদ্রে।"

হায়রম্লগা চৌকিদার কৌদুনা মাগী অখোবা থাং লৈত্রা, লৌরুচো হায়। খুদক্তা চেথি চেংঙম থরা খুল্লগা শঙগী লমপাক্তা অকংবা উনাশিং খোমজিল্লগা মৈ হৌগৎলি। চৌকিদারনা পুরকপা থাংদু মৈ ঙাংশং ঙাংনা ইকই। ঐখোয় অনীবু কৌশিল্লগা ঐবুনা ফিনা কুপলিবা অনাবগী খোঙ পায়হল্লি, মাবুনা মকোক পায়হল্লি। মখোঙ নাম্নদি খুরাইনী অদুরাইদা শাথীনা শীংনা শানা মচেৎ মচেৎ তাবগুমনা উরে। ঈনা অতৎ অথম লৈতনা চেন্থরি। মদু উবদা ঐখোয় অনীমক কিবনা থক থক নীক্লে। ডাক্তরনা হায়, "পাওদেদা নখোয়সে, নমীৎ উইশিল্লু, কন্না নম্মু, লেওহনবা য়াদে।"

মীৎ উইশিল্লি ঐখোয় অনীমক, কন্না নমই লেওদনবা। চিঙৈনা তাথি চোপ হায়বমা, খুত্তা কাওথি থান্না য়ানখিবগী মনিল, অনাবনা লাউথি "আ", ডাক্তরনা লাউই, নমিং পাংথোকলকম্, অদুম নম্মু।

অদুগা মামা কোইচেন চেন্না খুৎলাই থাং কাক্তি করি করিদুনা শেম শাবগী মখোল তাই। ওাইহাক লৈরগা মীৎ পাংথোকপা য়ারে হায়রকই। অনাবগী মখোঙ অনাবদু ককখিরমদে: অনাবদু লেওদনা তুমিন তাদুনা লৈরে।

হিংকক ককখিবনি তুপাঙ্গী মখোঙদু। ঐহাক কোক হায়ফেৎ ওাওই, মিতুল হৌরকই, খর হোনবা য়ারকই, অদুগা ঐগী মরুপ অদুমদি খংলেক লেকখখি। ডাক্তরনা চোংশিন্দুনা কোনখৎলি, মনাক্তদা লৈরম্বা বেঞ্চ অমদা হিপখহল্লি, চৌকিদার কৌদুনা মখোয় অনী চঙদুনা কা অমদা থাংজিনখি। ঐসু মহু উকবদগী কোক ওাওবা হেল্লকই। অওাওব-দৌনা মপাল্লোমদা থোকলকই, নাক্তা লৈরক্কা মুখী অমা কোন্দুনা থাওই।

চৈরকসিদা অহানবা অনাবা পুরকলম্বা হাবীলদার গাড়ী থৌজিল্লকই, হন্দক্তি মথন্তুনি। মাবু উবদা ডাক্তরসু থোকলকই, "হাবালদার সাহেব ঠিক হোগয়া।" অনীমক চঙশিনখি অনাবগী কাদা। করি ওাংনবা থওদে, অনাবদু অমুক গাড়ীদা হাপ্পবা থাওখি ঐসু মখোরগী মতেং পাংগে চঙশিল্লি। ফি কুপ্লম্বা অনাবদু ফি হাংদোক্লুনা শাত্রাং তাদুনা শৈরমল্লে। উবদা ঐহাক খাই লাওই: অনাবদু অতোপ্পা অমা নথলমদ্রে, কেপটেন ব্যানার্জিনি। ঐহাক থক্কপা অমা য়াওনা য়েংই শোয়ত্রবা হায়দুনা। কোকচাউবী কাই। ঐনা হাবীলদারদা হংই, "কেপটেন ব্যানর্জি নত্রা অসিবো?" হাবীলদারদু ইওক ওল্লা খুমলকই, "নহাক করম্না থওই?"

ঐহাক মাবু কোনগে হায়দুনা তৌবদা হাবীলদারগা ডাক্তরগনা কাই; ডাক্তরনা হায়, "শোকপা য়াদে, তুমহল্লিবনি অনাবা থওদমক।"

ঐহাক ডাক্তরদুবু কিরমই, তুকচরমই, মীবু ওা: শেমম্মোনা মৈ ইকপা থাংজো অমনা মখোঙ ককখি, করিমতা থৌদাদনা। করিগী কিরেহি মহাক। মানা মখোঙ ককখিবদু ঐগী মরুপ ব্যানার্জিগিনি।

'ডাক্তরনা হায়, "মহাক করিদু তৌররোই"। ঐনা মখোঙদু কাংলমত্রবগী ঐ থোকপাদু খিবা য়ারোই" মখোঙদু পুমথরক্তগি শোয়দনা

শিগনি। ঐনা নুংঙাইতবা হায়ববু খুৎলাই মতিক চানা লৈতবা, অকবা হিদাক যংদবা অতুনি। অতুবু ডাক্তর অমনা তৌকম থোকপদি তৌগদৌবনি, অনাববু মরায়বক্তা থাদোকপদি চুমদে অতুনা ঐনা অকংবা খুৎলাই শীজিন্নখিবনি। মহাক অথুবগীদমক অসিদা পুবকপনি, হৌজিক মিলিটরীগী হোসপিতালদা পুথ্রগনি।"

"কগদ্রা ডাক্তর ?"

"কগনি, করিস্নু নুংশা থীরুনু।"

হাবীলদারনা ঐগী মরমদা হংই, মিং লৈকম ইশিন্দুনা পুখি, অনাবদা শোয়দনা খঙহনগনি হায়বীরমই।

মখোয়না চৎপ্রবা তুংদা ডাক্তরগা অশোকপা অতুগী মরমদা য়ারী শান্নে; মহাক্না অমুকসু হন্না হায়খি, "ঈশ্বরনা থৌজানবীরবদি মহাক শোয়দনমক কগনি।" ঐনা য়ুমদা হল্লকলগা পাউতু তম্বদা ঐখোয়গী ইমুং পুম্নমক য়াম্না বানরমই, ঐবু মাগা উন্নরবমক্তদা মাগী অশেংবা পাউ খঙলক্তে হাযনা বাবানা শাওখি।

মহাক মীতোপনি কনাসু নত্তে, অতুবু মরুরুবদগী য়াদবা ঙমখিদে মাগীদমক। ভাইবংপানসিদা মাগীনি হায়তুনা কনাসু লৈজদ্রবা মীশক অমনি হায়বসি খল্লুবদা অমুক্তা হেন্না নুংঙাইখিদে। লানফমদা শোকলকপা শোয়দনা ওইগনি, লানফমদা য়ারমগদৌবা, শিরমগদৌবা, য়য়ামতু খন্দবা ঙমলমদে।

তরানি থা হৌরে, মাগী মরা মপাউ অমত্তা ভাখিদ্রে, মরক মরক্তা বাবানা হেক হেক শোনবদগী হেন্না। মহাক শিপ্রবমান্নে হারবসি ঐহাক থাজরমই, শিবা য়াবা থৌদৌনি নুমিত্তদা থোকখিবতু, নত্রবদি মহাকী পাউ অমদি ভাতম থোকই। খল্লি পুন্নিংদা শিন্নমদবা ওইসনু, কাওখিবা ঐখোয়বু। অতুবু ইথা থাজদনা নোংমদি মাগী চিঠি অমা কংলমই, কনা য়াম্না কুইরবা চঠী হৌপ্রবা মতুংদনি"।

মহাক্না অসুমনা ইরকই, "ঐহাক ওন্দিমক আফ্রিকা মহাদেশকীদমক থোঙ-খান্নে। মহানমথে চিঠি ইরক্তে হায়দুনা য়ারোইগতু। ইখোগী

বাবাগা অনীমকপু খোঙ-শোক্লা খুরুমজরি। ঐহাক্কী ইথৌ পুন্নমক লোইরে, শিরবস্নু য়ারে খল্লে। ইমা শকপী ইন্দোমা শিন্নরবা ইথৌদাং পুন্নমক পাঙথোকলে। শ্রীশ্রীজগন্নাথ দেবগী আখড়া শাবা লোইরত্না কংলে। কংখিবা স্কুল সরকারনা লৌশিনবীগ্রে; মাগী মমিং লেঙদনা লৈহৌরনি। অদুবু ঐহাক য়ুমদি পানদ্রে।

"ঐগী ইখোঙ ককখিদা নহাক্লা খঙলিবদ্রুনি। অশাবা খোঙ অমবুদি হাপলে, মিলিটরী ওফিসার ময়ামনা চানবীবদগী। খোঙ হাপ্তুরুদৌনা অদুম চংপদি য়াই অদুগা অকনবা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদে। নহাকনা ঐগীদমক লুংনাংবা, য়াবীবা, ঐহাক ঙম্মা তাজরে, মতুঙ্গীদমক নংবু থাগৎচরি। তাইবংপান অসিদা ঐগীদমক পি মরাক অমত্তং শিন্নবীনবা মী হায়ববু নহাক মঙাই; নহাকপু ঐনা ঐগী ইনাওনি হায়না চাউথোকচরি। ঐহাক অমুক্তং লাক্লুনা নঙোন্দা তৌবীমল খঙবা উচ্চগে, বাবাগা ইমাগদস্নু খুরুমজগে তৌবনি অদুবু ঙমখিদ্রে।

"ঐনা চংলিবসি স্থগর কেক্টরী অমদা থবক তৌরুগে চংলিবনি। হেক য়োৗবগা পাউ থারকে। করিগুম্বা খুদোংচাবা ফংলবদি কনটিনেন্টস্নু অমুক্তং য়েংগে খল্লি।"

চহীমুক্কী মমুংদা অতোপ্পা চিঠি অমা অমুক ফংলমই, হন্দক্তি-মাগা মাগী মুপীনি হায়দুনা গ্রেসীয়া কৌবী অমগা অনীগী লুহোংবগী-কোটোগ্পা কোম্ননা থারকই। ঐহাক হায়কেং ঙকলমই, লুহোংলরোই হায়খিবা মহাকনবো! পুন্সিদা অকরুবা অসিমা মতৌরগে হান্নবসি ঙইথোক্তবনা অয়াম্বা ওইরমাল্লে। মহাক জাপ্পিবন্ন তাম্না চংপদা ট্রেন এক্সিডেন্ট অমদা য়াওখি, মথুক্তা অমুক অশোক অপন নঙখি। গ্রেসীয়াগী-মপা ডাক্তরনি। মহাক পৈশাদি লৈরে হায়ববু পৈশাক্লনা [illegible] [illegible]-য়াখিলে, মাগীদমক [illegible] গ্রেসীয়া মপা মচানা [illegible] [illegible]-[illegible]। গ্রেসীয়া মশক মতৌ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মমানা ইউরোপীয়ানবু নিংজোঙি। মপানা মচানুপীগী [illegible] [illegible]

আফ্রিকান নত্তবা মুখ্যাদা থাজনীংলম্মই। মখোয়গীদা কুইনা লায়েংচুনা লৈবলম্মী থওহোৎলনা মখোয় অনী নকশিন্নখি, ব্যানার্জিনসু মথন্তা ওাইবা সংসার অসিবু কিরম্মই। অতুগী মথক্তা মহাক থওহন্দনা মন্দোন্না মাগী মমিংদা উইল তৌত্তুনা শেনফম থন্না থম্বীরমই, অককনবা চহী লোইরগা মওোন্দা পীগদৌবনি; কনদিসন অমদি মহাক মুশী অমগী মপুরোইবা ওইবা হায়বসিনি।

মহাকনা থনখি তাইবংপান অসিদা মাগী মন্দোন্না হেক লৈখিদবদা মহাক্কী কনাসু লৈত্রে অতুগা মাগী মন্দোন্না শিরফাওবা মাগী অর্ক ফত্ত য়েংশিল্লি হায়বসি মহাক থওলমদে। মখোয়গীদা মন্দোনগী মুনসি ওইনা লৈরম্বা ভোলানা মন্দোনগী মহুৎশিন্না মাগী অফ-ফত্ত শেন্নল্লি হায়বসি মহাকনা সমুদ্র য়াংমা লাল্লবা কান্দা থওলকই।

মহাকনা ইরকই,

"ঐহাক হৌজিক্তগী ঐগী ইমা শক্লবী ইন্দোনগী মফমদা পুন্সিদা শিংওঅদ্রবা লমন হন্না হন্না তোনশিল্লে হায়বা থওলকলে। মহাকনা ঐগী পুন্সিদা অবা অনা কয়া থেওনরগদৌবা অতুগা মায়োক্লনবা লম্বী পুন্নমক শীন্দুনা থম্বীরমলে। মহাক্কা ভোলাগী মফমদা মহাক্কা শিগ্রগা মাগী মহুৎ শিন্দুমা ঐগী অরাৎ অপা পুন্নমক য়েংশিন্নবা শিন্নবীরমই'। ভোলাসু মবেম্লগী য়াথং হৌজিক ফাওবা ওাকলি। মহাক ঐবু কোইশেন শেন্নরি, ঐনা অসিদা লৈবফাউ মহাক থওই।

"ঐহাক ইন্দোন্না থনম্বা উইল থওদে, কনদিসনসু থওদে অতুবু লাইনা তম্বা হায়বড়নি। গ্রেসকা তান্নবদা উইলগী শেনফম অসিনা কারবার মচা অমা পায়রগা মফমসিদা ইন্দোনগী নীংশিংবা য়াবা কল্লিগুম্বা অমা তৌসি হায়না লেপ্পরে।"

মসিদা নত্তনা মহাক্কা ঐবুসু আফ্রিকাদা লাফউ. বার্তন তৌরকই, ঐনা চৎনীংলবদি খরচ পুন্নমক মহাক্কা থারক্কনি হায়।

মাগী চিঠি অসুম্না লোইশিনখি,

"মপা মমা মশক থওহোৎবা মীনা মহাক কনানো মাগী মপা মমা

কন্সানো হায়না খঙনীংবা হায়বসি হৌনশা ওইরমারে। মশাগী হৌরককন শাগে জাং খঙজবা ঙমলিবা মখোয়ত্থু লাইবক ফবশিংগী মরক্তা অমমি। অশেংবত্থু তাকপীরমদ্রে ঐগী নুংশিরবী ইন্দোমা। অত্থুনা ঐহাক ঙসিমু য়াম্না তোল্লবা অমগুম হেক হেক খল্লি। অত্থু ওইরবমু ঐহাক মীনি; মীওইবা হায়বা কাংলুপ অসিগী মীওই অমনি। ঐনা নুংঙাইতবা অমনা মীনা মীবু শাগে জাতনা মরম ওইত্থুনা হন্থনা য়েংবা, তুকচ্ছবা, মীনি হায়বা খনবীদবা, অসিনি। পুকচেল চাউরবা ইন্দোনত্থুনা য়োক-শীরমদ্রবদি ঐহাক অসুম্না হিংলকনি থাজদে, হিংলরুবসু শহরগী মীনা চন্দ্রবা অমোং অকাই ত্থুন্দোককদা ত্থুই হৌদোং মরক্তা চগুম খুন্দুনা, হিংলমত্থু য়াই। ঐগী হৌরককমবু খঙলবদি মত্থুসু লাইবক ফবনি। ঐনা ইন্দোনগী মশাম্না মপাম্থোংগী ঈরাংগী নুংঙাইবা ফংলবসু পুকনিংগী অশেংবা নুংঙাইবদি হন্দকী মপোক্তা ফংগনি নীংদ্রে, খঙলম-লবদি শায়দগী কত্তে হায়রুবসু মত্থুতবু চেৎনা কোল্লমগনি। ফন্থবত্থুদগী লাম্থোরুবা হোৎনরত্থুতদা নুংঙাইবা ফংজরমগনি। অত্থুবু পুম্নিদা অসুম থোকহনগে হায়বত্থুদি হেক য়াবা নত্ত্রেদো।

"ঐম্না ইন্দোম্না হিংলিঙৈদো মহাকনা হায়খিবত্থু ঙাকপা ঙমখিদে, ইশাবু মশক খঙনীংবদগীনি, অত্থুবু হৌজিক্তি মত্থুমক পাঙথোকলয়ে; ঐগী প্রেসকী নুংঙাইবনা ঐগী নুংঙাইবা ওইরয়ে! ঐগী ইন্দোম্না লাই-রৈবাক্তা উরগা হয়াওরমগনি খল্লি।"

চিঠি অত্থুগী মত্থুম্না ঐহাক কেপটেন ব্যানার্জিদগী মতম কুইনা পাউ অমত্তা ফংখিদ্রে। চহী থরা লৈরগা মকম অত্থুদা অতোপ অতোম্না কাংলুপশিংগী মরক্তা শহন চৈনবনা ফেন-তাঙম খঙদে হায়না চিঠি অমত্থুং ইরকখি। মত্থুনা মাগী অরোইবা চিঠিনি। মহাক হৌজিক করম তৌরম গনদে হায়না ঙমদ্রে। অত্থুবু ঐহাক থাজ্রে মহাক অচঙবা মীমি নুংঙাই য়াইফনা পাল্লমগনি। মত্থুমক ওইসন্থু!

তরাশুবা

ঙসি নোংমা নীনিসি মুংঙাই য়াইফ শাত্না হোটেল হোংবা য়াও, তুকানগী হিসাব কিতাব খরা শু, মহাজন্না য়ানবনি হায়তুনা চা গিলাস অমা অনীগা মতমগা ওন্নথোক, ঐগী ইথৌ ওইত্না লাক্লবা কৈথেলমদুং চঙতুনা চান-থক্লবা অহোং অচাউ থিত্না চেং-চাক, মনা মশিং তিকপা অমুক্তা তৌরক্লবদৌনা লেল্লুই। মুপীনা চৈবনে, ইচা পাখং লৈশাবী-শিংনগা ম্বারকপনে অমুক কৈথেল কাবা তমখৎলি, মখোয়না য়াবীনবা।

নোংমা থাঙ্গাল বাজারগী ভায়োনফম লমজং হায়জিল্লক্লুনা ভারী ভাতাই খরা লৈগে য়েংলিঙৈ তুংলোমদা লাউনরকই, "ফারো! ফারো!" করিনো হায়তুনা ভারী ময়োম মচাদু লৌরগা থোকলক্লুনা ময়াম য়েংলিবা অদোমদা লাকপদা লম্বী চৎপশিংনা একাগাড়ী তোংবা পাখং অমা কোইতান তান্নতুনা ফাবদু উই। হংঙ্বদা একাগাড়ী তুরানবনি হায়, ময়ামতুনা পুমওম ওমশিনখি, হাৎলো হাৎলো লাউ। মী ফুবা উবদা মিপাই থবাইজবা, খাম্বীযুগা কনবীযুগতা হায়জগনবী ইমা ইবেনশিং ফাওবা, 'হাংলু হাই তুরানবতু' হায়না লাউনৈ। পংলাপ লাপতে ফান-পুন্নরিবতু; গাড়ী লাকপা মুপাদু মকোক্তা ঈনা পুমঙাং ঙাং অমনা খিল্লি অমনা কাউই, মাসু অতু ফাওবদা চেন-গদৌবগী হোংনৈ, লীৎফম লৈতে, লৈমাইদা দম তুথে, ময়ামতুনা চোংখৎ চোংখত্তুনা নেৎলি, অখাম্বা অমত্তা য়াওদে, শিরসমু হায়বা ঙাক্তা।

ঐহাক্তীসু ইচানুপীগী হারকুলিস লৈরুবতা ঙাইরিবা একাগাড়ী অমা মাঙখিবা কুইত্রি। লৈত-লৈত পু-লংতুনা ইচাগীনি হায়তুনা লৈখিবনি। মীগী পৈশানা লৈহৌরি, গাড়ীনা তুরানবগী। তকসি শোনখি, থেঙনরম্মবদি মথবায় হেক লৌগদৌবনি, শিরশমু খল্লি ঐসু।

অদুবু ইমাংমক্তদা মী অমা শিবা য়ানা মীয়াম চংদুনা ঙা শেম্বগুম চিংবগা কাউবগা, নেৎপগা তৌবত্নু উরগা মুপা অসিবু একাগাড়ী হুরান্দুনতা চারবা মী ওইরিগদ্রা হায়বা মীনুংশিগী রাখল অমদি পোকল-কই; খনবা হায়বত্নুনি খাম্মুবদি ইতিক নত্তে, থ'না ফাউবা চেল্লবা অসিদা। মুপাদো হুই অঙাওবদৌনা শাদ্রাং তাবে, ময়াদগী ঈখেং হাথরে ময়ামত্নুগী চৈফুদা। খুদক্কুদা য়েৌরকই থানাগী গাড়া, মুপাত্নুবু কন্নবা। শিররিদ্রা হিংলিদ্রা খংদে গ'ড়ী মথল্লা হাপকত্নুনা পুখি। লৈহৌবা মীয়ামনা, 'পুবা য়দে, থাদোকল্লুগেরা' হায়না লাউনৈ অদুবু মীগীস্তু মথৌনিনা ময়ামত্নুদগী নমথেক্লুনা পুখি।

মচি অমদা একাগাড়ীত্নুগী মপুনি হায়দুনা একাগাড়ী অমগা লোয়ননা লেপলমই অঙাং অমা। ময়াম্না ওনশিল্লি, হংনৈ। অঙাংদুনা কপনিং কপনিং হায়,

"সিদি ঐগী গাড়ী নত্তে, আদগী অহন অসিগীনি, ঐগীদি ফংদ্রে।"

অমনা হংই, "নংগী মাঙই হায়বদাইনে?"

"ঐগীদি ঙরাং মাঙবনি। ঐ থব্বায় মুংঙাইতদুনা ঐগী গাড়ী মাঙখিবা মফমসিদা চুম্না লাকচবনি। ঐনা অসুম ফমলিঙৈদা খুরা অসি লাক্লগা মাগী গাড়ীসি থনম্লগা কৈথেল মম্নুং চঙখি, মানা হেক চঙখিবগা হুরানবা অসিনা মীগী গাড়ীসি শো হাংলগা থৌগে তৌবদা ঐনা কোইলাউ লাউবনি। ঐগীদি ফাহৌদ্রে ঙরাং অত্নুম মাঙখ্রবনি।"

ময়ামত্নু তুমিন তুমিন লৈনৈ। মুপামচাত্নু মমীক্তগী মপি চত্নুম চত্নুম শিন্থরকই, মাগী ফুরিৎ ফিজিন্না তৈথোকই। গাড়ী মপু অহন্দুনা লুপা তন্না পুথোক্লুনা মুপামচাত্নুদা পী, পীরগা হায়, "নহাক্কী নপান্না গাড়ী মাঙহৌদবনি, 'সিনা করিনো অমা চাও ইবুংঙো।" মুপামচাত্নু তঙক তঙক য়েংদুনা লৈ। ময়ামনা লৌ লৌ হায়না হায়রমই। ময়াম্না হায়বত্নুদা পৈশাত্নু লৌরগা অঙাংত্নু তুমিন্না কপ কপ্তুনা চংখি। গাড়ী মপুত্নুনা মথোয় অমা অনীগা নোক্লুনা অবাং পাংবরোমদা হাইগংখি অনীত্নুগী খেন্নবত্ন ঐ য়েংহৌই।

অঙাওবা মশেন পোনৈ হায়বগুম মুংঙাইতত্থনা অঙাংত্থু খানই ঐনা,

"ইবুংঙো নংগী গাড়ীদি অহনব্রা ?"

"মানি খুবা, ইমানা পরীক্ষা নংনবা ফ্যনেক য়োম্থোক্লগা লৈবী-বনি। ঙসিগী মফম অসিমক্তদগী মাঙখিবনি। অসাইগী হুরানবত্থনা শোয়দনা হুরমগনি। মত্থু শিরবদি মুংঙাইনি। ইমাদো ঙরাংদগী চাক চাদ্রি।"

"ঐগীস্থু অমা মাঙখি, কুইদি কুইরে। ইচাসিদি ইমানা অমমুক মরাইনা লৈজনি।"

"ইমাদি য়ামনা লাইরৈ, সুগ্রানি। ঐখোয় ময়াম থাকপদা লোইরবনি। মপোক অসিমগী গাড়ী তোংবা ফংলরোইদৌপোৎনি।"

মুপামচাত্থু কপই; হায়রকই,

"হুরানবশিংনা পুরিবা শোসি কদাইদগীনো ? মানা গাড়ীত্থু হেক থনম্বগা চঙশিল্লক্তনা শো হেক্তা হাংই।"

মহাক য়াম্না নীংঙমদনা চৎখি, একাগাড়ী থোরকপা খুদিংদা লেপ লেপ্তুনা য়েংই; ঐস্থু মাবু য়েংত্থনা ফনা কুইনা লেপলমই।

চাউখৎলক্লে হায়না হরাওনরিবা শহর অসিগী খ্বায়দগী মাংজিন থংনা চাউখৎলকলিবা কৈথেল অসিগী থৌদোক লীশিংগী মনুংদা থৌদোক অমথকনি। একাগাড়ী মাঙবগী ঘটনা য়াম্না তোইনা থোকই, তোইনস্থু ফাই, অচুম অরান খিবশিংনা আইনগী মতুং ইন্না চখে; হুরানবগী কেশকী হৌনবী, হুরানবনা জামিন্দা, গাড়ীনা থানাদা, গাড়ী লো-থোকপদা হৌনবী কয়া। গাড়ী ফংলবনিনা হুরানববু কাওরকই। মীনা ফল্লবা আইনস্থু ফত্রে। চিংনৈ মীয়ামনা আইনদি অচারমগীনি, অচারমগীদমক হুরানবা থাদোকপা হৌনদে, ফু, হাৎলু, ফাদোক পীবা পীদবা, অসিনি মীয়ামগী রায়।

নোংমা ইমাংমক্তদা চপ মান্নবা থৌদোক থোকখি! ইমিৎনা-শং শং উখি হুরানবত্থু ফাবগা যুদত্তুনা শাদ্রাং হুন্দোকই লম্বীদা,

হন্দোকলগা তোক্তে, অহাংবা জীপ অমদা মীয়াম তোংখৎলগা খর অমনা ইন্দুনা জীপ অতুনা তকথৎলি হুরানবত্থ। মী পুন্নমক পেন্নবগুম তৌই। খুবাক খুনৈ। অতুবু হন্দে হুরানবশিংদি হয়েংস্থ অতুম হুগনি। অস্থুপ শাথীরবা খৌদো অসিদা লাইবক য়েংলিবসি মসিদা করম্বা রস অমা লৈবগে খনফম থোক্তে।

পোৎকী মমন্না ঙশিং ঈচাউগুম জিরি জিরি হেঙ্গৎ, শেন থোক্লবা লম্বীনা তিংগাকোক! ইমুং অমদা তরানা চারগা অনী অহুম্না খুদোন লৈতাদবমখে নোম্বা! ঐগী ইমুংমক্তদা হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শানা থোকলি।

তত্তনা খেঙনৈ ঐগা কৈথেল পোৎলক্তা খোংগ্রাউ ফি হাবা, ফুরিৎ ফি য়োনবা। যশবীর বাবুগী সেলসমেন মক্তনা কৈথেল মনুং পুংচাই চাইরিবনি। তুকান্দা য়াখৈ পীবা ফি কুনদা কুম্থ্রাদা, অতুগা মরক মরক্তা হোঙ্কোংদগীনি ইটালীগীনি হায়জিনতুনা মমল খিত্তা পীবা ফিদা তুনা হাপকত্ত্রনা য়োনশিনবা। মীওইবনা ওইজবা পাম্বসি লাইমা মপাম্মি; লৈবা ঙমদবা শিংদি লৈবা ঙমদবনি মফরে, লৈবা ঙম্বা অচৌবা সাহেবশিং, ঠিকাদারশিং ফাওবা লৈনৈ অসিগুম্বা ফি, খিত্তং ওইজৈ নীংতুনা। হিংবগী পোৎচং কয়ানি। অতুনা হিংনবগী লম্বীস্থ কয়া অমনি। ফিজেংক-চাকচা মথন মথেন চঙই, অতুনা ওইজবা খিবা তাই হিংননবা।

ডাক্তরনা অফবা পাউতাক পী, প্রোটিন য়াওবা চিঙ্গাক, শা ঙা চাউ, শা চাদবশিংনা তঙাইফদনা ঙা, শঙ্গোম, য়েরুম, হৱাই চাবা, হকচাং ফনা থম্নবগীদমক তঙাইফদে। পাউতাক্তনি ডাক্তরগীদি, করম্না কদাইদগী শেন্না মখোয়তু লৈগদগে হায়বসিনা মচিঙ্গাক রাৎলবা ঐগুম্বগী শরুকনি। ঐখোয়গীদি ফোস—ফোরস য়াওই হায়নবা ভারী ঙাতাই অম্মিকস্থ ফনা রানা হোৎনরবনি। অতুনা চঙই তোইনা ঙাকুপ য়োন্নফম, মথাদা হুন্নবা য়াবি, ইমা ইবেনশিংগী লোকমাই তন্না।

অস্থন্না চঙবসিদা খেঙনখি থৌখোক অম্না নোংমা, শেল্লেপ মাঙবীগী

শেহ্নংগী রা। ওয়োন্নবী য়ো মীয়াই চল্লবী অমনি, য়চা, অপীশক চেপ্নি, অচৌবা পোদোন তেঙ্গালীনা পুমম মন্নমখৈ কারবা অমা য়োকমাই মতোন্দা, মনাক্তনা অথুপ্পা কিজেং ক্রিগায়থক্তা অরা অমা থঙদনা তুমলিবা য়চাং মতুগী মন্নাক্তা খাট্টা মচা অমা পুথোকুনা হিসাব হোৎলিবা মহাজন। মহাজনতু মশক থঙই। খুল্লকা হঙামথাউ ভিন্না ছাপ্পনা একাগাড়ী অমগা কোইচেন চেল্লমুনি, খায়না কৌনি, প্রসাদ থাউযোনবা। ঐনা পোৎমাংদা লেপ্পনা, মাগী অপিকপা ভাগী মখক গুরবা ৎখা ভামাইগী মথাশিংতু করম্বনা খায়নবী চাউবগে কুপ্পা য়েংতুনা লৈরিবৈ চৈরক্তা প্রয়ারনা লাউরকই। মরোল্ল খোইরপা,

“ওরাংতু পীদে, নহানতু পীদে, নহানগী মমাংতু পীদে, ইন্দোমা তৌরিসিবু ওমিতু পীদরদি কমদৌনি? ঐগীদি শেল্লেপ মাওলিবনি। তনবীরবদি কমদৌনি? মাঙলেদনা ঐদি ইন্দোন পীরোনে ইন্দোনা লুপা কুন থোকলেনে নুমিৎ মরাগী!”

মন্দোন্দু খুমদে, ওা মথাশিত্র তেমথোক তেমশিন কমা হোৎনরি। চিটনা য়োরকই অতোপ্পা মহাজন অমসু, চন্দন চরা ফজনা থিনবা, মীয়াই চল্লবা অমা। মাসু পাযরকই হিসাবগী অপিকপা নোট্ বুক অমা, মখুং নাম্নদা পেনসিল। ম'খ'যনা ভাংনরিবতু তাদে, পোত্তেনদা লেপ্লগা হায়রকই, “ইবেম্মা শক তজবী! মথং মথং য়োগ্রগে, লুপা তরাদং লানথৎলকউ!”

প্রসাদনা হায়জবদা তারমদবী নুপীতুনা, যজে হায়রিবা মমায়ুতু থাঙ্গৎলকুনা খুমলকই, “ঐজ্জা ননাইশিং অতৈগী হাল্লা য়োবীকথো। লেঙথোরকপদা কচ্চুগে নুনাই ঐগীদি।”

“য়াই য়াই ইচনসিদি, শোয়দি শোয়রকো। ঐ খুরা নংইয়ে, হৌজক্তি।”

প্রসাদরোমদা ওনশিল্লগা হায়রমই ঐজ্জানা, “রামপ্রসাদ বাবু, হিসাব লোইনত্রিবরনে?”

প্রসাদনা খুমই, “লোইনরি ঐজ্জা!”

হন্না য়েংলমদে অহুম লেঙখি। প্রসাদনা তকশিন্নকই, "ঐগীসু মীয়োনে ইন্দোন।"

"হন্নিংখোইহু-ডাই মসিগী মুপাসি, নংবু মুপীসু দেশ চংখি হায়বদাই, ডাইহাক কমখো মুপীময়াম মরকসিদা! পোৎসি শিন্দোকপদা মডাইরি, ভ্রুং ভ্রুং হেক ঙংলদনা! ঐ চেল্লোইনহে!"

"কাগী তৌমুদা ইন্দোন, থা লোইরকপগী কোক ডাঙরিবনি। অডাংগী পৈশা থাগদৌব। হয়েংদা ডাইরবনি।"

"ডালো হাই, ঐগীসি নত্তরবদি থানীংডাই লৈররোই নংদি। মায়-পাকপীহোইনা হেক ছন্দবদি হুইহুডাই নংনা তেঞ্জথা শারিবা; মহানি হায়হুনা ভৌরিব্রা? মীনা ডাইহাক্তা ডাইখো হায়রগা!"

ঐ অমা পোত্তোনদা লেপলি হায়বসি থঙদে মুপীহু, মহাজনহু লৈবনা ঙইরমাল্লে। ঐনা হংই, "ইমা, মথাসিবো কয়ানো?"

"অনীদনি ইবুংঙো, ইমা হাপকে।"

মমাংদা সৈরিবা অচোইবা ডাদগী খুদোগা খুদোম্বীগনা চপ্তনা থাদে, অনী অহুমদং লামুক পানা শন্দোক্লবা মথাহুদা। রামপ্রসাদ য়েংই ডাহুদা, অহুগা অমুক ঐঙোন্দা। ঐনা হায়, "ডাহু হাপকদৌশরুক পৈশা কুনমডাদং ভাবীয়ুদা!"

"হা ইবুংঙো, য়াদহুনা তৌরিবনে", হায়রগা অমুকসু অমা অনী হাপচিল্লি, অহুগা য়েংখৎলকই। ঐবু য়েংলম্লগা করিগীনো থঙদে 'হৈমা' হায়রগা নোকই। নোক্লগা মথা তাথরকই, "ঐখোয়বু ওয়োকনা লীনা উরবোইরে, ইমা হায়ব্রবসু অবোক হেক কৌবা!"

রামপ্রসাদ অমুকসু য়েংখৎলকই; মহাকসু নোকলক্লদোবা মাল্লি অহুবু নোকলক্কে। ঐ মথা তাক্লদে লুপা অনীচংগী অমা পোত্তোনদা থাদে; মুপীহুনা পোদোন্দা থান্দুনা য়েংই, অনীচংপীহু। ডাহু হাপচিল্লিঙে অমুক চিঙে হুল্লকই অসাইগী ঐজ্জাহু।

"ইবেম্মা শকক্জবী। ঐজ্জা য়োক্জরকলে

"ঐজ্জা, পীরকলত্রনে ননাইশিংগী?

"পীরকপা য়াও পীরক্তবা য়াও, ইথৌনিনা অমুক খোম্মুখিবা তারিদনা, নংগীদু পীথোরকও অসুম খোকপ্রগে ননমা থৌরানীদু হয়েং মচাগীদা চৎকনি হায়দুনা পোৎ খরা তিকহৌরি, পাঙলুবা তারিনে।"

"ঐজ্জা অদু হান্না লোইখোকপীরুখো, ননাই ঐখোয়গীদি পোৎ থাবতা মঙাইরি; রাংদি।"

"অরৈবা খরা হেক্তা পীরকলো, অরাংপনা হয়েং, ননমদু শাও-গল্লিনহাই।"

লুপীদু লোকমাইফিদা মথাদগী লুপা মঙা থিদোক্লগা লানথংলকই ঐজ্জাদা। রামপ্রসাদনা লুকথদুনা য়েংহৌই।

ঐজ্জানা লৌরগা, "মঙা লৈহৌরেদো ওসিগী!"

"খঙজরে ঐজ্জা, অদুম ইশিনবীয়ু।"

ঐজ্জানা হেক লেঙখিবগা রামপ্রসাদ শাওগংলকই, "অসাইদগী কম্না ঐবুদি ঙাইখো, করিনো ইন্দোন, ঙাওব্রা নংবো?"

"মসিগী নাত্রং অসিদি, মতু পুরকই হায়বদু তাব্রা ননাদু? মতুদু সিদা পুদুনা অমুক লাক্লবদি কমদৌনি? ঐখোয়বু মী নত্রব্রা রাম প্রসাদ? নংসু চৎলুখো, অতৈ অতৈদু খোমজিন্নুখো, ঐগীসিদা গুরু গুরু নৈত্রবসু। নংনে ফাগী তৌজসু পৈশা মাঙজনিকো।"

"অদু ঐগীসু কয়ানো পীরোনে!"

"অশিংপমখৈ তেংনা লৌগ্রে, মতু লাকই হায়জিন্দুনা, নংনা পীদ য়াদে হায়রগা ঐ পুগদৌবা মঙাইরে, মীনা পোৎ য়োন্ত্রি হায়রিমক্তদা!"

রামপ্রসাদতু গতি লৈত্রবমান্নে তন্দে মান্দে হৌগংলকই।

"ওসি মরীনিগী লুপা কুন খোক্লবনি, ঐ অসিদা অমুক লৌক্ল-খিগে। ইন্দোন পীত্রবদি ওসিদি য়াররোই।"

"পীগেনহাই চাউবা নংবো।"

রামপ্রসাদ চংপ্রবদা ঐনা হংই,

"পৈশা পুরিবরা রামপ্রসাদতগী?"

"পুত্রবদি কমদৌনি, শেল হনবী তৌরিবনি, নোংমদা মঙা মঙা

মনিবন্নি শেক্লেপ্ চাম্বুকুন লৌবগী
"খাড়া নোংমদা মঙ্গা !"
"উমু, পুন্ত্রমদি মৈতে অসি নত্রদ্রি !"

অদুম্বনি লৈতবমকনি। করিদি তৌগনি, চাম্মদা মঙা কাবদা কেং কেং হায়রবাদা চাম্মদা কুন কুম্ব্র হাপ্পা শেম্বং ! শেম্বংসিনা মখোয়গীদি হিংনবা ঙম্গী ওইনরি। খুঙ্গংগী অচম্বা মঙ্গী ওইরম্বা য়াই, অদুবু কৈথেল অসিগী চংনবী, মীগী মথয়াং যৌরবাফাও মুনবা ভন্নবগী লৈশাংদি লৈবা ত্রাই। মুসিমু মথুঙ্ অমগী কগানি। হিংনবগী লানফমদা ফজদবা করিবু লৈবনো ?

নোংমনা, ঐনা য়ামনা ইকায়খুম্জরা, ফমদি পংচাউ চাউদবা, সরকারগী থবক্তি মতৌজবা, মরুপ অমা ইথা থাজদনা কৈথেলদা থেংনৈ। ঐনা পোং-চৈ লৈবদু উবদা মহাক্না য়াম্না হঙ্গোইনা মাসু ঙা অমত্তং লৈগে লাকপনি অমুক্তং পাওবীবা য়াত্রা হায়। মহাক অমুক্তা কৈথেল কাদে হায়বসি ঐহাক খঙই। কৈথেলদি ঐগীদি লমফেলদা চাবা, কৈথেন অমুক্তং শমলগা, থুঙ্ক্লোরা লেকখৌত্রবা, পোৎযোনবীগী শ মৈ চাহৌত্রবা, খম্না, মবুক থন্দে হায়বদোনা হৈনবী ওইরকপা কুইরবনি।

"করিগীনোক্রন ওসি ইথা থাজনা কৈথেল কাবীরকইবসিবো ?"
—ঐনা হংই।

"ফনা ইকাইবা য়ানিদ্রা বাবু, তলব মচা চাবা, থবক মচা থক তৌরোইদবনি। ইচাশিংদো থক তৌবগে বাবু ! ইথক্তা ভাইহিদ্রি করমই, য়ুম্ন হেক পানবগ্না মঙং অমা ওলকই। অথওবশিংগীদি খঙদ্রে ; ঐগী মুপীদুদি খুদমী লৌরকবনি, য়ুম্না পংজধবা, সরকারগী তলব চারবদি পুম্নমকসে ক্লাস অমত্রনি থজরা জাওনি। অচৌবা ওফিসারশিংনা কার তোংলগা ঐখোয়নদি তোংহন্নবা, মহাক হায়রোই, মুখোয়গী য়ুম্মদা ওর্ডলীনা অঙাং নাউরোইবা, ঐখোয়গীনা ঐনা নত্রগা মানা, মসিমু মা হায়রোই।"

"খঙলনবা তাকপীবা হাত্রনে।"

"অদুগী ঐস্থু, অদুদা বাবু, তাইবংপান্দা ইকাইখদনা ইকাইবা হায়বদে মীদি কৈনে বাবু, মুমকী মুপী অদিদি। থিজং হায়বদা তাপ থওবীরবদি হেক কবা।"

"চুপ্সি অদুহ।"

"ইচা অনী অহম গুজিল্লক্লে, হায়দি মমাদা ভাইরমই ইকাইনবম, হৌজিক্তি অডাংশিং অদুধুদু ইকাইবমা পোকলক্লে। অডাংনিদমা বাবু হায়ব্রিমখে থওবিদকা! গুসি অমুক্তো ঐখোয়গী মনীং অদুদগী উকিল মহা, ঐখোয়গী ইকা, অমনা চাউরবা য়ৌ অমা পায়দুনা ঐখোয়গী সুম্মাং মতোম শারুনা হেক হেক ফাওমদা লম্বী অমা লৈয়ে, অদোমদা হেক ফাওং মকপনিম্না। ঐগী ইচানুপা অতোনবদুনা সুম্মাং মতোনমক্তদা কোইচেন চেন্দুনা শান্নরিইডে হেক থোকউরেম্না। ভাদু হেক উরবদগী ঐখোয়গীগু ঙা লৈবু মিমিসে। অয়ুক অহুমতদা কৈদু হায়দুনা নিংভাই ভোত্থমা চাক চাও হায়বা হেকমক য়াদ্রে। অদুদগী মচেম জ্ঞান তাবী অমা য়াওরিবা মানা লৈবদগী য়াদুনা চাক্তি চারে, খুখিদাং লৈগে হায়দুনা। অডাংনা নিংভাই তৌবদুদি থেমদুনা মরানা ঐঙোন্দা হাকদু হাকমদমক্তা অডাংশিং অসে মইরেন তু হৌরবদি হেক্তা মহাক। বাবু ইবুংঙো, ঐ খোইরবনি। তলব মতা অসিদা ঐনা তৌগদবসি করিনো?"

মহাক তাওংনা মথমায় কাংরে হায়বদু ঐদু উরি। মদী দশা ঐগীসুনি। ঐগীনা সরকারগী তলব মতবা অসিতনি!

"অদুদি বাবুগী তাথি থরা চাউবা তারিনে!"

"লৈরি লৈনীংকনি বাবু, মঙোকনা হায়রিবদু চুমজবনি। অদুদু লোনথ অসিনা কংগত্রা থওমে, রুপা ১৫ তোনবগী খাওজরিং ফকপী থাবি অরোইবা লেনকমনি।"

"অদুগা বাবু অমী কাওনত্রিবদু চিংগু নিংজিনবীদু!"

ঐখোয় অনীমক নোকপিরি। লৈথোক অমোংনবক চেংলৈ লৈতে থম্বে থমজং লেংলি হায়দুনা। সন্ধ্যা মাচমক্পনা মডাইহরি। বীরাজনা খননিবা অমোংনবম অতোমদা চমকে, চমনিদুনা মতম থনা অতোমদা

অপিকপা কাওবা য়াওই। ঐনা কল্লা হুরকতুনা চপচাবী লুপা তরামরীদা অমা য়াররতুনা ভাহু লৌরগা খাউদা হাপচিনগে ভৌবা তাঙ্গাহুমজদা কদোমদগী নো হুপী মীয়াই চল্লবী অমা পাইশিল্লকুনা ভাহু তাপ হেক্তা মুল্লি। ঐখোয় অনীমক ইংক ভক্তা লৈরিঙৈ হুপীতুনা ভায়োনবীতুদা ওনশিল্লগা চৈরকই, "করম্বা হুপীনো মস্বিবো, ময়ামসি ঐনা পুন্না লৌরনি হায়তুনা মমল লোইনরবা নত্রা? মচোং মপাক নাইজবীসিগা!" ঐখোয়দা ওনশিল্লুনা, "ইবুংঙো ভাহু ঐখোয়না পুন্না লৌরবনি অসাইনা।" হুপীতুনা য়াচৈ, "ইচে অতুমতদি খাইগ্রসি, পৈশাসু লৌশিল্লরে, ঐ য়াম্না ইকাইরে।" তাদে মানা হায়বকাতু, ভাহু তাপ মুলগা মখোয়গী লুবাক্তা তনহাপ হাপচিনখি অতুগা মাগী মতুং ইল্লকলিবী ময়ামতুগা, অসিনা অসুপ, অতুনা অসুপ, মখোয় মশেন রেস্থোকনৈ।

শাওনীংঙনগ্রতুনা ঐনা হায়, "কয়ানোনে অতুবো ঐখোয়সু পীগে, ভাহু ঐখোয়দা পীয়ু।"

লুপা তরামরীতদা লৌরম্বা ভাহু খুজকুনা লুপা কুনমল্লী হেক্তা য়োৎই, "ইবুংঙো লৌবীগে হায়রগা কুনমরী থম্বীরম্ম।"

কল্লিনোনে হায়রিসিবো, "তরামরীতদা ঐখোয়গা শেন থিনরম্ম-বনি?"

"অঙাওবীতুমী রাতু লৌবীকম্বুরু, লুপা তরামরীগী ভাদা নক্তে। মতুদি আদগী উপুগী ভা বরফ চাইবা অসি!"

ঐখোয়দা নক্তে থোকলিবতু লুপা অমগীসু অতুমনা মুনবীগ্রবনি। মাসু কনা কন্না নারকৈ ভাহু কংনবা অক্তবু কনা পীনা হায় হুপীতুনা। গতি লৈততুনা ভাহু য়েংলগা তিন য়োৎলগা অতুম তোকলে। ঐখোয় অনীমক হুপীতুনা হায়বওম্না উপুগী ভা য়োনকম পরেংদা চংলে; অসাইগী ভাহুমুক চাউবা অমা কংলতুনা মমল হায়ে কিলোদা তরামরী। ঐনা আহে অপা শাহুনা, "মৈত্রৈ পরেংদসু অসুপ চাউবদা তারামরী হায় অতুগা আসামগী ভা অমিদা মমল অহুল য়ামনা হায়রিম্লিবু কল্লিনো", হায়লরে। হুপীতুনা নোকলহুনা হায়রকই—"অদ্মানে তাদা, হৌশিকলু

করি পান্তগী ধারকদোরিবা শরেংনো, পাং পুন্নমক নোং তাদহুনা লৈত্রেক চংলবসিদা! ঐখোয়গীসিনা ইষ্ট্রি তক্‌লুবা, মখোয়গী্হুনা শু-চামহুনা ইষ্ট্রি তক্লুবা! অসুম লৌবীয়ো ফংওইয়ে!"

কৈথেল অমুক্তা কাজত্রিবা মরুপ্‌্দি লাইরবহুনা ঐসু ঙাওরে, চপ্‌্দ মায়ৈ, ঙা অচৌবা লৈবদগি ঐসু অনৌবনি। মানা ছায়বহু অহুম পীরমগা ঙাহু লৌরগা ঐখোয় অনীমক পোদোন তেঙ্গালী মরক্তুদগী থোকলকই। কায়নরমদাঈঙা মহাক্না হায়রকই—

"মরুপকা থেঙনজহুনা ঙসিগী ঙা অসি ফংজরকলিবনি, ঙা লৈব-সিসু ইয়াই লাইবা নংলমত্রে, পৈশাগীদি লাইরহুনা। হয়েং হেক নেংঙানবগা কাওনফম লম্বীহু খিংজিল্লুদবা য়াদ্রে।"

হরাও হরাও চংখি। মচানা নিংঙাই তৌবদগী মাসু শোয়দনা এপ্পাং ছাওরুরগনি খলহৌই।

সিনা লৌইবা নত্রি। নোংমা য়াঙ্গং মুমিৎ অয়ুক্তী কৈথেল্লনি ত্থিল্লিবা মীয়াম চাউরবা ঈপাক অমগা মায়না উই। অঙাংশিংগী ফিরোল লৈবা লারুবশিংগী মরক্তা ঐসু অমনি। হুকান মচা অচৌবা লৈতে ফিতবু য়োল্লবদি, খোংউপতবু থারবদি, মীনা হেক্তা মথল্লি। লম্বীগী নাকনদা খোংউপ ফিরোল থাহুনা কম্বা পোংফম কয়া মুমিত্তুদা থোকলকই। ঐসু ফি অমা লৈগে মমল তিক্লরিঙৈ ভাজ্জাহুদা লাউরকই কপ্‌্না অঙাং অমনা, "পৈশা শেগায়রে বাবা।" হন্না য়েংথোকল্লুবদা লুপামচা চহী তরামুক শুবা অমা মখুত্তা তরাচংপী নোটকী মচেং অমা পায়হুনা কপই। ছুনবদা, মপানা মচাগী খোংউপ তোংশিল্লুনা চাত্রা য়েংলিঙৈ, লুপা তরাচংপীহু পায়হল্লি মচাদা, খুদক্তদা কদোম্বদগীনো অমনা শংকে লাক্লে তরাচংপীহু, অঙাংহুনা পৈশাহু শংখিদৌরে ছায়হুনা কয়া পাম্বিঙ্গে; শংগমক্তি ঙমখিদ্রে হায়বহু তরাচংপীহু মচেং অমজি অহুম পুখি। মপানা মচানা পায়হৌবা মচেঙ্‌ য়েংলগা পেহৌ পেহৌ লেপহৌই। মীগী ঈপাকথক অহুনা কন্নমনা খঙগদি কম্না শংথিবগো ছায়বা।

মঙ্গল মখেৎনগী থৌদোক কয়ানি থেঙনরিবা সনাকৈথেলগী অনিশুবা মচি মখিনা। কৈথেল অসি অওইবমক সনা কৈথেলনি। যাম্না চাউরবা দিল্লীগী, কলকাতাগী কৈথেলশিংগা প্রাকচাউবদা চাংদমনবদা যাম্নবদু মরক মরুপ্পী কৈথেল অমগনি গুইরমন বাজার লানবা থাবা অতুম মনাই। লোংমশী লেপুনা কারিবা কৈথেল, মী কয়াশিং কয়াগী থকাম চিংবক্ম পুক্কৈনি লৈতবনা পং ভংনবা, ইনাক খুনবদা থক্তা অহাংবা মালংদা মওাইরকপা, অফ-অফ অওবা ওক্ত পুক্নমক ঙিশিনকবই কৈথোকলিরিদা!

খুইশ্ম ফিয়োং অচৌবা, চৈরাউবা, ম্যাওশঙ, লিংতোম্ব চাকৌবা হুমিৎশিং অসিদা থিনদা কোইবা নাইত্রবা মীওই, লমচৎ, থেঙনগে মীৎলবা মকম অনিদা শোয়দনা থেঙনগনি।

অসিনি কৈথেল অসিগী মগুণ। মী পুক্নমক মী ওইনা অমম উইহনবা অতুথা মাঙী মাগী হৈনবী অদু মানা মানা অতুম তৌজবা খনবা খুদোংচাবা অতুম মখীবা!

তরামাথোই

ঐহাক ঐঙী হিসাব [illegible] থবক্তু অতুম মতৌঙিদি হায়বদু [illegible] [illegible] [illegible]। থবক [illegible] অরাবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোকে। থবক [illegible] [illegible] অদুম [illegible] [illegible] [illegible] হায়বদি [illegible] [illegible] [illegible] অদু [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] [illegible] [illegible] রুপা মাখনা [illegible] [illegible] চাথোক্নদ্রবা [illegible] [illegible] [illegible] চঙবকপা মতী ইকোংগী কোকোই [illegible] [illegible] [illegible] মহাক লাকলে হায়বা হেক্তা মথঙবা, অদুগুম্বা [illegible] [illegible] [illegible]

লৈরবস্বা, মীনম্ মাবু চহীগী য়েংতুনা অমসুং মশাগী ইজং লৈবা মীনি হায়না হকাইখুমরম্বা পুম্নমক্ত খঙহোৎনা মাঙথিবগুম ভৌরে। মীকো মীরম ফজরা, মীচং মীথোক মুংঙাইবা, ইমুং অমা ওইরম্বা যশবীরগী ইমুং, মীচিক মীরাউখোল তাথিদ্রবা লমহাং অমগা মান্নরে।

মহাক মরক মবক্তা ঐগী কাদা চঙলক্তুনা ঐগী য়ুমগী রা হেক হেক হুংই অতুগা করিগুম্বদম্ মাগী কাদা কৌতুনা মাগী মরম্নাই রা, মচাগা মনাওগগী মরমদা ঐগা রারী হেক হেক শাগ্নে। মরমদি মহাক খঙই, ঐ মাগী রা অমত্তা মীঙোন্দা হায়দোক্তে, মচাদা খঙদে, মনাওদা খঙদে।

নোংমা মখোয় য়ুমগী মথক ইথক থংবা তলাগী বেলকোনীদা ঐবু কৌখৎলমই। ঐনা চঙখিবদা কাতু পুমচাই চাইনা লৈরমই! মাগী চহী মতাং, মরাই চাইথরকপা পুন্সিগী মমিনি; খল্লুবদা মুংঙাইতে। মাগী কাদা খবর কাগজ, মেগাজিন ময়াম চাইথোকপতু উবদা ঐনা মুংঙাইতত্তুনা রেক অমগী মুখত্তা ময়ামতু থাঙ্গৎলি। মতু উবদা য়শবীর বাবুনা হায়,

"একাউন্টেন্ট বাবু, লোয়শিল্লুদ্রবসু য়ারে। মেগাজিন খবর কাগজদি লাইরতুনা ঐহাক ইশামক হৌজিক পুমচাই চাইরবনি। হরবচণগী মমানা লৈরিঙৈ ঐহাক কনা য়ামনা শেমদোকল্লুরবনি। মহাক পোৎ-চৈ অমতা মথোং মরম খঙদনা চাইথোক্তুনা লৈবা য়াদবা মীনি। মহাকনা হায়বল্লগীনি ঐনা হৌজিক কাওবা থাউ মনম মুংশিবা শীক্লিনরিবসি। নহা ওইরিঙৈ হকচাংগী মনম মুংশিরম্মী, অহল ওই-রক্লবদি অহল্লে মনম নম্মকত্তু, অহনা চহী য়ামশিল্লরবদি য়াম্না কেগদোবনি হায়রমই। মসি অচুম্বনি। ঐবু মঙাংশিংনদি করম্বা অহন্নো, মুমিং চুপ্পা মিংশেল্বা সয়েংতু, থাডু মনম মুংশিবদা হায়তুনা লৈ হায়। নহা ওইরিঙৈ মতমতু কল্লুই চুবা, শম ফারে অতুম মফঙৈ, ফি অমা পোৎরক্ত অতুম মুপত্তুচে; হৌজিক্তি কদাই পোকনগা ইঙৌ ঙৌ, খলনা যারবদি মোং-মানবা শোয়রবরি। ময়াম্না হায়রদগী কদাইদগী নো

অহন খংদা ফগল্লা হায়রুনা য়ুম পাল্লুই, ইকাইবা নংঙুনা তোকই। অমরোমদা মহাক্না চংপীখিবা লাইবক ফবনি। ঐনা হৌজিক মুংঙাই তবদি ইচাশিংসিগা মথুবাগা তিন্নবা য়াদ্রিবসিনি।"

"নোংমা ভাব তানরক্কনিদা; করিসু মুংশা থীবীগনু বাবু!"

"ঐসু অহুম খল্লি; ঐনা শিংগৈদা মখোয়সি মত তিন্ননা লৈমিন্নহৌরবদি মুংঙাইগনি। ঐনা তাববু জাগজিৎ মতৈ মনাও অনী মুমিং খুদিংগী খংনবগুম তৌমাল্লে। জাগজিৎসি ওস্তোকনা মথোং ছুক্কবনি! য়ু থকপসিদং তোক্লবদি ফগদৌবনি ঐগী ইনাওসি।"

"নহানিদনা বাবু,, মফজরক্কনি।"

"মখোয় মতৈ মনাওনা মুংতিগী খংনবসিদা ঐহাক ওস্তোকনা মুংঙাইত্রে। মহৌশাদৌনা ঐগা পুল্লিগৈদদি মহাক লম হেনবা ঙমলমদে। ফরবসু ফত্রবসু ইনাও চুপী অসিনসু ঐনা চৈরকনি হায়বগী থরা হঙ্গোইনা অহুম মতৌরম্মী। বাবুগদি অমুক্তা উন্নখিদ্রেকো?"

"উন্নদ্রে বাবু। বাবুগা হেক কায়নখিবা মতুংদগী মাগা কয়া লোনদিন্নরুদ্রে। মাসু কারবারগী থবকনিনা মথৌ চিনবা মীনি।"

"মথৌবু তৌজরবদি ফৈনে। ঐনা তাববু মাদি, করি, হোনি দিউ হোটেল হায়ব্রা অহুত্তদা লাংহুনা লৈরে হায়, অহুগীনি হায়নৈ মতৈ মনাও খংনরিবসু।"

"ঐদি করিমতা খঙজদে বাবু।"

"ময়ুম লৈতবদৌনা অল্লুকী চাক, মুমিদাংগী চাকলেন হোটেলহুদা চাই হায়, অহুগা য়ু তপতামথৈ থল্লগা ময়ুমদা লাকই হায়। দোকানসু পোং ইয়াও য়াওদ্রে হায়না নোকরশিংনা ঐঙোম্দা তম্মি! পাঙল ওনগ্রবী ফতিমা হায়বী অহুগীরা খঙদ্রে?"

ঐ হয়া য়েনখংলমই। যশবীরনা হায়কেং নোক্লগা মথা তারক্কই, "চুমই বাবুদি মাগা তিন্নখিদ্রে। মহুগী মুপীহুগী হাক্কক্তা জাগজিৎ অসে শোয়দনা তুমগদৌরিবনি। ঐহাক অপংবা নস্তে, ঐ লোইনমক খঙই অহুবু ঐদি জাগজিৎকী ফত্তনবা করি অমত্তা তৌবা ঙমদে।

মসিনি ঐগী অশোনবা হায়ববু। মসিদনি ইচাশিংনা ঐবু শাওরিবস়ু। অদুবু বাবু ঐহাক জাগজিংকীদি হোৎনবা মতাবনি। ঐনা বাবু কৌব্রি-রসিস়ু অসিগীনি।"

"তাকপীয়ু বাবু!"

"অস়ুম তৌবনি! ঐনা বাবুবু থাজবদগী হায়জরিবনি রা। অসে; ঐগী ইচাশিংদি তাবা লাকপা য়াবপোৎ নত্তে। বাবুনা মসিমদি ঙাকপীবা তাই।"

"যশবীর বাবু ঐহাক নিমকহারামি নত্তে। ঈশ্বরনা খঙসনু, ঐহাক বাবুনা পাম্বদুমক তৌগনি।"

"রাবুদি পংলু লুবা নত্তে ঐগী ইরন ঐনা তৌনীংবা তৌবদা কনানস়ু থিংবা ঙম্বপোৎ নত্তে। অদুবু ইচাশিং অসিনা মথুরা অসিবু মুংশিদবা হেঙ্গৎলকনি হায়বসিগী ঐহাক কি। হায়বা হৌরুরবনিনা অমুক থুপ্তনা কাম্নত্রে, জাগজিৎ অসে ঐগা হেক পোকমিন্নবা নত্তে।"

ঐহাক ইওক ঙকনা য়েংখৎলমই যশবীরনা।

"মানি, মহাক ঐগা পোকমিন্নবা নত্তে। ঐগী ইপন বলবীরনা পোকলম্বনি। অদুবু রা অসি কাওনথ্রবনি। হিন্দুস্থান পাকিস্থান অনী থায়দোকলকপদা জাগজিৎপু পোকপী মমাবু জাগজিৎকী মৈনিং কুমলিঙৈদা জলনন্তরদগী মুম্মিদাংদা ফাখিবনি! ঐগী ইপন্দু য়ামনা শাথি। ঐহাক পিশক পিকনা বাবাগা ইমাগনা হন্দোকলম্মদগী মাগা ইমহান অদুগনা য়োক্তনা চাউরকপনি। মুম্মিদাং ঐগা মাগা লোৌদগী হল্লকপদা ইমহান্দু মুমদা লৈরমত্রে। কোইথি থিনবদা খুনগী মুপীশিংনা মাবু নমথুনা ফাখিবগী পাউ তমলমই। য়ামনা থম্মোয় শোকপদি মচা অপীশক জাগজিৎপু কোন্দুনা থাঙখি হায়, ইমহান অদুনা কপ লাউদুনা। মমা মচাবু কায়নহন্দুনা ফাখিবনি। মহাক বলবীরবু কৌদুনা রং-রং চোংদুনা চংখি। খুন্দা মুপা নহা লৈতবা তাঙ্গা ওইনা থোক-খিবদগী মাবু ইরাই লাইনা পুখিবনি। খুলগী মীয়াম্না মাবু থীরুসি লোয়নমই; চংলমদাইদা বলবীরনা মাগী মপুজিদা তাল্লকপা পুম্নমক

ঐভোন্দা শিন্নরমই। লৌউবগী ইমুং ওইন্নবত্ত্ব ঐখোয় খানদানী ওইরকই, সনা লুপাগী লৈভেংগী পোৎ, লীক-কোল, অদুগা মানা তারদুনা পৈশা মুংশা, মমল য়াম্নবা সম্পত্তি ঐভোন্দা শিন্নরমদগী হেন্দোক্লনা, মহাকনা রা অমগা শিন্নরমই, জাগজিৎপু ঐগী হেক পোকমিন্নবমকনি, হায়গদৌবনি ইশান্নক মাগী মচানি খনগদবনি, মনাও অমদা তৌগদবত্ত্ব ঐনা তৌগদৌবনি, মহাক্লা ঐবু য়োকলকপগুম ঐনা মাবু য়োক্কদৌবনি। মহাকনা রা অসি খুনগী মীদত্ত্ব শিন্নখি, জাগজিৎকা ঐগা মপা মমা, তিন্নদে হায়বসি কনামত্তনা হায়রোইদৌরমনি হায়না। পুম্নমকনা য়াখি, ঐনত্ত্ব রাশকখি। মরম মসিদগী ঐনা মাবু ঐগী হেক পোকমিন্নবা ইনাওনি হায়না ঐনা ওাক শেল্লকখিবনি।”

যশবীরগী মরেং তারবা চাইরুং অন্দৌরা মপি শিন্নরককই, মহাক রা ওাংবা ওমখিদে।

“মহাক ঐনা রানা য়োকললবা অমত্তা ওাইন্নকা ঐগী ইনাওনি বলবীরদি খুনগী মীশিংগা লোয়ননা ইমহানগী য়োঙলগ লীগনি চংঙ্গে। মুমিৎ নীনিচুপা কনামত্তা হল্লক্তে; হুমনিত্ত্ববদা খুনগী মী পুম্নমক হল্লকলে, অত্তবু ঐগী ইপন্দুদি হল্লক্তে। অরোইবা ওইনা মহাকনা মাগী মখুৎ য়েত্তা শিখিবা কোরীগী খুলোপত্তু থারকই। মতুদা ঐহাক অতুম খুওলে মহাক শিবা নত্রগা মথৌ পাওখোকপা! শাজৎ অসি ঐখোয়গী লুপাশিংনি হায়রমই মানা। খুনগী মীশিংনা তমই, মহাক মতোমত্তা চংঙ্গে, থাম্বা য়াখিদ্রে। মথা পাউ অমুক তাবা বংখিদ্রে; মপাং লাকওমদ্রবা প্লো- লোক কয়া থোকঙ্গে, মী কয়া শিঙ্গে, মখোয়গী মতুংদা মহাকত্ত্ব য়াওরম্নগনি থাজনরমই। ইমহান্দু ছিংলমসদ্রা চিংনখি অত্তবু পাউ অমা নিনফুং নিনফুং তারমই মখোয় অনীমক য়েক্লবনা হাংঙ্গে হায়না।”

“মখোয় অনী উম্নখিদ্রা?”

“উম অত্তুমনা হায়। য়ামনা লুংশিবা রারীঙ্গি। ইমহানত্তবু কাখিবসি আকংগানি অমগী দমকনি” হায়। “মখোয়না মাবু জানগা মখোয়না হায়বত্তু য়ানিবা হোংনখি।” বলবীরা লোয়দনা ঙাম্নি

হায়বসি ইমহান্না থ.জৈ। মরম অদুনা মহাকনা মখোয়না হায়বদা য়াশিন্নদুনা লাপনা চত্তনবা হোৎনখি। বলবীরনা অসুম অসুম খোঙ্গ.ল লীরক্নুনা মখোয়না লৈরিবা মফমদু খণ্ডলবদা মাগী মতেং পাংবীবা মুশ্রিম থরগা লোয়ননা ইমহানগা উন্ননবা শরৌ শিনখি। ইপন্না পাঠান শাত্নুনা ইমুংত্নুদা থুংখি, অদুবু ইমহান্না হরাও হরাওনা লৈরম্বদু উবদা মহাক নীংবা কায়খিরমই। খুদক্তা মহাবনা মপুকচেল শেপ্লবী মুপীনি খন্দুনা ফারিবশিং অদুগী মমাংমত্তদা মখুত্তা পায়রকপা তা অদুনা ইমহানদ্দা থিনখি। শিরমদাইদা ইমহান্না শোল্লমই 'বলবীর! শিরমদাই অসিদা নংবু অমুক্তং উজবা ফংলবদি ঐহাক ওন্থোক্লা মুংভাইগনি'। বলবীর তৌভম খঙদনা লৈরম্বদগী মাগী মুংশিরবী নুপী অদুনা কপ-লকপদা মহাক লানথ্রে হায়বা খঙলমই। খুদক্নুমক্তদা মহাক বলবীরনি হায়না মাগী মুপীগী মমাংদা লেপ্লমই, ইমহানবু কোনখৎলমই, মতমদুদা ইমহান্না মপুরোইববু চেজেৎ কোন্দুনা মাগী পুসি মহৈ য়াম্লে হায়না নোকপা ওমজখি। ওন্থোকপা থৌদোক হায়বদুনি, ঐগী ইপন্দো মরীল য়াম্না খাবা মীনি।"

যশবীর হিক হিক কপলমই। ঐসু মিত্তগী পি শিম্নখিবা খঙহৌদে।

"হিংচা য়াইতম্বশিং অদুনা মখোয় অনীমকপু খুদক্তা মুংশিহৈতবগ। লোয়ননা হাৎখি। অশিবনা মখোয় অনীবু খায়দোকপা ওমখিদে। থম্মোয় কায়বা ঝারীনি, অসুপ কুইরবসে ঐহাক কনা অমদা তম্বখিদ্রি। ঝারী অসে জাগজিৎতগী ফাওবা লোত্তনা থমলকপনি!"

"চুমই বাবু, য়ামনা থম্মোয় শোকপা ঝানি।"

"জাগজিৎপু ওন্থোকনা ঝানা য়োকলকপনি ঐনা। পৈশাগীদি ঐহাক করিসু ঝারমদে, ইপন্না য়াম্না হেন্না খম্বীরমই। মানা লৈখিত্রবা ফাওবদা খুনগী মীশিংনা মভোন্দগী পুবনি হায়দুনা শিংবীরকই। অদুবু জাগজিৎসে মথোং কয়া চাদনা হৌরকই, ঐনসু কেথোকহনখিবনি। অফবা লাইহিরিক তমকখঙ ঐখোয়গী খুন্দুদা লৈতে, অত্তোপ্পা মফমদা মাব থাই।" ঐনা মাবু অচৌবা ওফিসার ওইহন্নীংলমই অদুবু ল্যাইহিরিক

নীংথিনা তম্মু য়াখিদে। মুপীদা কা হেন্না ঙাওই। অঙাং ওইরিঙৈদগী মুপী নহাগী মতুং কোইন ইন্নহনা হৌরকই। ঐনা ন্নারক্লনা ফু-চৈহনা হোৎনৈ, য়ুমদা হল্লক্কে, ফুবনা কান্নপ্রহনা খেমহনা য়েংই, হেক্সংলকই। মীগী লুহোংবতা ঙাইরিবী মুপী লকনরুই, অহুদগী হেন্দোক্লনা নমহনা ফাগে হোৎনরুই। মহুগী ন্নাখোক্তা ঐখোয় খুন্দা লৈবা য়ারমদে। মাগীদমক ঐহাক কয়ারক চোপখি, কয়ারক চৈ চাখি অহুবু মহাক করিমতা হন্দে। কান্নররোই হায়হনা কলকতাদা ঐখোয় য়ুম হোংলকলে। বিজিনেস পামই হায়হনা দুকান ফম্বা হোরে। মফমহুদা ঐহাক য়ুম পানবনি, হরবচনগী মমাগা লুহোংলমই।

"ঐনা কারবারগী কোইচৎ চৎলি, য়ুমদনা জাগজিৎকা মতৈমগা লৈহৌই। মতৈমদা ফাওবা মহাক হেক্সিনবা শাজৎ চৎলি। হরবচনগী মমানা ঐঙোন্দা জাগজিৎসি ন্নারকউ তত্তনা হায়। নোংমদি মহাকনা কপ্পনা তমই, জাগজিৎ লৈরবদি মহাক য়ুমদা লৈবা ঙম্নরোই হায়না। জাগজিৎনা মাবু কোইশেন শেন্নহনা নত্ত নত্তবা তৌগদবগী লাকনৈ হায়বা ফাওবা তমই। ঐনা থীবদা ন্নারী অসি অচুম্বনি হায়বা খঙলমই। মতমর্তু মহাক অঙাং নপ্রে, ঐনা ফোঙনা হায়বদা মহাক মুমিত্তদগী হৌনা য়ুমদা হন্নকখিপ্রে। ইনাওনিনা কোইথি থীহনা য়ুমদা পুরক্লনা অমুক থমই, মতুংদা মতৈমদা অহুমনদি তৌপ্রে হায়ববু মথোং চাদবদি হনবা লৈতে। হরবচনগী মমানা মুপী থিবিপ্রবদি ফপ্রে হায়হনা মানা অপাম্বা খল্লু হায়বদা হৌজিক মানা লৌরিবা ইনাও-মুপীসি লৌপ্রবদি শিন্ননি হায়হনা লৌখিবনি।

"ঐনা মশক মতৌ ফজবা ন্নাৎলি হায় অহুবু মহাক্না মাবুতা পামই হায়রে, চহীম্নু মঙোন্দগী হনবনি। মপানা পুলিস সার্ভিসতা অচৌবা ওফিসার ওই, ইনাক কৈয়াক খুল্লি, জাগজিৎকা লানবা চানদে, অহুমকপু য়াম্না কন্না হায়জ-চৎচহনা লৌরকপনি। অমন্নোমদা মশক মতৌ থন্না ন্নাৎপদনি ঐগী ইনাওমুপীসিগুম্বী মুপী হেক ফংবা ন্নাগনি। জাগজিৎনা হায়রিমখৈ মহাক য়াই, মাগী মমাংমক্তদা মুপী নহাদা

ফাগী যোগাই তৌবা মহাক শাওদে। মুপীশিং অদুনা লৈবাক মচা তাদবননি হায়। মহাক মীতেক মীবৌ খঙই। ঐনা হেক য়াদবা থবক অমত্তা ইনাওমুপীসিনা তৌদে, জাগজিৎপু ঐনা লুনা তৌই হায়বসি মহাক মুন্না খঙই; অদুনা মহাক্না ঐঙোন্দা মরক মরক্তা রাকৎলি, রারকপীনবা। হুরবচনহোয়না মথুরাবু শাওই, মন্দোনবুদি কি। ঐনা রাবদি করিগুম্বা মন্দোনসিনা শাওদুনা চৎপ্রবদি জাগজিৎকা হুরবচনগা শোয়দনা কায়নহৌগনি।"

অহন অদুগী মমায়দা তশেংনমক অকিবগী শকফম অমা ফাও-রিবদু ঐহাক খঙই।

"ঐনা রারীসি লীরুরিবসি মরম অমগীনি। মসিদা ঐনা জাগজিৎপু ওক্তে হায়দুনা হুন্দোকপা য়ারিব্রা ?"

"য়াদে বাবু অচুম্বনি।"

